[illegible]

মুপ্‌চীনলব মীতৈ লোন্‌মীত্‌ অমসুং লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌

A SHORT MEETEI LINGUISTICS & GRAMMAR

১। লোন্ অমসু মাগী সাথৈ-সনাইগী অকন্‌ব নৈনব।
২। খোন্‌থোক্‌লোন্ অমসু মীতৈ ইয়েক্‌ পুখোক্‌প।
৩। মীতৈ ইয়েক্ অমসু মাগী কাঙ্‌উলোন্ নৈনব।
৪। অতৈ চাইহুন নৈরীব মীতৈ মরেক্‌লীঙ্‌গী সম্‌তম্ উতপ।
৫। মীতৈ চৈনীঙ্‌ ইয়েক্ অমসু মাগী কাঙ্‌উলোন্ নৈনব।
৬। মরুওইব মীতৈ লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌কী মরমদ নৈনব।
৭। মীতৈলোন্‌গী অকালগী কাঙ্‌লোন্।

ইরবা ঃ
[illegible]

[illegible]

ꯍꯨꯞꯆꯤꯜꯂꯕ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯣꯟꯃꯤꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯟꯆꯠ ꯄꯥꯊꯞ

হুপ্চীল্লব মীতৈ লোন্মীত্ অমসুং লোন্চত্ পথাপ্

A SHORT MEETEI LINGUISTICS & GRAMMAR

অইব ঃ

অকোইজাম্ব নারেন্

এম্ঃ এঃ, এম্ঃ ফীল্ঃ

মালোম্ মেঘ হাই স্কুল্গী ওঝা অম।

কংলৈ ই-নাত্ থীজীন্ব লুপ্, নীঙোম্বম্।

ইমুফাল্ [illegible] পোখক, যমাঙ্।

ফোঙ.দোক্পা :

কংলৈ ই.নাত থীজীনব লুপ., নীঙোম্বম্

ইম্ফাল্ এরায় পোরত, মযাঙ.।

অহানব খুত.নম্ — লাইরীক্ মসীঙ. ১০০০

পাল.চা কুম্সীঙ. — ৩৩৯০

খৃ:গী চহী — মে, ১৯৯৩

Printed at :

ROHINDU PRINTING PRESS

MOIRANGKHOM SOUGAIJAM LEIKAI, IMPHAL

মমল্ — লুপা ২৮

খুদোল্ তম্জব

ইমা ! পোক্নফম্ লম্দম, চুঙ্সীবী।
নচাসীঙ্গী খন্বীবদ কোক্ চাউরবী ....

লৈখোঙ্, সেঙ্বীনব লৈতম্রব, উরী-বারীসীঙ্ন কুপ্সীল্লব।
লীরব ইমাগী লৈকোনচুঙ্গী, উরী-বারী খরদং থদত্চহ্নন।
থমোইগী য়েন্দাই পাইহ্নন, মীত্ন উব, খুত্ন লাম্ব ফংজব,
সীঙেন্ খরদং হেক্চরগ, লৈরাঙ্ পরেঙ্, অমতং লেঙ্জহ্নন।
তম্জরী ইমাগী খুদোল্ :
লৈচন্ সুদে। লৈথন্ চাদে হাইবীগনু ইমা।
ইরোনদ মীরোন্ য়ান্সীল্লীবমখৈ ফজবনী থন্জব,
মীগী মরেক্-মসোন্ চত্নবীবু রাইরীবমখৈ লেম্জবনী থন্জব।
মীগী চত্নবী সনা অহুদ ইরোন্ন তম্কা থীল্লুব্দী ......
ফজবদী হেন্গত্প য়াই 'হুবু ঐগী তম্কাদী মাঙ্লেদো !!
অসীগুম্ব অথং-অহৈ ইথক্খোঙ্বসীঙ্গী মমাঙ্দ,
হৈত-হৈত তবী-তবী চোঙ্খোক্চবনী।
ঐগী অসীবু উরগ, অহুদী অসুম্ তৌসী হাইহ্নন
মংফাউবীরক্লবদী হোত্নজমন্গী মহৈ য়াল্লে থন্জগেকো ইমা !

—অহৈব

থৌগৎ ৱাহৈ খর

অকোইজাম্ব নারেনগী "মুপ.চীল্লব মীতৈ লোন্মীত, অমসু লোন্চত, পথাপ." হায়ব লাইরিক অসি পারে। অইবগী অনৌব চাংয়েংনি। মখল অসিগী লাইরিক য়াম্ন তাঙ্ন লৈরি। কংলৈ লোয়ন-সিলোন্দ অনৌব লাইরিক অমদি মসীং চল্লে। লোলগী সাগৈ খায়বদ অনৌব মিৎয়েং খর হাপ্প ঙম্বতা নত্তন অনৌব ৱাহৈ খরসু অইবন থৌনা ফনা পুথোক্নব হোৎনরি। খুদোংথিব কয়া সীংনত্নুন অনৌব চাংয়েং খর তৌব ঙম্বসিমক য়াম্ন থাগৎনিংঙাইনি। চাংয়েং অসিন ৱাৎলিব লোল অসিগী পুকৈ সেমগৎপদ অমদি লৈত্রিব কংলৈলোল অসিগী লোলগী পথাপসিং পুথোকপদ খরমখৈদি মতেং পাংলগনি হায়বসিদি খুৎই অসি পাবদ খঙই।

কংলৈলোলগী অরুম-অয়াং মচা খাযবদ, ইমুংলোল খুমুংলোলগী ৱাহম্থোক্ত, চৈসীং ঈয়েক্কী হৌরকফম তাকপদ, মীতৈ ময়েক্কী হৌরকফম থোরকফম পিননব হোৎনবদ ৱাহং খর লারিঙাই লৈরি। অদুবু থৌনা ফন চাংয়েং অমদি তৌব ঙম্নকপ অসিন নৈনবগী মচাক খরদি লোলসিগী নৈনৱোয়সিংদ থোঙ, হাংদোক্লে। মসিমক অইবগী মায় পাকৃপ অমনি।

য়েলহৌঙৈগী ময়েক ১৮ অসিগী মথক্ত হাপকৎলকপ ময়েক ৯ অসিগী থোরকপগী লোলমিৎ পিবদ ৱাহং খর লৈগনি। অদুবু হৌরকপদ লৈরম্ব ময়েক ১৮ দগী মতমগী য়াওল লাক্নুন লোমথরকপ ময়েক ৯ থোরকপনি হায়ব ৱা মপুং অদুদি নাখৈ সেংন উৎপ ঙম্লে। লোয়নন খ্রি: চৈসীং ১৭৫৮ গী ময়েক লুপতিন্দ পুথোক্লরকপ ময়েকসিংগী মায়দব সক্তম কয়াদু নৌন হৌরকপ থিজিল্লোয়সিংদ খুদোং চাননব, মিৎন উব ফংননব তাংকক অম য়াওরিবসিসু কংলৈ ইয়েক্কী লুপতিন কয়া লৈপাক্কী থাক্ত পাংথোকখিবসিংদু য়াওহৌদব থিজিল্লোয় কয়াগী মফমদ মতেং য়াম্ন ওইপনি।

অয়োইবদ পনজনিংবদি চাংয়েং অসিগী মমল অসিনি। অনৌব চানব ৱাহৈ পুথোকপ, লৈত্রিব তাঙ্ন থোকপ নৈনব ৱাৎলিব কংলৈলোলগুম্বগী লোলমিৎ ইনব হোৎনব, লোলসিগী কাংলোন নৈনব হায়বসি তসেংন খুদোং থিব কয়া লৈ। খুদোংথিব, হোৎনব চঙ্ব, য়াম্ন থিজিন্ন চঙ্ব তাংককসিং অসিদ খুৎ থানব হোৎনরকপ অমদি চাংয়েং কয়া তৌনব হোৎনরকপগী হুমাংমল অদুদি খক মাঙ্লোই। নৈনফম হিয়ম কয়াদ থোঙ, হাংলকপগী মমল অদুদি তসেংন য়াম্মী। থৌনা অসিবু লোলবু মুংসিব থিজিল্লোয় পুম্নমক থাগৎফম থোকই। মথা তান অইবগী লাইরিক কয়াসু থোরকখিগনি হায়বগী থাজব থমজরি।

—ভারিরাম্বমচা কাংজীয়া মঙাং

হেদ ওফ দিপার্তমেন্ত ওফ ফিলোসোফি, ওরিয়েন্তেল কলেজ;

মেম্বর, মীতৈ ময়েক এক্সপার্ত কমিতি, গোভ: ওফ মনিপুর;

দাইরেক্তর, ইন্তরনেসনেল মীতৈ ময়েক রিসার্চ এন্দ ত্রেনিং ইন্সতিত্যুৎ, ইম্ফাল;

রিসোর্স পারসন, মীতৈ ময়েক ওরিয়েন্তেসন কম ত্রেনিং কোর্স, দিপার্তমেন্ত ওফ ইদুকেসন, গোভ: ওফ মনিপুর;

সলাই পুয়েল, সনামহী লাইনিং অমসুং পুন্সিয়োন খুকম (সলাই পুলিকম), ইম্ফাল।

য়ারোল্ খন্ন

ইনাউ অকোইজাম্ব নায়েন্গী "সুপ.সীল্লব মীতৈ লোন্মীত্ অমসু লোন্চত্-পথাপ্," মীঙ্থোন্ব লাইয়ীক্ মচা অসী লোইনমক্ পাজরে। মীতৈলোন্গী পুক্কৈদ অনৌব মচল্ অম হাপ্কত্লে খন্বদ মুঙাইজে। পীক্লব মচল্ অসীগী মমুঙ্দ অইবন হীরম্ তরেত্ লৌখত্নুন নৈনরী :—(১) লোন্ অমসু মাগী সাগৈ-সলাই ; (২) খোন্থোক্ লোন্ অমসু মীতৈ ইয়েক্ ; (৩) মীতৈ ইয়েক অমসু মাগী য়াঙ্উলোন্ ; (৪) অতৈ চাইহুন লৈয়ীব মীতৈ ময়েক্সীঙ্ ; (৫) মীতৈ চৈসীঙ্ ইয়েক্ ; (৬) মীতৈ লোনচত্ পথাপ্ (Grammar) ; (৭) মীতৈলোন্গী বনান্গী কাঙ্লোন্। হীরম্ খুদীঙ্মক্ত অইবগী অনৌব মীত্য়েঙ্ য়াউই, মরুওইব খন্ন মথাগী অসুম্ন পন্ব য়াই :—

(১) লোন্গী সাগৈ-সলাইসীঙ্গী মরমদ নৈনবগী মতাঙ্দ মীতৈলোন্বু কুকী-চীন্ নত্তন্নগ তীবেতো-বর্মাগী লোন্সীঙ্গী মসা অম ওইন থম্বহু য়ানীঙ্দব উত্নুন অইবন অসুম্ন মাগী য়ায়েত্ পীয়ী :— (লমাই ৪) "অখঙ্ অহৈসীঙ্ন হাইয়ী, মীতৈলোন্ অসী তীবেতো-বর্মন্গী সাগৈ মমুঙ্ চল্লী। মতাঙ্ অসীদ য়ায়েত্নীঙাই ওইরীবদী বর্মাদগীদী কঙ্লৈপাক্ অসীনা খুন্দা-লৈতাব য়াম্ন হাল্লী লোইনন তীবেত্তগীসু হাল্লী হাইবসী লৈসেম্লোন্ খুন্দা-লৈতায়োন্ পুয়ান ফজন তাক্লী। তীবেতো-বর্মন্ সাগৈগী লোন্ অসীন চীন্-লোন্গ হেন্ন নক্সীন্নৈ হাইরবসু মখোই অনী অসীন থোয়ক্তরীঙৈদ মীতৈ লোন্গ চীন্ লোন্গদী হানন মরী লৈনরম্লে। কোন্ন তীবেতো-বর্মন্ হাইব সাগৈ অম চোঙ্থোক্চরবসু মীতৈলোন্দী কংলৈ-চীন্ সাগৈগী লোন্ ওইহুন লৈরম্লবনী।"

(লমাই ৭) "মীতৈলোন্ অসী কুকী লোন্গী লোন্থৈ মসা অমনী হাইবসী কনানসু য়ানীঙ্লোই। কুকী লোন্ অসী মীতৈলোন্গী লোন্থৈ অমনী হাইবদী য়াই। অমুক্সু য়েঙ্সী তীবত্ হাইব অসী খুন্দাব য়াম্ন নৌয়ীবনী .... ঙসীদী মহু ওইথোক্তরে।"

মতৌ অসুম্ন তীবেত্ অমসু কুকীগী মহুত্ত কঙ্লৈ (মনীপুর)-চীন্ হাইফম্ থোক্ই হাইব অইবগী য়ায়েত্ অসীন অপাবসীঙ্দ অনৌব ইহুল্ অম সোইদনমক্ পীরগনী নীঙ্ঙী। য়াখল্লোন্ অসীন ভোলানাথ, তীয়ারীগুম্ব হীন্দীগী অইবসীঙ্দসু য়াখল্গী চৈথেঙ্ অম সোইদন পীরগনী। নীঙ্সীঙ্ব য়াবদী—মতম্ অমগী অফাউব অইব গ্রীয়ারসন্ সাহেবন মহাক্কী 'Linguistics Survey of India' হাইব লাইয়ীক্ অদুগী 'Assam-Burmese-Branch' মতাঙ্দ হাইরম্ব মতুঙ্ ইন্ন তীবেতো-বর্মন্গী মমুঙ্ চল্লীব মীতৈলোন্ অসী মরু ওইন লোইগী লোন্সীঙ্নী হাইন পল্লী অমসু কুকী-চীনী লোন্সীঙ্ন কঙ্লৈপাক্ চঙ্লক্তরীঙৈদ মীতৈলোন্ অসী লৈরম্লে হাইন মাগী য়াখল্ ফোঙ্দোক্লী মরম্ অসীন অইবন ঐথোইবু অমুক্হন্ন য়াখল্ খন্থহল্লী।

(২) য়াকোক্লোন্ থীলেন্গী মতাঙ্দ অইবন মীতৈ ময়েক্সীঙ্গ হুক্চাঙ্গী কায়াত্সীঙ্গ লৈনরমব ময়ীসীঙ্ ফজন য়েক্থোক্নুন তাক্লী, মরুওইন য়, অ, স, হ পন্ব য়াই। চৈসীঙ্ ইয়েক্কী মতাঙ্দসু নারান পলেম্ ইমাগী পীবুক্মুঙ্গ লৈরক্প্ন থাজ তয়াগী সক্তম্সীঙ্গ মরী থম্হুন ফজব য়াখল্লোন্ অম পীয়ী। মতৌ অসুম্ন মসীঙ্ থীব, থা তয়ানীথোইগী মীঙ্থৈ থোন্বনচীঙ্ব য়াহন্থোক্ লৈব য়াফম্ কয়ামুক্ পীবীয়ী।

(৩) চাইহুন লৈয়ব মীতৈ ময়েক্সীঙ্ কৌব হীরম্দ নৈনবদ কান্নরব মচাক্ কয়া য়াউব বাফম্ থেঙ্নবীগনী। পীয়ম্লীব অচাইব ময়েক্সীঙ্ অসীগী মতেঙ্ন মথল্ কয়াক্কী পুয়া পাবদ থুত্লোইগনী হাইবদ হাইমন্ব থোক্লোই।

(৪) লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ নৈনবগী মতাঙ্‌দ অতোপ্‌প লোন্‌গী রাহৈ-রাতা লৌদনব ঙম্‌ব মথৈ হোৎনবগী মহৈ থরমথৈদী য়াল্‌লে নীঙ্‌ই। তৌইঙম্‌বস্‌-রানা মথল্‌গী নৈনবদ অইবন English Grammar ব য়ুম্‌ফম্‌ ওইন লৌই। মরম্‌ অছুন মীতৈলোন্‌দ লৈতব Relative Pronoun নচাঙ্‌ব হাপ্‌চন্‌ব, Clause Phrase থাইদোক্‌প, Voice নৈনব অমসুং Narration থাইদোক্‌প থেঙ্‌নৈ। মতাঙ্‌সীঙ্‌ অসীদসু মীতৈলোন্‌গী পথাপ্‌ মতুঙ্‌ ইন্‌ন নৈনবীরবদী থর হেন্‌ন অচুম্‌ব কঙ্‌গনয় খল্‌লী।

(৫) বনান্‌গী মতাঙ্‌দ অইবগী রাখল্‌ থাগত্‌নীঙাইনী। বংগলা ময়েক্‌ রাইরবগী মহৈ ওইন ঙসী ঐথোইন ইরোল্‌গী থোন্‌থোক্‌ মতুঙ্‌ ইন্‌ন ময়েক্‌ত ইথোক্‌প ঙম্‌দবগী অরাব অম মাইরোক্‌নরী। বংগলাগী অতেন্‌ব অমসুং অসাঙ্‌ব থোন্‌থোক্‌ ইনব হোত্‌নরীব ঐথোই কবুই কৈওইব তাছুন লৈহৌরে হাইবসী থংনরবনী। রাথোক্‌ অসী তাইসন্‌নব অইবন অয়াঙ্‌ব, ময়াইওইব অমসুং অরুম্‌ব থোন্‌থোক্‌-কীদমক্‌ খুদম্‌ অছুম্‌ পুথোক্‌লক্‌প অসীন অপাবদ মতেঙ্‌ য়াম্‌ন পীরগনী খল্‌লী।

হয়েঙ্‌ তুঙ্‌দ মীতৈ ইয়েক্‌ন বংগলা ময়েক্‌কী মহুত্‌ সীল্‌লক্‌প কান্‌দ ওইরক্‌কদবসীঙ্‌ অহু য়েঙ্‌হুন লাইরীক্‌ অসীদ নৌন হৌদোক্‌চরীব বনান্‌ অসীদ অথঙ্‌-অহৈসীঙ্‌গী মীত্‌য়েঙ্‌ চাঙ্‌সীন্‌জরী।

লোন্‌মীত্‌-লোন্‌চত্‌পু থবাই য়াউন নৈনরীব ইবুঙো নারেন্‌গী লাইরীক্‌ মচা অসীদগী লোন্‌ নৈনবীব অথঙ্‌-অহৈসীঙ্‌ন কান্‌নব ফংব ওইসনু। অইবদ তুঙ্‌গী থাজব কয়া থম্‌বগ লোইনন মপুগী খুরাদ ইমালোন্‌গী য়াইফব নীজরী।

ডাঃ কুন্‌জকীসোর
Principal,
Govt. Hindi Teachers' Training College, Imphal

12. 5. 93

[illegible]

[illegible]

[illegible]
MEETEI MAYEK RESORCE PERSON

অইবগী ৱাহৈ খরদং

লাইরীক, অসী অহান্‌বগী ওইন মীতৈ ইয়েক্‌ অসী পাক্‌-সন্‌ন খংনদরীব ওইন তৌবসীদ মীয়াম্‌গী খুদোঙ্‌, চাননব বংগলা ময়েক্‌ত ফোঙ্‌জবনী। মসীদ মীতৈ ইয়েক্‌, অসীবুস্থ তঙাইফদব অম ওইন মীপুম্‌ তীঙ্‌ন খংনহৌনব মীতৈ ইয়েক, তম্‌নবগী মওংদ মসাগী ৱাঙ্‌উলোন্‌নচীঙ্‌বগ কোন্‌নন হাপ্‌চীন্‌জহন মীতৈ ইয়েক, তম্‌ননব মগী লাইরীক, অমমুক, তোঙান্‌ন লৈরুদরবস্থ য়ানব থৌরাঙ্‌স্থ তৌজবনী। অসীগীস্থ মথক্ত নৌন ইথোক্‌পীরম্‌লব মীখুত্‌স্থ চংলবগী মওং ফংলব অরীব পুয়া কয়া লাইরীক, কয়া মতম্‌ মতম্‌গী চত্‌নহল্লব ময়েক্‌ত মুঙ্‌দ হক্‌তুন ইরমব ৱারোল, কয়া সরকারন সক্‌খংলীব ইয়েক, ২৭ অসীন পাব য়াদে হাইহন মুঙ্‌নাঙ্‌লীব অসীগীস্থ কোক্‌ননব মীখুত্‌ চংলব চাইহন লৈরীব মীতৈ ময়েক্‌ ময়াম্‌ অসীবুস্থ মীতম্‌ সাহন লামাই ৩১/১ দা হাপ্‌চীন্‌জরী। য়ান্‌সীল্লম্‌লীব ময়েক্‌সীঙ্‌ অসীবু ঐথোইগী ইয়েক্‌ ওইন লৌসীন্‌বদী ঐথোইগী চত্‌নবী পান্‌দম্‌দ য়াম্‌ন অকাইব লৈ। ৱাফম্‌ অসী লাইরীক্‌কী মতাঙ্‌, মতাঙ্‌দ নৈনজরী। মসীন তাক্‌পদী লাইরীক, অসীমতং পাইরগ লোন্‌গী চাওরাক্‌প সক্‌তম্‌, ইয়েক্‌কী ৱাফম্‌ মরুওইন মীতৈ লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌কী মসাগী তোপ্‌তোপ্‌প সক্‌তম্‌ ময়াম্‌ অসীবু পুনন থংব তম্‌ননব মীতৈ ৱাহৈদ—'পাইরে খুদাপ, ফা, সন্‌দোক্‌লে সয়া সন' হাইবগী মওংদ মচী ওইব, মচং ওইবমখৈতং খন্‌গত্‌তুন স্থপ্‌চীন্‌ব মওংদ ইরগ ফোঙ্‌দোক্‌চবনী। মমীনবু হোত্‌নজমন্‌গী মহৈ খরদং ফংজরবদী মতুঙ্‌দদী তোখাই-তোখাই, অমদী সন্‌দোকন লাইরীক্‌ কয়া ফোঙ্‌দোক্‌নবগী পান্‌দম্‌ থম্‌জরী।

লাইরীক, অসী বংগলা ময়েক্‌ন ইজরবস্থ বনান্‌গী মতাঙ্‌দদী মনীপুর সরকারন সক্‌খংলব No. 1/2/78-SS/E dated Imphal the 16th April '80 গী মীতৈ ইয়েক, ২৭, লোনস্থম ৮, চৈতপ ইয়েক্‌ ৮ অহুমক্ত য়ুম্‌ফম, ওইরগ ইজব মরমন্‌ অতৈ বংগলা ময়েক্‌ন ইব লাইরীক্‌সীঙ্‌গী বনান্‌-সীঙ্‌গ মান্‌নদব কয়া য়াওব মসাগী তোপ্‌তোপ্‌প বনান, অম লৈজে। মসী ঐন পাম্‌জব বনান, অম হেক্‌ত ইসীন্‌জব নত্‌তে। মসাগী ময়েক্‌ন তাজব হাইবদী মীতৈ ইয়েক্‌ত লৈতব ময়েক্‌মখৈবু সীজীন্‌-নদব, মাঙ্‌লম্‌চত্‌ত চত্‌নজরম্‌ব বনান্‌গী মওংনী খংবীগনী।

লোন, অমগী বনান, ইব হাইবসী লোন, মসা মসাগী লৈজব ময়েক, অমদী লোন, মসাগী লৈজরীব খোন্‌থোক্‌লোন, অহুগ চানব মসান তাজব অকক্‌নব পান্‌দম, লৈজরনী। মীগী চত্‌নবী পুসীল্লুবদগী মরুওইন বংগলা ময়েক্‌ন বনান, ইবদ মথোইগী ময়েক, য়াম্‌মন্‌থীহন চুঙ্‌সীন্‌নফম, খংদহন ঐথোইরোম্‌দ খোন্‌থোক, লৈতব ময়েক্‌পুস্থ সীজীন্‌ননব হোত্‌নব অসী অঙক্‌প মওং অমনী। মীসীদী খোন্‌থোক, য়াম্‌ন নক্‌নব ময়েক, য়াম্‌ন লৈ মহু ঐথোইরোম্‌দদী অমন অহুম, মহুত্‌সীন্‌ব য়াব ময়েক, য়াম্‌ন লৈ। চৈতপ্‌কী মতাঙ্‌দস্থ অসী মঙাই। মথোইগী ময়েক্‌সীঙ্‌ অমদী চৈতপ্‌সীঙ্‌ ময়াম অহুগী খোন্‌থোক্‌সীঙ্‌ অহু য়াদ-ঙৌদ; কোক্‌ত-খৌরীদ; নাতোন্‌-নাকোঙ্‌দ; চীন্‌বান্‌-লৈদ করীদ সোক্‌প থেঙ্‌ব-হাইবগী মসাগী মতাইফদব চত্‌নজব লৈজে। মথোইসীঙ্‌ [illegible] লোইনমক, ঐথোইরোম্‌দ পুসীল্লক্‌তুন লৈ কোন্‌ব, নাতোন্‌-নাকোঙ, খোঙ্‌হুন ওংহন ঙাঙ্‌ননব হোত্‌নগদব নত্‌তে হাইবসী কাউনমুদী। অস্থম্‌ন বনান্‌দ করীদ মীগী চত্‌নবী পুসীল্লক্‌প অসী য়াম্‌ন চুম্‌দব থবক্‌নী খংবীগনী।

লাইরীক, অসী ইজবগী মরুওইব পান্‌দম্‌দী মনীপুরী হাইন খংনরীব মীতৈলোন, অসী ভারত, লৈঙাক্‌লোন্‌গী মীপাল্লুব ভাঙ্‌ফক্‌ত চনসীল্লব কাউবদ লোন, অসোগী ময়েক, মীতৈ ইয়েক, অসী

মরী লৈনদবদৌন থৌ-রা ইসা সানলব, মীতৈ ইয়েক, পুথোক্‌লব, সয়কাবুনসু সক্‌থংলে হাইহুন গেজেত্‌ত ফোঙ্‌থরব লোইনন তরুক্‌সুব ক্লাস্‌ত তম্‌ব হৌহন্‌থরব অসীবু ইন্‌থোক্‌তুন থম্‌লগ ইয়েক্‌ লৈজ-দবগুম্‌, বংগলা ময়েক্‌পু ইয়েক্‌নী হাইকবদ মীগী মমাঙ্‌দ চোপ্‌প কয়া নংলব ফাউবদ ইকাইবসু থংনদব অহোইনন স্‌কুল্‌-কলেজশীঙ্‌দ বংগলা ময়েক, অহুম, সীজীন্‌নহুন লৈব, মনীপুরী (মীতৈলোন্‌) অসীদ এম, এ, প্লাস্‌ ভোরব ফাউবদ মীতৈ ময়েক্‌ থংদবন অয়াম্‌ব ওইব ……। বংগলা ময়েক্‌পু মীতৈ ইয়েক্‌ন সীন্‌দোক্‌পগী মহুত্‌ত মীরা চানহুন নাকোইনন ইরেক, অসী সৌগত্‌প সায়গ মসী চত্‌হন্‌থীদনব অমগ অমগ ঐথোই মসেল্‌ খত্‌নহন্‌হুন মসান অহুম, য়েত্‌নহুন লৈননব সরৌ সীন্‌বগুম, ভৌব মওং কয়া অসীবু থরদংত ওটয়বসু কোক্‌হন্‌ব ঙম্‌গদয় থন্‌জহন লাইরীক, অসী ফোঙ জবনী। থং-হৈহুন ফোঙ্‌ব নত্‌চদে। লাইরীক, অসীবু উরগ হেন্‌ন ফব লাইরীক, কয়া পুথোক্‌পীরক্‌নব সীঙেন্‌ লৈহন্‌ তম্‌জবনী।

অনীসুব মরুওইব পান্‌দম্‌ অমন য়াম্‌দয়বদ মীতৈলোন্‌গীসু মসাগী ওইব অথন্‌নব লৈ পুরেঙ, অমওং লেঙ্‌হুন …… মীতৈলোন্‌ হাইব লৈরাঙ, পাম্‌বী অম ভারত্‌কী লৈকোন্‌নুঙ্‌দ থাগদবনী। মসীন ভোথাই লৈগদব নত্‌তে ভারত, লৈকোন্‌গী ফজব হেন্‌গত্‌হন্‌গদবনী। লৈকোন্‌ অসীদ কুচু সেঙ্‌দব ফুরাউনব, অরাঙ্‌ব মচুগী পাম্‌বী থাগদব নত্‌তে, মচু সেঙ্‌ব পীক্‌লবসু চম্‌পরা মতীক লৈব হৈনী হাইবগুম, পীক্‌ন মঙান, চাউন লৈজব মসাগী লোন্‌ অমসু ময়েক, লৈজব মীতৈ হাইব ফুরুপ, অম ভারত্‌ত লৈ হাইবসী সক্‌তাক্‌কদবনী। নত্‌তরবদী মীতৈলোন্‌বু ভারত, লৈঙাক্‌লোন্‌গী নীপান্‌সুব ভাঙ্‌কক্‌ত চল্‌হন্‌নব রান করীগী হোত্‌নরীবনো! নত্‌তরবদী ভারত্‌কী কৈথেল্‌সীঙ্‌দ পুথোক্‌পীরগ ইরোল, অসীবু মসক্‌-মচু লৈতব, সাগৈ-সলাই থংদব, ময়েক্‌-মসোন্‌, চত্‌নলোন, পথাপ্‌ লৈজদব অম তাহন্‌হুন মীমাঙ্‌দ থোঙ্‌গোইনবীগে থৌরাঙ্‌বীবরা! ইসাগী ইরোন্‌বু, ইসাগী ইয়েক্‌পু ইসান চাউ-খত্‌হন্‌নব হোত্‌নদয়গ কনা লাক্‌তুন হোত্‌নবীরগনী! ঐসু সেন্‌ভান, লম্‌বীগী লাইরীক, কয়া ইব য়াই অহুবু মীতৈ অম ওইন ঐথোইগী রাত্‌লীব অসী হান্‌ন মেন্‌খত্‌পন চুম্‌গনী, মসী ইথৌনী থন্‌হুন লাইরীক, অসী ফোঙ্‌জবনী। থং-হৈহুন ফোঙ্‌ব নত্‌চদে। লাইরীক্‌ অসীবু উরগ হেন্‌ন ফব লাই-রীক, কয়া পুথোক্‌পীরক্‌নবনী হাইজরীব অসীনী।

মহৌসান লম্‌য়ান্‌ব হাইব অসী খুদোঙ, থীব থরদী নংই হাইনবগুম্‌ লোন্‌দ, ময়েক্‌ত লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌কী মতাঙ্‌দ লোইনন বনান্‌গী মতাঙ, কয়াদ অরী-অনৌ অনীগী লাঙ্‌তাই ওইব লাইরীক, ওইবন অনৌব-মসাগী ফীরেপ, লৌরক্‌পদ মীয়াম্‌দ ওইওইনব ওইন থোক্‌প, অইবদসু চানব চুঙ্‌সীন্‌নব হোত্‌-নবদ অরাব অম ওইব থয় ইয়েত্ত, য়েত্‌নব অসীগী মথক্‌ত পুরুপ, কক্‌পদ রাত্‌হৌব থয়সু অহুম, য়াউখয়ে। মথংগী খুত নম্‌লদী মীয়াম্‌ব ভাক্‌পীরক্‌প পাউতাক্‌ থয়গ লোইনন অয়ান্‌-অহুই পুম্‌নমক, চুম্‌থোক্‌চনব য়াথং নীজরী। অয়োল্‌-অয়াল, পুম্‌নমক, ঙাক্‌পীগনী নীঙ্‌থৈ।

চৈচত্‌ ১-৫-১৯৯৩ ইং
কালেন্‌ ১০, পাল্‌চা কুম্‌সীঙ্‌ ৩৩৯০

নোজুক্‌চরীব—
অকোইজাম্‌ব নাবেন্‌

য়াউকম্ তাকুপ

—□—

ওন্নখীব চুম্থোক্প

লামাই	নম্থরব		ওইগদব
৪	আসত্রীক্	—	আস্তরীক্ (আস্ত্রীক্)
৪	অসত্রেলীয়াগী	—	অস্তরেলীয়াগী (অস্ট্রেলিয়াগী)
৭	ভাপ্	—	রাখল্
৭	মীতৈরোন্	—	মীহৌলোন্
১০	চাব	—	চ+আ+ব+(অ)
১১	[illegible]	—	[illegible]
১৪	[illegible]	—	[illegible]
২২	লৌগম্নী	—	লৌগনী
২৩	তমলোই	—	তপ্লোই
২৫	৪০	—	৭০
২৯	ইঙা	—	ইঙেন্
৩২	Wine	—	Wind
৩২	(মখাগী) ৪	—	৮
৩৩/১	ময়েঙ্সীঙ্	—	ময়েক্সীঙ্
৩৩/১	বংগালা	—	বংগলা
৩৩	মাচত্সীঙ	—	মচেত্সীঙ্
৩৩	মফক্	—	তফক্ (ত+ফ+ক্)
৩৩	Mix	—	Mixed
৩৪	লাই-লেল্	—	লাই-লেন্
৩৬	পামমৈ	—	পাম্জৈ
৩৯	পাব্বী	—	পাম্বী
৪০	মতীক্ ময়াই ভাক্প	—	মীঙ্তাক্কী সক্ওং তাক্প
৪১/৪২	Kind	—	Kinds
৪২	মসী, মহু	—	অসী, অহু
৪৭	Kind	—	Kinds
৫০	মখাপোন্ব	—	মরুওইব
৫১	ভেঙ্বাঙ্ব	—	মরুওইব

—☆—

(অহানবা তাঙ্‌,কক্‌)

লোন্‌ অমসুং মাগী সাগৈ-সনাই

লোন্‌ (LANGUAGE)

মীওইব কাঙ্‌লুপ্‌,ন মসা-মসাগী পুক্‌নিঙ্‌,গী ইহল্‌সিং অমসুং অতোপ্‌,প অমগী মফম্‌দ চীন,ন তাঙ্‌,চ্‌ন নত,ত্রগ করীগুম্‌ব পাম্‌বৈ অমগী মতেঙ্‌,ন ফোঙ্‌দোক্‌লীব অদুবু লোন্‌ হাইন কৌই।

লোন্‌গী মথল্‌

(১)	(২)	(৩)
মখোন্‌ থোক্‌ন তাঙ্‌,ব (ঐখোইন তাঙ্‌,নরীব লোন্‌সিং)	খোন্‌ থোক্‌ রাউদব (মীত,ন ওক্‌ন, খুত,ন ফোঙ্‌দোক্‌প)	অইব লোন্‌ (ইকুম ফোঙ্‌দোক্‌প)

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ (GRAMMAR)

করীগুম্‌ব লোন্‌ (লোল্‌) অমগী অচুম্‌-অরান্‌, লোন্‌ অদুদ সীজীন্‌নরীব রারাসিং, রাহৈ পরেঙ্‌সিংগী মসক্‌-মওং, লোইনন সীজীন্‌নবগী অচুম্‌-অরান্‌গী রাকম্‌ অদু তাকই। অদুম্‌নদী ওইরগ রারাসিং অসুং কম্‌দৌন কদাইদগী লাক্‌পনো করী কম্‌দৌন ওইরক্‌পনো হাইব অদুগী পাউখুম্‌ পীদে, মদুগী মরম্‌দ নৈনদে। মসু নৈনবদী লোন্‌মীত্‌কী থবক্‌নী।

লোন্‌চত্‌-পথাপ্‌ অসী চত্‌নলোন্‌গী মখা পোল্‌লী, হাইবসী রাহন্‌থোক্‌তী লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌,ন পাম্‌ব মতুঙ্‌ইন্‌ন চত্‌নলোন্‌বু হোঙ্‌দোক্‌ হোঙ্‌জীন্‌ তৌব ঙম্‌দে। মরম্‌ অসীন অকক্‌নব পান্‌দম্‌ লাক্‌সীন্‌ব রাদব হাইব রাকম্‌ কয়া লাকই।

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌কী নৈনকম্‌

(১)	(২)	(৩)
ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনব (Orthography)	রারাগী মরম্‌দ নৈনব (Etymology)	রাহৈ পরেঙ্‌গী মরম্‌দ নৈনব (Syntex)

লোন্‌মীত্‌—(LINGUISTIC)

করীগুম্‌ব লোন্‌ অমগী মচাক্‌-মচল্‌, লৈরীব রারাসিং অসুং করমন কদাইদগী কম্‌দৌন ওইরক্‌পনো করীগী ওইরক্‌পনো হাইব অসুং মচা খাইন তাক্‌প অদুবু লোন্‌মীত্‌ কৌই। মহাক্‌ন লোন্‌ অদুগী ওইরম্‌ব অমদী ওইরক্‌লীবগী মরম্‌ লোইনন মাগী পুরারীগী মরম্‌দ ফাদোক্‌ন নৈনৈ।

লোন্‌গী হৌরক্‌ফম্‌, সাগত্‌লক্‌প-সেম্‌গত্‌লক্‌পগী সক্‌ওঙ্‌সীঙ্‌ চাউখত্‌লক্‌লীব সক্‌লোন্‌ লোইনন লোন্‌থৈ কয়া পোক্‌লক্‌লীব, অনৌ-অনৌব লোন্‌পোক্‌ কয়া লোন্‌ অমগ অতোপ্‌প লোন্‌ অমগ চাঙ্‌তম্‌নহুন নৈনব থীলেন্‌ অহুবু লোন্‌মীত্‌ হাইন কৌই।

লোন্‌মীত্‌কী মরুওইব নৈনফম্‌—(১)

(১) খোন্‌থোক্‌লোন্‌ (Phonology)

(২) রা-রারা নৈনলোন্‌ (Morphology)

(৩) বাহৈ পরেঙ্‌ নৈনলোন্‌ (Syntex)

(৪) বাহন্‌থোক্‌ নৈনলোন্‌ (Semantics)

অতৈ নৈনফম্‌ খর—(২)

(৫) লোন্‌গী হৌরক্‌ফম্‌—(Origine of Language)

(৬) লোন্‌গী সাগৈ সলাই—(Group of Language)

(৭) লোন্‌গী পাক্‌ সনব্‌ ফীবম্‌—(Linguistic Geography)

(৮) ময়েক্‌—(Script)

লোন্‌গী কাঙ্‌লুপ্‌ অমসুং মাগী সাগৈ-সলাই

লোন্‌গী মসীঙ্‌ থীব কাঙ্‌বুসীঙ্‌ন মালেম্‌ অপুম্‌ব অসীদ লৈরীব লোল্‌সীঙ্‌গী মসীঙ্‌ অসী চাউরাক্‌ন ২৭৯৬ লোম্‌ সুই হাইন হৈরী। মসীদ অমুক্‌ লোন্‌পোক্‌, লোন্‌থৈ কয়াদগী অনৌব লোন্‌ মচা-মচাসীঙ্‌ পুল্‌লপ্‌ন পুন্‌সীল্‌লবদী ৩০০০ লোম্‌ সুমম্‌ব রাই হাইন থাজনৈ।

লোন্‌সীঙ্‌ অসী লৈমাইগী ফীবম্‌ য়েঙ্‌লগ সরুক্‌ মরী থোক্‌ন খাইদোক্‌ই। মসীদী :—

(১) য়ুরেসীয়াগী কাঙ্‌লুপ্‌

(২) অফ্রীকাগী কাঙ্‌লুপ্‌

(৩) প্রসান্‌ত মহাসাগর্‌গী কাঙ্‌লুপ্‌

(৪) আমেরীকাগী কাঙ্‌লুপ্‌।

(১) য়ুরেসীয়াগী কাঙ্‌লুপ্‌

খা-য়ুরোপ্‌ অমসুং এসীয়াগী লম্‌সীঙ্‌দ ঙাঙ্‌নব লোন্‌সীঙ্‌নী। কাঙ্‌লুপ্‌ অসীদ সাগৈ তরেত্‌, অমসুং সাগৈ লেপ্‌তরীব লোন্‌ খরসু লৈ।

১। সেমীতীক্‌ সাগৈ—সাগৈ অসী এসীয়াগী খা-নোঙ্‌চুপ্‌ অমসুং অবাঙ্‌ অফ্রীকাগী মফম্‌সীঙ্‌দ ঙাঙ্‌নৈ।

২। কাকেসস্‌ সাগৈ—সাগৈ অসী রেক্‌ সী-দগী কাসপীয়ন্‌ সী-গী মরক্‌ কাকেসস্‌ চীঙ্‌দ ভাব মীসীঙ্‌ন ঙাঙ্‌নৈ। সাগৈ অসী চীঙ্‌গী লম্‌দম্‌গী লোন্‌ ওইবন লোন্‌থৈ কয়ামরম্‌ লৈ। সাগৈ অসীগী মরুওইব লোন্‌দী নাখজীয়ন্‌ হাইবসীনী।

খুপ.চীল্লবা মীতৈ লোন্মীত, অমসু লোন্চত,-পথাপ,

(৩) য়ুরল্-অল্তাই সাগৈ—সাগৈ অসী য়ুরোপ.কী য়ুরল, অল,তাই কীন্লেন্, আরতীক্ ওক্সন্, মেদীতরনেল, সীদগী নোরত, সী ফাউবগী মীসীঙ,ন ভাঙ,নৈ।

(৪) চীন্ সাগৈ—সাগৈ অসী মরওইন চীন্, তীবত,, বর্মা, স্যাম্, কংলৈপাক, (মনীপুর) অসাম্গী মফম্সীঙ,দ ভাঙ,নৈ।

চীন্ সাগৈ-সলাই অসীদ ঐখোইগী মীতৈলোন্ অসী য়াউই।

(১) — চীন,—
- মন,দারীন,
- ফুকীনী
- কৈন,তনী
- হক্কা

(২) — অনামী—
- তোকীনী
- কোচীন,-চীন,
- কম্বোদীয়া

(৩) — স্যামী—
- স্যামী
- সান,
- অহোম্
- সরোম্তী

চীন্ সাগৈ-সলাই —

(৪) — তীবত,-বর্মা—
- তীবত,—
  - তীবতী
  - হীমালয়ী
- বর্মা-অসামী—
  - বোদো
  - নাগা
  - কচীন,
  - বর্মা
  - লোলো

(৫) — কংলৈ-চীন,—
- মীতৈ লোন,
- নাগা-কুকী লোন,-
  - তাঁঙ,খুল্-নাগা লোন্
  - কবুই লোন,
  - পাইতে লোন,
  - 'মার্ লোন,
  - মরীঙ, লোন,
  - কুকী লোন,
  - অতৈ-অতৈ

চীন্ সাগৈ-সলাই অসী হীনদী লোন্‌দ "একাক্‌সর পরীবার" হাইনস্থ খংনৈ। সাগৈ-সলাই অসীগী খ্বাইদগী মরুওইব লোন্ অসী চীন্ লোন্ ওইবনা চীন্ সাগৈ-সলাই হাইনৈ। সাগৈ অসী ইন্‌দো-য়ুরোপীয়ন্ সাগৈগী মথংদ খ্বাইদগী মসীঙ, য়াম্‌ন ঙাঙ.নৈ।

মালেম্ অপুম্‌বদ ঙাঙ.নরীব লোন্‌সীঙ, অসী অয়াম্‌বন চৈতপ.ন মপুঙ, ওইব মীয়োন্‌দ হাইরগ 'জোগাত্মক্' ওইবনী অদুবু চীন্ সাগৈগী লোন্‌সীঙ, অসীদী চৈতপ, য়াউদন বাহন্‌থোক্ কন্না পীবা মীয়োন.দ হাইরগ 'অজোগাদমক্' ওইব লোন.সীঙনী।

মতুদী :—চৈতপ, য়াউদব —ঐ চাক্ চাই।
চৈতপ, য়াউব —ঐনা চাক.তু চাই।

মথক.কী অসীদ চৈতপ, য়াউদব লোন, অসীন চুম্‌ব, কন্নবা হেল্‌লী অদুম্ ওইনমক. হৌজীক.কী মতম্‌দদী লোন, অতৈগী তেম্‌থেঙ.দগী চীন. লোন, নত.তন অতে লোন.সীঙ.দী চৈতপ, য়াম্‌ন সীজীন.-নরে। করীগুম্‌বদ চৈতপ, য়াউদয়বদী রাহন.থোক. মুঙ.ঙাইতবগুম্ নাকোইনবগুম্ তৌরে।

মতুদী :—কনানা কনাদা করীগী বাহু হাইরীবনো ?

অসীগুম্‌ব ময়াম্ অসীদগী অথং-অহৈসীঙ.ন পুথোক.পীরক.পদ খর চনৈনব, চয়েত.নব লৈরে। মথোইন হাইরী মীতৈলোন, অসী "তীবেতো-বর্মন." (তীবত.-বর্মা) গী সাগৈ মনুঙ, চল্‌লী। মতাঙ, অসীদ রাজেত.নীঙাই ওইরীবদী বর্মাদগী কংলৈপাক, অসীন থুন.দা-লৈতাব হাল.লী লোইনন তীবত.তগীস্থ য়াম্‌ন হাল.লী হাইবসী লৈসেম্‌লোন্, থুন.দা-লৈতারোল্ পুরান কন্না তাক.লী। তীবেতো বর্মন. সাগৈগী লোন, অসীন চীন. লোন.গ হেন.ন নক.সীন.নৈ হাইরবস্থ মথোই অসী থোরক.তরীঙৈ মতম্‌দ মীতৈলোন.গ কংলৈ-চীন.গ হান.ন মরী লৈরম্‌লে। কোন.ন তীবেতো-বর্মন. হাইব সাগৈ অম চোঙ.-থোক.চরবস্থ মীতৈলোন.দী কংলৈ-চীন. সাগৈগী লোন, ওইদুন লৈরম্‌লবনী।

৫। দ্রাবীর (তামীল.) গী সাগৈ :—সাগৈ অসী খা-ভারত.কী মকম্‌সীঙ.; অরাঙ, লংকা, বেলু-চীসতান., ময়াই অমস্থ অরাঙ, ভারত.কী মকম, খরদ ঙাঙ.নৈ।

৬। আস্ত্রীক. (খা-খংবগী) কী সাগৈ :—সাগৈ অসী অসত্রেলীয়াগী মকম্ খর, পেসীফীক, ওক.সন.গী ইথত, খর, স্যাম., বর্মা অসম.গী চীঙ.গী লম.সীঙ, খরদ ঙাঙ.নৈ।

৭। ইন.দো য়ুরোপ.কী সাগৈ :—সাগৈ অসী য়ুরোপ, অমস্থ ভারত.কী মকম.সীঙদ ঙাঙ.নৈ।

সাগৈ লেপ.তরীব লোন.সীঙ, :—সুমেরীয়ন্, বাক্‌স, কোরীয়াই, জপানী অসীনচীঙব লোন্‌সীঙ.গীদী সাগৈ লেপ.তরী।

(২) অফরীকা (অফ্রীকা) গী কাঙ.লুপ.

কাঙ.লুপ, অসীদ সাগৈ মঙা লৈ :—

১। বুশমেন.গী সাগৈ—সাগৈ অসী খা-অফরীকা ওরেন.জ তুরেন., নপামী পাত, কাউবগী মরুঙ.দ ঙাঙ.নৈ।

২। বন.তুগী সাগৈ—সাগৈ অসী মরাই থংব অফরীকা, খা-অফরীকাগী অচৌব শরক.ত ঙাঙ.নৈ।

৩। সুদান্গী সাগৈ—সাগৈ অসী অবাঙ, অফ্রীকা, খা-অফ্রীকাগী অতৈ মফম্ খরদ ডাঙনৈ।

৪। হৈমেত্তীক্কী সাগৈ—সাগৈ অসী অরাঙ, অফ্রীকাগী মফম্ পুম্নমক্ত সন্দোক্ন লৈ। ময়াই-থংব অমদী খা-অফ্রীকা কাউব সন্দোক্ই।

৫। সেমীতীক্কী সাগৈ—সাগৈ অসী মোরোক্কোদগী সুয়েজ কেনেন্ ফাউব সন্দোক্ই। মসী এসীয়াদ মপুঙ, ওইন ডাঙ,নৈ অদুন য়ুরেসীয়াগী কাঙ,লুপ,ত য়েঙ,বীদু।

(৩) পরসান্ত মহাসাগরগী কাঙ,লুপ,

কাঙ,লুপ, অসীদ সাগৈ মঙা লৈ :—

(১) ইন্দোনেসীয়ন্ (মালায়ন্) গী সাগৈ—সাগৈ অসী মালই ইথত, মপৈ সুমাত্রাগী সরুক্ খর, বোনীয়োগী মপান্দ ডাঙ,নৈ।

(২) মালেনীসীয়ান্গী সাগৈ—সাগৈ অসী ফীজীনচীঙ,ব ইথত, মচা মচাসীঙ,দ ডাঙ,নৈ।

(৩) পালীনেসীয়ান্গী সাগৈ—সাগৈ অসী মালেনেসীয়ান,গী খা-নোঙ,পোক্ত ডাঙ,নৈ।

(৪) পাপুআগী সাগৈ—সাগৈ অসী নিয়ুগুইনীয়াগী অপীক্-অপীক্প ইথত,সীঙ,দ ডাঙ,নৈ।

(৫) অসত্রেলীয়াগী সাগৈ—সাগৈ অসী অসত্রেলীয়া অমসু তম্সেনীয়াদ ডাঙ,নৈ।

(৪) আমেরীকাগী কাঙ,লুপ,

কাঙ,লুপ, অসীদ চাউরাক্ন সাগৈ খর লৈ। সাগৈ লেপ,প ঙম্দরীব লোন, খয়সু লৈ।

(১) এস,কীমোগী সাগৈ—সাগৈ অসী এস,কীমোসীঙ,ন ডাঙ,নৈ।

(২) কনাদাগী সাগৈ—সাগৈ অসী কানাদাদ লৈব মীসীঙ,ন ডাঙ,নৈ।

(৩) ময়াইথংব আমেরীকাগী সাগৈ—সাগৈ অসী ময়াইথংব আমেরীকাদ ডাঙ,নৈ।

(৪) মেক্সীকোগী সাগৈ—সাগৈ অসী মেক্সীকোগী লম্সীঙ,দ ডাঙ,নৈ।

(৫) খা-আমেরীকাগী সাগৈ—সাগৈ অসী খা-আমেরীকাগী মফম্সীঙ,দ ডাঙ,নৈ।

কাঙ,লুপ, অসীদ লোন,গী সাগৈ কুন,মুক্, লোন, মসীঙ,ন চামরীমুক, লৈ হাইরী। হৌজীক, থীজীল্লীবন অয়েপ,প হাইব ঙম্জদরী।


<u>নীঙ,সীঙ,জব</u> :—মথক,কী লোন,গী কাঙ,লুপ, মরীগী সাগৈ কুন,নীথোই অসীগী সলাই কয়ামুক, থাইদুন লৈরী। মথোইসীঙ অদু মতাঙ, চাদবন মফম্ অসীদ নৈনজদয়ে।

মীতৈলোন,গী মখল্

মীতৈলোন, অসী মনীপুর অপুম্বগী কাঙ,লুপ,, কুরূপ, পুম্নমক,কী লাঙ,তাই ওইব লোন, অমনী হাইদুন মনীপুরী হাইন সক,থলী। কুপ,ন নৈনয়বদী মসী মনীপুরদ লৈব্রীব কাঙ,লুপ, পুম্নমক,কী ওইব লোন, ওইদব, মীতৈগী লোন, ওইগনীন মীতৈলোন্, কৌগনী।

মীতৈগী অথাং-মহৈসোঙ্‌না অকনব রাকম্‌ অম হাইরবা মতুংদা :—তমদ লৈরীব ঐখোই অসী তম্‌মীনী, চীঙ্‌দ লৈরীব মনোহাইসী চীঙ্‌মীনী, চীঙ্‌মী-তম্‌মীগী অপুন্‌ব মমীঙ্‌ 'মীতৈ' কৌই। মতাঙ্‌, চাদবন রাকম্‌ অসী নৈনজদরে।

মীতৈলোন্‌গী মখল্‌



(১) ইমুঙ্‌লোন্‌ :—লোন্‌ অসী য়েল্‌হৌতৈজগী সাগোন্‌নরক্‌লব মুঙ্‌-পাল্‌ অনীমক্‌কী রাহন্‌লোন্‌ লৈব মতীক্‌-ময়াই লৈব অরীব লোন্‌নী।

খুদম্‌ :—হয়ী মীঙথৈপু অভীঙ্‌কোক্‌, য়োইরেল্‌ পুদীল্‌ নঙম্‌ সাল্‌, চীঙ্‌উ নখোঙ্‌খাদ সয়ী লীত্‌ন পুনেম্‌জে।

(২) খুমুঙ্‌লোন্‌ :—খুঙ্‌গংদ মীয়াম্‌ন পাক্‌-সন্‌ন ঙাঙ্‌নরীব, খোলৈ-খোন্‌দা থর সেঙ্‌কাত্‌তব না-পু ভাব থর রাত্‌প, খোগল্‌লোন্‌ থর রাত্‌লব খুঙ্‌গংগী ওইব লোন্‌দানী।

খুদম্‌ :- হাই ইবুঙ্‌ঙো নপা লৈবয় হাই ; লৈতে করীগীনো ? কদাই চত্‌খরীজাত্‌নোনে ! নং থংবরাউ ?

(৩) চক্‌পলোন্‌ :—চক্‌প-কয়েঙ্‌, অন্দ্রোনচীঙ্‌র্‌ ফুরুপ, থরন ঙাঙ্‌নরীব লোন্‌দৈ অমনী। অসুম্‌ থৈথবীতুন অভোপ্‌প লোন্‌পোক্‌ ওন্‌থীব রাউতুন রাহন্‌থোক্‌ থংলব করাস্থ রাউই।

খুদম্‌ :— ইকাইখাঙ্‌, অমকা, খোঙ্‌নোই অমকা রাক্‌কী পীয়ো ইপা। হাইপা নপা সায়েত্তো ! নং ঙম্‌বরা হা ?

(৪) রাঙ্‌উলোন্‌ :—মসাগী ওইন মুঙ্‌গী ফজব রাহন্‌ লৈব, মপান্‌দ ইচম্‌ চম্‌বসু মান্‌ব, মীতোপ্‌ন পাবব ইচম্‌ চম্‌ব রাহন্‌ লৈব অহুগ বাগী ওইব মীদ অরুব পোমীত্‌, ভাক্‌প মতীক্‌, ময়াই লৈব লোন্‌নী।

খুদম্‌ :—উচী চী-চী থাঙ্‌মৈতভ্‌, থরুঙ্‌, মপান, খোসাব, সেঙ্‌তাক্‌, লাক্‌ই ফং।

উচম্‌ লৈম চংনীনুংলো, ফুঙ্‌সা লৈম খোরুক্‌লো,
হাউরবীগী ইঙ্‌খোল্‌দ নমীত্‌ পোলগত্‌, অম থনম্‌বনী
সান-ভাম সোক্‌কনী থা থা ভান্‌খোক্‌লো।

(৫) কংলৈলোন্ :—থাক্, খর যাওব কংলৈ ময়োল্.গী ওইব লোন্, (ওকীসীয়েল, ওইব লোন্) চত্.নলোন্, খৌগল্.লোন্, কজন য়াউরব কজব লোন্.বু কংলৈলোন্, হাইন কৌই।

খুদম্ :—ইনীঙ্.থৌবু ননাই ইপু সনা কলা কাজনক্.লে নীঙ্.থেম্ ইপু ইবুঙ্.ঙো লেঙ্.সীন্.বীসী খুদারোম্.দ।

(৬) চত্.নলোন্ :—কংলৈলোন্.দগীসু খর থৈথব, খুনুঙ্ লোন্.দগীসু থাক্, খর হাইগত্.লব ময়াই ওইরপ্.ন অমসু অমসু য়াননব লৈবাক্, অপুন্.বগী ওইব চত্.নলোন্, অদুবুনী।

খুদম্ :—হৌজীক্.কী মতম্, অসী য়াম্.নদী চাউখত্.লে হাইনৈ, অদুবু অমন অমবু লেত্.তুন চানরে, কদাইদ করম্, চাউখত্.লীবনো ভাগ্, তাদে।

(৭) খোরীলোন্ :—অথোত্-অনৌ, লৈসী-লৈথোন্.ব অমেঙ্.ব খোরীলোন্, (সাহীত্য) গী ওইব রায়েঙ্, সৈয়েঙ্.গী লোন্.দা-পুদা অদুবু খোরীলোন্ হাইন থংনৈ।

খুদম্ :—মালং সাহুম্, ফংবদ, ইথক্.ন জগোই সারক্.লে,
মুমীদাঙ্.বাইরম্, ওইরক্.লে, পাক্.প কোয়োহন্.বন চীঙ্.য়া তম্.য়া পাঙ্.থরে।

মীতৈলোন্.গী সাগৈ-সলাই ঃ

হৌজীক্, মীতৈলোন্, অসীগী মরম্.দ ইনয়ীব লাইয়ীক্.সীঙ্, অসী মীতৈলোন্ মসাগী ওইব সক্.তম্, মওঙ্-মতৌ অমদী খোন্.থোক্, ইরাই-ইনীল্, লোইনন লোন্, অসীগী পারী-পুরী, মসাগী মীতৈয়োন্, পুরারীনচীঙ্.বগী রাফম্, ইয়েঙ্, য়েঙ্.বীদন মীতৈলোন্, থংদব অতোপ্.প মীন হাইবগী রাফম্.দ যুম্.ফম্ ওইহুন নৈনরীবসী লাইবক্ থীবনী।

লৈবাক্ অসীগী অথং-অহৈনী হাইহুন লৈরীব ওঝাসীঙ্.ন দাক্.তর গ্রীয়ারসেল্.গী রাফম্.দ যুম্.ফম্ ওইহুন মীতৈলোন্ অসী 'তীবেতো বর্মন্' গী সাগৈ সলাইনী হাইন নৈনরী। নৈনরীব অসীদ লোন্ অসীগী মনুঙ্.গী ওইব রাফম্.দী থয়াইনন থম্.লগ 'তীবেতো বর্মন্' সাগৈগী অতৈ লোন্.সীঙ্.ন মপুঙ্ ওইন নৈনরী। অমরোম্.দ অমুক্ দাক্.তর ভোলানাথ তীৱারীগী মতুঙ্ ইন্.ন মীতৈলোন্ অসী হাইরীব তীবেতো বর্মন্ অসীগী মনুঙ্.দ লৈব কুকী-চীন্ হাইব মসা অমনী হাইহুন মপুঙ্ ওইন লৈরীব মীতৈ লোন্ অসী মচেত্ ওইন লৈরীব কুকী লোন্.গী লোন্.থৈ অম ওইহল্.লী। কুকী-চীন্ হাইরবদী য়াম্.নসু চাউরে। তীবেতো বর্মন্ হাইরবদী পীক্.পসু পীক্.ই। অপীক্.পদগী অচৌব থাইদোক্.প য়াব হৌনদে।

অমুক্.ত হন্.দানন থন্.বীসী—মীতৈ লোন্ অসী কুকী লোন্.গী লোন্.থৈ মসা অমনী হাইবসী কনানসু য়ানীঙ্.দে। কুকী লোন্ অসী মীতৈলোন্.গী লোন্.থৈ অমনী হাইবদী য়াই। অমুকসু য়েঙ্.সী তীবত্ হাইব অসী খুন্.দাব য়াম্.ন নৌরীবনী লোইনন বর্মাদগী ঐথোইগী কংলৈপাক্ অসীন খুন্.দা-লৈতাব য়াম্.ন হান্.বগী বারী-রাখোঙ্ কয়া মীহৌরোল্ পুরারীগী বারী রাখোঙ্ কয়ান তাক্.তুন লৈরী।

য়ান্.ন খুন্.দাহুন লৈরব মপুঙ্ কাব লৈবাক্ অমগী মসাগী তোঙান্.ব ময়েক্.সু লৈজরীব মপুঙ্ কাব লোন্ অমবু কোন্.ন খুন্.দারক্.প কাঙ্.লুপ্.কী মসাগী ময়েক্ কাউব লৈজদব লোন্, মচা অমগী লোন্.গী মসা অমনী হাইবসী য়াথল্ খল্.হৌবগী য়ানরবনী। অদোমী মচু ওইথোক্.তরে।

সম্‌ন হাইজবদ এসীয়াগী লম্‌দ য়াম্‌ন লীরব লৈবাক্‌ অসী চীন্‌ অসীনী। কংলৈপাক্‌ অসীসু য়াম্‌ন লীরব লৈবাক্‌নী হাইবসীসু পুয়ান হাইবদ নত্‌তন অথং-অহেসৌঙ্‌ন থেবু চীঙ্‌নচীঙ্‌বগী লৈবাক্‌ অসী কয়াম্‌ লীরবগে হাইহুন চাঙ্‌য়েঙ্‌ তৌবদগীসু য়ানখয়ে। নক্‌ন-নক্‌নব লৈবাক্‌ মসেন্‌ অসী লোন্‌দ, ময়েক্‌ত কয়ীদ থয় থয় মান্‌নব মতৌ লৌনব-হাইবসী ছৌনবনী। কংলৈপাক্‌ অসীদী মমাঙ্‌ঙৈদ নোঙ্‌পোক্‌ লম্‌দম্‌গ ময়ী লৈনয়ক্‌পনী নোঙ্‌চুপ্‌ লম্‌দম্‌গ ময়ী লৈনয়ক্‌পদী পংকুই কুইদরীবনী।

চীন্‌গী লোন্‌ অসী য়ায়া অমত্‌তদ খোন্‌থোক্‌ খেত্‌নবগী মতুঙ্‌ ইন্‌ন তোঙান্‌-তোঙান্‌ব রাহন্‌থোক্‌ কয়া লৈ মত্থদী :—‘তাও’ হাইবসী—লম্‌বী, ফীয়ান্‌, ঙক্‌সম, থক্‌থন রাহম্‌ ময়ী লৈ। মীতৈলোন্‌ অসীসু য়ায়া অমত্‌তদ খোন্‌থোক্‌ অরুম্‌ অয়াঙ্‌গী মতুঙ্‌ ইন্‌ন তোঙান্‌ তোঙান্‌ব রাহন্‌থোক্‌ থোকহল্‌লী মত্থদী—চাব—ইসীঙ্‌দ ভা চাব; চাব—ফী ইচা-চাথোক্‌প; চাব—চাক্‌ চাব।

চীন্‌গী লোন্‌ অসী চৈত্তপ্‌ সীজীন্‌নদবগুম্‌ মসা মথন্‌ত না-পু তাজে। ফম্‌ফম্‌ খেত্‌নবগী মতুঙ্‌ ইন্‌ন রাহন্‌থোক্‌ তোঙান্‌ তোঙান্‌হল্‌লী। মত্থদী—

হুআ পও মীন্‌—কন্‌বীরে নীঙ্‌থৌন মীয়াম্‌বু।
মীন্‌ পও হুআ—ময়াম্‌ন নীঙথৌবু কনবীরে।

মীতৈলোন্‌গীদী মমাঙ্‌ঙৈদদী চৈত্তপ্‌ কয়া য়াউরম্‌দ্‌বগী থুদম্‌ ফংই অত্থবু হৌজীক্‌তী ভারত্‌কী লোন্‌-সীঙ্‌গী তেম্‌থেঙ্‌দগী চৈত্তপ্‌ অসী য়াউবরোম্‌দ নক্‌সীল্‌লকলে। মত্থদি—

(ঐ চাক্‌ চাই; ঐ চাক্‌ চাব ওই) ঐনা চাক্‌তু চাই;

ময়েক্‌কী সক্‌তম্‌সু চীন্‌ লোন্‌গী ময়েক্‌ক খুত্‌ই মওঙ্‌ মান্‌নবগুম্‌ উই। ময়ম্‌সীঙ্‌ অসীন মথক্‌ত কুকী-চীন্‌ হাইবত্থগী মহুত্‌ত কংলৈ-চীন্‌ হাইহুন মীতৈলোন্‌ অসী কংলৈ-চীন সাগৈগী লোন্‌ অমনী। অত্থগ তীবেতো-বর্‌মন্‌ হাইব অত্থ কংলৈ-চীন্‌ সাগৈগী সলাই মচা অমনী অত্থগী মথক্‌ত কুকী-লোন্‌ অসী মীতৈলোন্‌গী লোন্‌থৈ মচা অমনী অত্থন কুকী-চীন্‌ হাইবগী মহুত্‌ত মীতৈলোন্‌ অসী কংলৈ-চীন্‌ সাগৈগী লোন্‌ অমনী হাইগনী।

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌কী থীলেল্‌ অহুম্‌

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌—

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ কদাইবু কৌই হাইবগী রায়োল্‌ অত্থ মমাঙ্‌গী রাহৌদোক্‌কী মতাঙ্‌দ লৈনখয়ে। মহৌসান লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ হাইব অসী থীলেল্‌ অহুম্‌গী পংথৌদ লৈনব ঙাক্‌তনী মত্থদী :—

লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ (GRAMMAR)

(১)	(২)	(৩)
রাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ (Orthography) (ময়েক্‌কী ময়ম্‌দ লৈনব)	রাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ (Etymology) (য়ায়াগী ময়ম্‌দ লৈনব)	রাহৈ কোলোই থীলেল্‌ (Syntex) (রাহৈ পয়েঙ্‌গী ময়ম্‌দ লৈনব)

১। ৱাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌

থীলেল্‌ অসী ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনবনী। ময়েক্‌কী মসক্‌ মওঙ, হৌরক্‌ফম্‌ অমদী পান্‌দ্রম্‌ তাক্‌প লোইনন খোন্‌থোক্‌লোন্‌ নৈনব, চৈসীঙ, ময়েক্‌সীঙ্গী মরম্‌দ ৱাঙউলোন্‌নচীঙ্‌ব নৈনহুন তাক্‌ই। ময়েক্‌ হাইবসী খোন্‌জেল্‌গী পীক্‌ল-পীক্‌লব মচেত্‌সীঙ্গী মসক্‌ লাক্‌তুন ৱা-ৱারাবু সেম্‌গত্‌-সাগত্‌পগী য়াম্‌ন মরুওইব তঙাইফদরব মচাক্‌ অমনী। ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু ৱাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ কৌই।

২। ৱাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌

থীলেল্‌ অসী ময়েক্‌ন সাগত্‌লক্‌তুন সেম্‌লক্‌প ৱারা অদুগী মরম্‌দ নৈনবনী। ৱারা হাইবগা অহে হাইবগ খেন্নব লৈ। ৱারা হাইবসী ইংগ্রেজীগী 'ৱার্দ' হাইব অদুনী ; ৱাহৈ ৱাহৈরসীদী ৱা হাইবদী ৱারা, হৈ হাইবদী মহৈ ৱাল্‌লব হাইবদী মহৈ ৱাল্‌লব ৱাকম্‌ অদুবু তাক্‌ই। অদুনদী মহৈ ৱাল্‌লব, মপুঙ ফাব ৱাহন্‌থোক্‌ লৈব অদুবু ৱাহৈ কৌই। মপুঙ ফাব ৱাহন্‌থোক্‌ লৈরবদী মদুবু ৱাহৈ-পরেঙ কৌই। অদুন ৱারা হাইবনী। হাইরীব ৱাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ অসীদ ৱারা সেম্‌ব, ৱারাগী মথল্‌, ৱারাগী তোঙান্‌ তোঙান্‌ব সক্‌লোন্‌ অমদী মথল্‌নচীঙ্‌বগী মরম্‌দ নৈনহুন ৱাহৈ পরেঙ, সাগত্‌নবগী তঙাইফদব মচাক্‌-মথল্‌ ওই। ৱারাগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু ৱাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ কৌই।

৩। ৱাহৈ কোন্‌লোই থীলেল্‌

থীলেল্‌ অসীদ ৱারা পরেঙ, লেঙসীন্‌হুন ৱাহৈ পরেঙ সেম্‌গত্‌পগী মরম্‌দ নৈনৈ। থীলেল্‌ অসীদ ৱাহৈ পরেঙগী মসক্‌-মওঙ, অমদী মথল্‌ লোইনন ৱাহৈ পরেঙ সাগত্‌প অমদী খুগাইহুন নৈনব চত্‌নফমলোন্‌গী অদুম্‌-অরান্‌ অমদী ৱারেঙগী ৱাহন্‌থোক্‌নচীঙ্‌বগী মরম্‌দ নৈনৈ। ৱাহৈ পরেঙগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু ৱাহৈ কোন্‌লোই থীলেল্‌ কৌই।

(১) ৱাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌
(ORTHOGRAPHY)

ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনব :—

ৱা—ৱারাগী ৱাকোক্‌ অসী খোন্‌জেল্‌গী, হাইবদী ৱাহন্‌থোক্‌তী খোন্‌জেল্‌ মচেত্‌ মচেত্‌ন পুন্‌সীল্‌লগ ৱারা সেম্‌ই। ৱাগী হৌরক্‌ফম্‌ ওইরীব ময়েক্‌কী হৌরক্‌ফম্‌, খোন্‌থোক্‌নচীঙ্‌বগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু ৱাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ কৌই। খোন্‌জেল্‌ মচেত্‌ মচেত্‌সীঙ্গী মসক্‌ লোইরীব ময়েক্‌ অদুগী মতেঙন ৱারা সেম্‌ই। মা অদুবু ময়েক্‌ হাইহুন ময়েক্‌ কৌই।

ময়েক্‌ হাইবদী খোন্‌জেল্‌গী পীক্‌ল-পীক্‌লব খোন্‌থোক্‌কী মসক্‌, মচেত্‌ মচেত্‌সীঙ্গী তোঙান্‌ তোঙান্‌লেব খুদম্‌সীঙ্‌নী।

মালেম অপুনবদা লৈরীব ময়েক্‌সীঙ্‌ অসী ময়েক্‌ অমদ খোন্‌জেল্‌গী খুদোঙ অমমম্‌ত লৈব কাঙলুপ্‌ অম অদুগ খুদোঙ অমদগী হেন্‌ন লৈব হাইহুন অসী থোক্‌ন থাইদোক্‌ই। খুদম্‌ ওইন হাইরবদ 'আ' হাইব ময়েক্‌ অসী হাইরোক্‌পক খোন্‌জেল্‌গী খুদোঙ অমমম্‌ত লৈ হাইবদী খোন্‌জেল্‌গী

খ,রাইদগী অতেন্সু সরুক্ অমত,তনী। 'ঐ' হাইব ময়েক, অসী অ+ই=ঐ হাইনাকপগা খোনজেল,গী খুজীঙ, অনী লৈ, হাইবদী খোনজেল,গী তাঙ,কক্ মচেত, অনী লৈ। অসুম্ন ময়েক্ হাইবসী কাঙ,লুপ, অনী সুই।

(১) খোনজেলগী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক্ (Alphabetic)
(২) খোনজেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেন্ব ময়েক্ (Syllabic)

খোনজেল্গী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক্ হাইবসী 'ক' হাইব ময়েক্ অসীদ (ক+অ) 'অ' গী খোনথোক্ য়াউদব; 'খ' হাইবসীদ (খ+অ) 'অ' গী খোনথোক্ য়াউদব হাইবনী। খুদম ওইন 'ই' হাইব ময়েক্ অসীগী খোনথোক্ত 'অ' শুম্ব খোন,থোক, য়াউদে, ইংগয়েজীদ হাইরপ ফোনীম্ অমত,তমক, লৈব ময়েক, হাইবনী।

ইংগয়েজী ময়েক, হাইন খংনরীব য়োমান, ময়েক, অমদী মীতৈ ময়েক, অনী অসী খোন,জেন,গী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক, ঙাক,তনী।

খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক, হাইবসী 'ঐ' হাইবসীদ অ+ই=ঐ; 'ক' হাইবসীদ ক+অ=ক হাইদুন খোন,জেল,গী খুজীঙ, অনী-অনী সুই। অসুম্ব ময়েক, কাঙ,লুপ,পু খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক কৌই। অরবী, ফারসী, বংগলা, গুজরাতী, উরীয়া, তামীল, অমদী তেলগু-নচীঙ,বগী ময়েক,সীঙ, অসী খোন,জেন,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক, ঙাক,তনী।

মীতৈ ময়েক,তী খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ওইবন বংগলা ময়েক,কুম্ব খোন,জেল,গী তাঙ,কক্ অমদগী হেন,ব ময়েক্সীঙ,গ চাঙ,দম্নদুন ইব অমসু তমক্ত চুঙ,সীনন্দব, খুদোঙ, চাদব য়াম্ন লৈ। অদুন মীতৈ ময়েক্ তম্ব মতম্দ ইংগয়েজী ময়েক,কা চাঙ,দম,নদুন তম্ব খুদোঙ, চাই।

খোন,থোক,লোন, হাইবদী ফোনোলোজীগী লৌসীঙ, লৈতব মীন ময়েক,কী মরম্দ নৈনবদী মওঙ, তাব ওম্দে, অহোইনন মহাক,ন খংলীব অদুগ মান,নদে হাইদুন মীগী ময়েক,পু মরাল, পীসীল,লী।

নীঙ,সীঙ,জব :—মীতৈলোন, অমসু মীতৈ ময়েক,কী থৌবুদী মীতৈন ওইগনী। অতোপ,পসীঙ,দগী লৌসীঙ, লৌবদী য়াই, অদুম, ওইনমক, মথোইবু মপু ওইহন,ব (হাইবদী মথোইবু ওথোয়ীতীনী হাইবদী) য়াদে।

মীতৈলোন,গী খোনজেল,গী খুজীঙ, পুথোক,প

খোন,জেল,গী খুজীঙ, (Phoneme)

রাহন,থোক, শীনবগী মচাক ওইব খোন,জেল,গী খরাইদগী পীক,লব মচেত, অদুবু খোন,জেল,গী খুজীঙ, কৌই। খুদম,:—চাব হাইব য়ারা অসীগী খরাইদগী পীক,লব খোন,জেল,গী খুজীঙ,দী চ+অ+ব+অ=চাব অসীনী মচেত, মচেত, থাইদোক,লীব অসীদগী অমুক, পীক,থহন,ব য়াদয়ে। অসীগুম,ব খোন,জেল,গী খ,রাইদগী পীক,লব সরুক,কী মহুত,সীন,ব শুরম, অসীবু মরুক, হাইবদা মা অদুবু য়েক,সীন,দুন অম,ই হাইদুন ময়েক,ন [illegible]নবতনী।

[illegible]জেল,গী পীক,প পীক,লব [illegible], মচেত,কী মহুত,সীন,ব খুদম, অদুবু ময়েক, কৌই।

অদুম, ওইনমক. ময়েক. হাইবগ খোনজেল.গী খুজীঙ. হাইবগ খেত.নব লৈ হাইবসী খুদম. মথক.ত উত.খরে। হাইবদী খোন.জেল.গী খুজীঙ. অমত.তমক. লৈব ময়েক.কী কাঙ.লুপ. অদুগ খোন.থোক.কী খুজীঙ. অমদগী হেন.ব কাঙ.লুপ. অদুগ অনী মথক.ত উত.খরে।

ইংগরেজীগী 'খ' লৈতে kh. না সাই; মসীদ 'k' ময়েক.নী. 'h' ময়েক.নী, kh. হাইব ময়েক. লৈতে; অমুক.সু 'র' হাইব ময়েক. অসী র+আ+ই=রাই, পাবদ খোন.জেল.গী খুজীঙ. অহুম লৈরে। অদুবু বনান্ তৌবদ লৌরীয়দী 'র' গী লোনসুমগুম্ খোনথোক.কী খ.রাইদগী পীক.প খুজীঙ. (phoneme) অদুতবু লোগনী অদুন 'করী' হাইববু কোরী হাইন পারোই. কক.চেঙ. হাইববু কোক.চেঙ. হাইন পারোই, অসুমন king হাইববু কেইঙ. হাইন পারোই কীঙ. হাইন পাগনী।

ময়েক. অমদ খোন.জেল.গী খুজীঙ. অমত.ত লৈবসু লৈ, অমদগী হেন.বসু লৈ হাইবসী মথক.ত উত.খরে; অদুন খোন.জেল.গী খুজীঙ. হাইবসীদী খোন.থোক. অদুগী খ.রাইদগী পীক.থব সরুক., অমুক. পীক.থন খোন.থোক. তৌনীঙ.ঙাই লৈতরব অদুবু খনৈ। ইংগরেজীদ মসীবু ফোনীম্ কৌই।

মীতৈ ইনুঙ.য়েক্ অমসুং খুনুঙ.য়েক্ পুথোক.প

নীঙ.সাগী ইচেল. অতীঙ.ব ইনুঙ.য়েক্ (Vowel)—৩

ꯑꯇꯤꯌꯥ—'ꯑ' (অ); ꯏ ꯂꯣꯟꯁꯕꯥ—'ꯏ' (ই); ꯎꯅꯥꯞ—'ꯎ' (উ)

অতৈ খোনথোক.কী খুজীঙ.সীঙ.দী 'অ' ইয়েক.ত চৈতপ., চৈনপ. তপ.সীনদুন অমদী মপ.সীনদুন পুথোক.ই মতুঙী অ+া=আ, অ+ে=এ, অ+ৈ=ঐ, অ+ো=ও, অ+ৌ=ঔ, অ+ং=অং অসুমন (অ), আ, (ই), (উ), এ, ঐ, ও, ঔ, অং মতীঙ.ব করা সেমব রাই অদুবু অ, ই, উ অহুম্ অসীতন পুথোক.প য়াব মরমন পোত.লুম্ হেনগত.নব অতৈ ইনুঙ.য়েক্ পুথোক.লুবগী মথৌ তাদে।

অদুন মীতৈ ময়েক.কী ইনুঙ.য়েক. অহুম্.তনী হাইন লৌগনী। মসীবু ইংগরেজীদ ভোয়েল. কৌই।

নীঙ.সাগী ইচেল. ভীঙ.দব মীতৈ খুনুঙ.য়েক. (Consonant)—২৪

ꯀꯣꯛ—ꯀ (ক);	ꯁꯝ—ꯁ (স);	ꯂꯥꯏ—ꯂ (ল);
ꯃꯤꯠ—ꯃ (ম);	ꯄꯥ—ꯄ (প);	ꯅꯥ—ꯅ (ন);
ꯆꯤꯜ—ꯆ (চ);	ꯇꯤꯜ—ꯇ (ত);	ꯐꯝ—ꯐ (ফ);
ꯉꯧ—ꯉ (ঙ);	ꯊꯧ—ꯊ (থ);	ꯔꯥꯏ—ꯔ (র);
ꯌꯥꯡ—ꯌ (য়);	ꯍꯨꯛ—ꯍ (হ);	ꯋꯥꯏ—ꯋ (ৱ);
ꯒꯣꯛ—ꯒ (গ);	ꯈꯧ—ꯈ (খ);	ꯕꯥ—ꯕ (ব);
ꯓꯝ—ꯓ (ঝ);	ꯖꯤꯜ—ꯖ (জ);	ꯗꯤꯜ—ꯗ (দ);
ꯘꯧ—ꯘ (ঘ);	ꯙꯧ—ꯙ (ধ);	ꯚꯝ—ꯚ (ভ);

মীতৈ ইয়েক.কী ইনুঙ.য়েক. অহুম, খুনুঙ.য়েক. কুলমরী পুন.ন ইয়েক. ২৭ লৈ। মখোইসীঙ. অসী খোন.জেল.গী খুজীঙ. অমম্.মম্.ত লৈব ফোনীম্ (Phoneme) ঙাক.তনী।

অরুম্-অয়াঙ.গী খুজীঙ.গী খুদম্ অহুম্ :—

মীতৈলোন্ অসী খোনথোক্ অয়াঙ.-অরুম্গী মতুঙ, ইন্‌ন বাহন.থোক, তোঙান, তোঙান, থোক্প লোন, অমনী। লোন, অসীগী খোন.থোক, অয়াঙ.ব অম, খোন.থোক্ অরুম.ব অম কয়ীগুম্‌ব.থন ময়াই ওইব খোন.থোক, অমগ পুন.ন খোন.থোক্ অহুম লৈ। মরুওইবদী খোন.থোক্ অয়াঙ.ব অমগ খোন.থোক্ অরুম.ব অমগ অনী অসীতনী।

যনান, চপ, মান.নব য়াব্রা অহ্ খোন.থোক, অয়াঙ.-অরুম.গী মতুঙ.ইন.ন বাহন.থোক, তোঙান, তোঙান, পীয়ী :—

(১) অয়াঙ.ব খোন.থোক, (/)	(২) ময়াইওইব খোন.থোক, (—)	(৩) অরুম.ব খোন.থোক, (.)
কা´ম্ব (নীঙ.সা কাম্ব)	কাম্ব (পোঙ.থত.প)	ক.াম্ব (লু-নান্দব)
চা´ব (ইসীঙ.দ ঙা চাব)	চাব (ইচা চাথোক.প)	চ.াব (চাক, চাব)
চু´ম্ব (খোইদব)	চুম.ব (লান্দব)	চু.ম.ব (ময়ীক্ চুম.ব)
তু´ম.ব (মসক, উদয়ব)	তুম.ব (মতোন, তুম.ব)	তু.ম.ব (মতুম, তাব)
পা´ন্ব (উঁহৈ পান.ব)	পান্ব (উচন, পান.সীন.ব)	প.ান.ব (মচু থোক্প)
ম´তোন, (মথক.কী মতোন,)	মতোন, (মথুরা)	ম.তোন, (ময়োন্ চোঙ.ব)
মী´ (ফক.লাঙ.দ লৈব মী)	মী (ইসাগী ইমী)	ম.ী (তাইবং মী)
ম´পান, (মপান, সাত.প)	মপান্ (পুখরী মপান,)	ম.পান, (মউ)
স´ম্ব (খুত, সম্তুন চীঙ.ব)	সম.ব (তত.পত সম.ব)	স.ম্ব (লম্বী সম্তত.প)
সী´ব (পয়া সীব)	সীব (মী সীব)	স.ীব (লৈপাক্ সীজ্জীন্ব)

মথক.কী খুদম্ অহুম, (/) (—) (.) অসীগী মতুঙ.দ খুদম্ অনী ফাউবসীদী মালেম, অপুম.বগী ওইন চত.নব খুদম.নী অহুগ অহুম.স্থব খুদম, (.) অসীদী মীতৈলোন্গী ওইব খোন্থোক, লুম.থব থংনব মতাঙ.দ সীজীন্নবনী। মসীবু লুম্ (.) কৌই। লুম্ নম.দব ময়েক.সীঙ.গী খোন.থোক.সীঙ.দী অয়াঙ.ব খোন্থোক, ওইন পাগনী।

বংগলা ময়েক.কী স.রয় ময়েক.ত হ্রস্ব হাইবহ্ অতেন্ব খোন.থোক, হাইবনী অয়াঙ.ব খোন.থোক, হাইব নত.তে; দীরঘ হাইব অহুস্থ খোন.থোক, অসাঙ.ব হাইবনী অরুম.ব খোন.থোক, হাইব নত.তে। ঐখোইন মীগী খোন.থোক, অতেল্ অসাঙ, অহুবু ঐখোইগী অরুম, অয়াঙ ওইন সীজীন.নৈ অহুবু মখোইগী অসাঙ.ব খোন.থোক, অহুন ঐখোইগী অরুম.ব খোন.থোক, পীব ঙম.দব কয়া য়াউরী। অহু-গুম.বহ্ রায়েঙ.ন তাক.প তাই অহুম, ওইনমক, রায়েঙ.ন তাক.লব ফাউবদ খোন.থোক, লুম.থবগী বনান্ তৌব ঙম.দব কয়া য়াউরী।

মহুদী :—(১) মফম, অসীদ 'কৈ' অম লৈ। (কৈ হাইব সা)
মফম, অসীদ 'কৈ' অম লৈ। (ফৌ থম.নব সং)
(২) 'তল্' য়াম.ন হৌই। (অসীঙ, য়াম.ন)
'তল্' য়াম.ন হৌই। (য়াম, মফুপ.ন)

বনান. চপ. মান্নব য়ারাবু খোনথোক. মান্নদন পাব হাইবসী চুম্দে। ইরোন. ওইবন ঐখোইন নম.থুন খংনজবনী, অতোপ.পন পায়বদী খোন.থোক. চপ মান.নগনী। খোন.থোক. চপ. মান.নয়বদী মাগী রাইন.থোক.সু মসান মান.নব তাবনি। অথুন মসীঙ. য়াম.জয়বসু বংগলা ময়েক.ন মীতৈলোন.গী বনান. স্থুন ইব ঙম.দব য়াম.ন লৈরী। মীতৈ ইয়েক.ন ইরবদী (.) লুম. হাইব অম নম.লগ খোন.থোক. লুম.থন পাগনী অথুন অরাত.প লৈতে।

মথুদী :—কৈ=কৈ হাইব সা ; কৈ.=ফৌ-চেঙ, থম.নব সং।

য়াম.ন=মসীঙ. য়াম.ন ; য়.াম.ন=য়.াম. মকুপ.।

বংগলা অমদী নাগরী ময়েক.ত লৈব খোন.জেল্গী খুজীঙ. অমদী খোন খোক. হাইবদী মখোইগী ময়েক. অরৈব মখৈ কোইথী থীথুন ঐখোইন মীতৈ ইয়েক.ত হাপ.চীন.গদব নত.তে। খোন.থোক. তঙাই-ফদব লাক.তুন ময়েক.ত হাপ.চীন.নবদী ময়াম.গী ওইনসু চৎনব লৈ। অথুবু মসা মসাগী লৈজব পান.দম. কাইহন.বদী য়াদে।

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ ꯱꯸

ꯀ=K (ক) ꯀꯣꯛ (কোক.)	ꯁ=S (স) ꯁꯝ (সম.)	ꯂ=L (ল) ꯂꯥꯏ (লাই)
ꯃ=M (ম) ꯃꯤꯠ (মীত.)	ꯄ=P (পা) ꯄꯥ (পা)	ꯅ=N (না) ꯅꯥ (না)
ꯆ=CH (চ) ꯆꯤꯜ (চীল)	ꯇ=T (ত) ꯇꯤꯜ (তীল)	ꯈ=KH (খ) ꯈꯧ (খৌ)
ꯉ=NG (ঙ) ꯉꯧ (ঙৌ)	ꯊ=TH (থ) ꯊꯧ (থৌ)	ꯋ=W (রাই) ꯋꯥꯏ (রাই)
ꯌ=Y (য়) ꯌꯥꯡ (য়াঙ.)	ꯍ=H (হ) (ꯍꯡ)/ꯍꯪ (হং)	ꯎ=U (উ) ꯎꯟ (উন.)
ꯏ=I (ই) ꯏ (ই)	ꯐ=PH (ফ) ꯐꯝ (ফম.)	ꯑ=A (অ) ꯑꯇꯤꯌꯥ (অতিয়া)

ꯒ = G (গ) ꯒꯣꯛ (গোক্)	ꯓ = JH (ঝ) ꯓꯝ (ঝম্)	ꯔ = R (র) ꯔꯥꯏ (রাই)
ꯕ = B (ব) ꯕꯥ (বা)	ꯖ = J (জ) ꯖꯤꯜ (জীল্)	ꯗ = D (দ) ꯗꯤꯜ (দীল)
ꯘ = GH (ঘ) ꯘꯧ (ঘৌ)	ꯙ = DH (ধ) ꯙꯧ (ধৌ)	ꯚ = V (ভ) ꯚꯝ (ভম্)

‘ꯀ’—ꯃꯌꯦꯛꯁꯣꯒꯤ ‘ꯑ’—ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯏꯕ ꯃꯌꯦꯛ ꯱꯸ ꯑꯁꯤ ꯌꯦꯜꯍꯧ-ꯃꯩꯗꯒꯤ ꯁꯥꯒꯣꯟꯅꯔꯕꯂꯕ ꯏꯌꯦꯛ ꯃꯌꯦꯛꯅꯤ॥ ‘ꯒ’—ꯃꯌꯦꯛꯁꯣꯒꯤ ‘ꯚ’ ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯏꯕ ꯃꯌꯦꯛ ꯹ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯣꯟꯊꯣꯛ ꯂꯣꯝꯊꯔꯛꯄꯗꯒꯤ, ꯑꯐꯕꯤ ꯐꯤꯒꯤ ꯈꯣꯟꯊꯣꯛ ꯁꯣꯂꯛꯄꯥꯒꯤ ꯃꯥꯏ-ꯃꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯥꯊꯣꯛꯄꯥꯏꯔꯝꯕ ꯂꯣꯝ ꯃꯌꯦꯛꯅꯤ॥ ꯃꯥꯍꯨꯠ ꯃꯌꯦꯛ ꯲꯷ ꯑꯁꯤ ꯐꯤꯁꯤ ꯐꯤꯌꯦꯛꯅꯤ॥


‘ꯀ’ তগী ‘ꯑ’ ফাওব ইয়েক্ ১৮ অসী য়েল্হৌভেদগী সাগোন্নরবলব ইয়েক্নে,

‘ꯒ’ তগী ‘ꯚ’ ফাওব ইয়েক্ ৯ অসী খোন্থোক্ লোমথরক্পদগী পুথোক্পীরম্ব ইয়েক্নে।


পুনন ১৮+৯=২৭ ময়েক্ কুন্তরেত, অসী মীতৈগী মপুঙ ইয়েক্নী খংবীগনী। (অতৈ থরসু চাইহুন লৈরী মখোই অদু এখোইগীর মীগীর হাইবদু থীজীন্নরী।)

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]



ꯀ



ꯁ



ꯂ



ꯃ




ꯄ




ꯅ




ꯆ




ꯇ




ꯈ



ꯉ



ꯊ



ꯋ

(সাকোন্দগী সাগোন্) (উসাদগী ওঝা) (ফোলেন্দগী ফোয়েন্)

(ইপাঅনীদগী ইবানী) (হাইচপদগী হাইজব) (তাঙ,তাঙ,পদগী তাঙ,দাঙ,ব)

(খরীদগী ঘরী) (ইপুথোদগী ইবুধো) (কালত,ভী ভারত,)

মীতৈ ইয়েক্ ২৭ কী রাঙ.উলোন্


মীতৈ ইয়েক. ২৭ অসী লাইওইখ্রবা মীতৈ ইপা-ইপু ইপুথৌসীঙ.ন পুথোক্তুনা কংলৈপাকক্ অসীদা চত.নরম্লবা কংলৈ মীতৈ ইয়েক্নী।

মসীগী মমুঙ.দা 'ক' ইয়েক্ অসীদগী 'অ' ফাউবা ইয়েক. ১৮ দী য়েল্হৌঙৈদগী সাগোন্নরক্লবা তাইবঙ. হক্চাঙ.গী কয়াত.তগী ফীদম. লৌত্তুনা পুথোক্পীরম্লবা কংলৈ মীতৈ ইয়েক্নী হাইবগী পান্দম্ অদু রাকোক্লোন. থীলেল. পুকোক. পুয়ানময়েক. সেঙ.ন তাক্লী।


মমৈগী 'গ' তগী 'ভ' ফাউবা ইয়েক. ৯ অসীনা ক, স, ল, প, চ, ত, খ, থ, ফ ইয়েক. মাপল. অসীদগী খোন্থোক. থৈথরক.প, লোম্থরক্প লোম. ইয়েক. ওইনা লৈ। মখোই মাপল. অসী কোন্না পুক্রোক.প ওইনা উরবসু মীঙোন্দগী রাইবা নত.তে। মসা মসাগী ওইবা তোপ.-তোপ.প খোন্থোক. ইরাই ইনীল. লৈজে।

ইয়েক. ২৭ অসী নত.তবা ময়েক. ময়াম. অমা মীতৈ ময়েক.নী হাইত্তুনা চাইত্তুনা য়েত.নত্তুনা লৈরী। মখোইসীঙ. অদু মসা মসাগী তোঙান্বা খোন্থোক. লৈজ্রদে, বংগলা ময়েক.তগী খোন্থোক. রাইবত নত.তনা মখোইদগী পান্দম. লাক.তুনা সেম্বগুম. মসক.-মওঙ., মতৌ তম্বগী খুদম. কয়া উবা ফংই। মরুওইনা মখোইসীঙ. অদু মীতৈ ইরোন.সীঙ.গী বনান.দা চন.নফম্ লৈতে। মখোইসীঙ. অসী য়ান.সীন.হ্নুনা পুন.সীল্লুবদা ঐখোইগী হান.নগী ইয়েক.কী পান.দম্ পুম্নমক. মাঙ.ই। মওঙ. তাদবা পান.দম্ লৈতবা তাই, মীথুত. চঙ.বগী খুদম্ ফংই। য়োত.চাবীনা য়োত. নত.তবমখৈ ইলাই লাইনা খন.দোক্পগুম্ মীতৈ-লোন.গী মতেঙ.দগী মখোই অদু মীতৈ ইয়েক. নত.তে হাইত্তুনা খন.দোক.ই।


মীথুত. চংলবা সীন্দোক্হৌবা মীতৈ পুয়াসীঙ.দা য়ান্সীল্লম্লীবা ময়েক্সীঙ. অসী মসক্ খংদোক্পদা থীজীল্লবা মীওই খরগী ওইনা থম্লগা ঐখোইগী ওইনদা মসাগী খোন্থোক্ ইরাই-ইনীল্ তোঙান্না লৈজবা লোইননা মসাগী তোপ.-তোপ.প রাঙ.উলোন. লৈজবা ইয়েক. ২৭ অসী মীতৈ ইয়েক.নী হাইনা লৌবা তাই। ঐখোইগী সরকারনসু সক.খংবগা লোইননা মনীপুরগী গেজেত.ত ফোঙ.হ্নুনা সরকারগী মহৈ লোইসংসীঙ.দা তরুক্সুবা ক্লাস.তগী তম্বা হৌহন্খ্রবনী। মসীদা খুরো থাঙ.বদী মীগী চাক.লুক্ত খুজাই থাঙ.জীন্বনী।



ক—ইয়েক্. অসী ইয়েক. রাকোন্পুঙ. ওইরীবা কোক.না পাঙ.থোক.লীবা তৌরীবা থৌগী পান.দম্ লাক.তুনা য়েক.প ইয়েক.নে। ঐখোইগী কোক. অসীগী থবক. অসী মওঙ. অহুম্নী—(১) কোক.কী মমাঙ. থংবা সরুক.; সরুক. অসীনা রাখন.-লৌসীঙ. লৌসীল.-লক.প রাখন. খন.বগী থবক. তৌই। (২) কোক.কী ময়াই থংবা সরুক.; সরুক. অসীনা মাঙ.থংবা সরুক.না তান.সীল্লক.লীবা, লৌসীল.লক.লীবা ময়াম্. অদু পৈসীন.হ্নুনা তুঙ.সীন.হ্নুনা থম্মই। (৩) তুঙ. থংবা সরুক.; সরুক. অসীনা লৌসীল.লক.লীবা, পৈসীল্লীবা লৌসীঙ. ময়ামহু থবক. ওইনা হক.চাঙ. সীন্বা থুঙ.ন সনদোক.হন্ত্তুনা পাঙ.থোক.ই। উত.লীবা অসী কোক.কী নাকল.লোম্গী সরুক.নী। মরক.ত লাইপক.তগী লুথম্ ফাউনা লৈই অমা চীঙ.লী, লৈই অসীনা কোক.কী সরুক অহুম্নমক. সম.নহন.হ্নুনা লৌসীঙ.গী মৈরা থান্বগুম. পুম.ঙান. ঙাল্হল.লী হাইবা তাক.লী। অদুনা লৈই অসীবু মৈলা (মৈরা) চীঙ. কৌই হাইনা রাকোক.লোন. থীলেল. পুকোক. পুয়ান তাক.লী।



ꯁ—ইয়েক্‌ অসী হক্‌চাঙ্‌গী সীঙ্‌লী নাউরী পুম্‌নমক্‌কী মতোন্‌দ হৌরীব কোক্‌ত হৌরীব সম্‌, অসীন য়েত্‌-ওই নাকল্‌ অনীদ খাইদোক্‌তুন লৈরীব মওঙ্‌, অসী লৌহুন য়েক্‌পনে। তাইবঙ্‌, হক্‌চাঙ্‌গ অহাঙ্‌ব আতীয়া নোঙ্‌থৌ অসীগ অনীবু সমনহল্লী হাইহুন কোক্‌ত হৌরীব অসীবু সম্‌ কৌই। সম্‌গী মসক্‌ লৌই হাইহুন ইয়েক্‌ অসীগী মমীঙ্‌বু সম্‌ হাইন কৌই। সম্‌গী মথক্‌ত অতৈ অম লৈতরে হাইহুন 'স' ইয়েক্‌তী ইব মতম্‌দ মকোক্‌ চাঙ্‌দে।



ꯂ—ইয়েক্‌ অসী য়েত্‌লোম্‌, ওনহুম য়েক্‌লীব মাইওন্‌দ উরীব লাইপক্‌কী তাথরক্‌প খায়োম্‌দ মীত্‌কী সক্কন কোত্‌তুন লৈরীব লাইপক্‌কী মসক্‌; লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে। মসীদ মীত্‌কী উফম্‌ অম কোত্‌তুন হাপ্‌লীবসীদী লাইপক্‌কী মফম্‌ তাক্‌নব হাপ্‌পনে। লাইপক্‌কী ফীদম্‌ লৌই হাইহুন ইয়েক্‌ অসীগী মমীঙ্‌ লাই কৌই।



ꯃ—ইয়েক্‌ অসী নাক্‌চেপ্‌নন মাই ওনহুন য়েক্‌লীব মীত্‌কী মসক্‌, অমসুং মীত্‌ন তৌরীব থবক্‌কী থৌঙ্‌ য়াউন য়েক্‌লব ইয়েক্‌নে। মতোন্‌দ কোত্‌লীব অসী মীত্‌ফমনী অহুপ মনুঙ্‌ ফাউন চীঙ্‌লীব লাই অসীন মীত্‌কী সীঙ্‌লী ওইন কোক্‌কী সরুক্‌ অহুম্‌ ফাউন লুখম্‌, কাকুপ্‌, ফাউহুন মপান্‌দগী উরীব পুম্‌নমক্‌কী পাউ তাক্‌লীব লম্‌বী মওঙ্‌তু য়াউন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯄ—ইয়েক্‌ অসী পীসুম্‌গী মথা মীত্‌ মপান্‌দ ময়াইদন তীঙ্‌ন তীঙ্‌ন অহুপ মতাইদন কোন্‌তক্‌ সাঙ্‌ন হৌরীব (মীত্‌পানদ হৌরীব) পাগী মসক্‌ লৌহুন-য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯅ—ইয়েক্‌ অসী য়েত্‌ওইনন নাকল্‌লোম্‌দ লৈরীব নাকোঙ্‌গী মসক্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯆ—ইয়েক অসী চীন্‌বান্‌, উম্‌সীন্‌হুন লৈব অহুগ নাকল্‌ য়েত্‌লোম্‌ ওইরোম্‌ অনীদ চুবাগী সক্কন কোন্‌থোক্‌ কোন্‌থোক্‌ন লৈরীব চীন্‌বান্‌গী মসক্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯇ—ইয়েক্‌ অসী তীলাঙ্‌ থোক্‌হল্লীব সীঙ্‌লী নাউরীসীঙ্‌গী মসক্‌ মওঙ্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক নে।




ꯈ—ইয়েক্‌ অসী খোনাউগী মথেক্‌ মথেক্‌ চত্‌লীব লৈতোন্‌ লৈয়াই লৈখোঙ্‌ অহুমগী হৌরক্‌ফম্‌ ওইরীব খোনাউ অচেঙ্‌ববু য়েত্‌থংব নাকন্‌লোম্‌গী মসক্‌ মওঙ্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।



ꯉ—ইয়েক্‌ অসী ঙৌপাক্‌কী মহক্‌ মহক্‌প অমদী খোনাউ তেঙ্‌থল্‌গী নাকল্‌-লোম্‌দগী উব ঙৌগী সক্‌তম্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯊ—ইয়েক্‌ অসী মীওইবগী থোপাক্‌কী (থবাক্‌কী) সরু পোলাঙ্‌ অসীন য়েত্‌লোম্‌-ওইরোম্‌ কোন্‌তক্‌-কোন্‌তক্‌ থেকত্‌লীব সরুগী সক্‌তম্‌ লাক্‌তুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯋ—ইয়েক অসী সীদব মপুন য়োঙ্‌-মী, সা-ঙা, তীন্‌-কাঙ্‌ অসীনচীঙ্‌ব থবাই পান্‌ব পুম্‌নমক্‌কী থবাই মীলেন্‌বু থমোই লকাদ খাম্‌হুন থম্‌ই, মফম্‌ অসী লাইগী মুম্‌নী হাইহুন থমোই লায়ুম্‌ কৌই মসীবু পুয়াগী লোন্‌দ 'মপুগী কোন্‌সীদা খাম্‌ন লৈয়ে হাইপকী থাঙ্‌সং কৌয়ে'। অসীগুম্‌ব থবাই মীলেন্‌গী লৈফম্‌বু থবাক্‌কী ময়াইদ লৈরীব থোপাক্‌কী সরু সদোন্‌দ থীন্‌হুন থবাইগী লৈফম্‌ তাক্‌পগী মওঙ্‌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।



ꯌ—ইয়েক্‌ অসী মীওইবগী কোক্‌তগী হাইথরক্‌প য়াঙ্‌লেন্‌ লুজাউ হাইথরক্‌প অমদী য়াঙ্‌লেন্‌গী মওঙ্‌ মতৌ লৌহুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।




ꯀ—ইয়েক্ অসী সরূ অমগ অমগ হুক্চীন্ননগী সরূ-কোচী অতুগী সক্তমদগী মতৌ লৌহুন য়েক্প ইয়েক্নে।




ꯈ—ইয়েক্ অসী তুহাউন মরী-মন্না তান হৌন্নীব হক্চাঙ, সীন্ব থুঙ,ন কুপ,লীব উন্সাগী মখাথংব সরূক্তগী মথক, থংব সরূক, ফাউব লৈন্নীব উন্সাগী সক্তম্ অতুদগী মসক, লৌহুন য়েক্প ইয়েব্নে।



ꯒ—ইয়েক, অসী হক,চাঙ, সীন্ব থুঙ,ন চেল্লীব ই হাইবদী সীঙ,লী নাউরীগী মকোক,-মমৈ হাইন লৈন্নীব অসী 'ই' গী লম্বীনী মসীগী মসক, মতৌ লৌহুন য়েক প ইয়েক,নে।



ꯘ—ইয়েক, অসী হক,চাঙ,গী খোইদৌ মথাদ লৈব কম্বীকোন, খায়োম্দ হৈথহুন লৈবহুগী মওঙ, লৌহুন য়েক,প ইয়েক,নে।



ꯉ—ইয়েক, অসী পলেম্ ইমাগী হাঙ,হুন লৈন্নীব থোঙ,দগী নাউকম্ ফাউবগী সক,তম্ লৌহন য়েক,প ইয়েক,নে।

ন্নাকোক্লোন্ থীলেল্ ··· পুয়াগী ন্নারোন, থরা ঃ—

"ইপুঙ,লোই অপক,পন মুঙ,পুঙ, বাখল্ ভৌহুন চক,পলোন্ পুম্নমক,কী সীঙপকী কয়াত, লাঙ,পুম্কী ইয়েক্ ইমুঙ,লোন্ খুনুঙ লোন্ খৈগীক,পু ইপুলোই অপক,পন সাইওন্তুন লেপ,থীপ ইয়েক, ইপী ইয়েক, অসীপু থাক,প লৈতন ইপু ইথৌপ কোন্জীল্ তুথোক,প পাখংপাপু য়েঙ,তুন লীপীয়ে।

ইপুঙ.লোই অপক্পকী সাইরোন্কী ইমুঙ.লোন্কী মীঙ.খৈ মলুতী হা হুঙ, হৈ হে হীঙ কৌপ অসীন রাকোন্কী মীঙ.খৈ ওইলতুন মৈনে, ইসীঙ.নে, মুঙ.সীত.নে, লৈপাক্নে, নোঙ.থৌনে, মুমীত.নে, থানে, থৌরাইমীচাক্ নীঙ.থৌ সীতপনে, চৈরোন্ ৭ নে, সচীক্নে, থাপানে, খোঙ.চোঙ.মুপীনে, সচুঙ.তীল্হৈপনে, মোঙ.ক সলংকানে, বোক্পুলোই তাউহুইলেঙ.নে, লৈচীন.নে, চুম.থাঙ.নে, নোঙ.থাঙ, কুপ.ন খোঙ.পনে মুপ.ন ফাইন তীন্তুন তলং ইপুঙ.লোইনপ অপক্পন ইয়েক ১৮ অমতী সীঙ.থালোন চৈসীঙ ইয়েক ১ (অমত) লেপ.ন সাইরোনতুন অতীআ সীতপ হাইন কৌখলে।

ইয়েক অসীপু ইমুঙ.লোন্ন (১) অম কৌয়ে, খুনুঙ.লোল্ খোন্থোক ইরাই ইনীন্ন অতীআ হাইন কৌখলে। আতীআকী ইয়েক্তী অসীনে (ꯀ) লেপ.ন থংগীরো"।

ꯀ
↓
ꯒ

ꯒ—'ক' (কোক.) ইয়েক.কী খোন.থোক.তগী 'গ' (গোক.) হাইব খোন.থোক তৈথরক.ই লোম্থরক.ই মতুদী :— সাকোন দগী সগোন., থাকোক তগী থাগোক হাইহুন অনৌব খোন.থোক লাক.খী।

ꯁ
↓
ꯓ

ꯓ—'স' (সম্) ইয়েক.কী খোন.থোক.তগী 'ঝ' (ঝম্) হাইব খোন.থোক লাক.ই মতুদী :— (উসা)/ওসা দগী ওঝা, সান দগী ঝান হাইহুন অনৌব খোন.থোক থোক.লক.খী।

ꯂ
↓
ꯔ

ꯔ—'ল' (লাই) ইয়েক.কী খোন.থোক.তগী 'র' (রাই) হাইব খোন.থোক লাক.ই মতুদী :— ফৌলেন দগী ফৌরেন., লাইলেন দগী লাইরেন হাইহুন অনৌব খোন্থোক্ লোম্থরক.ই।

ꯄ
↓
ꯕ

ꯕ—'প' (পা) হাইব খোন.থোক.তগী 'ব' (বা) হাইব খোন.থোক তৈথরক.ই মতুদী :— হাইপ দগী হাইব, ঙম.প দগী ঙম.ব হাইহুন খোন.থোক অনৌব তৈথরক.ই।

ꯆ
↓
ꯖ

ꯖ—'চ' (চীল্) হাইব খোন.থোক.তগী 'জ' (জীল্) হাইব খোন.থোক লাক.ই, মতুদী :— হাইচপ দগী হাইজব. ঙম্চপ দগী ঙম্জব হাইহুন খোন.থোক অনৌব লাক.ই।

ꯇ
↓
ꯗ

ꯗ—'ত' (তীন.) হাইব খোন.থোক.তগী 'দ' (দীল্) হাইব খোন.থোক অনৌব চংসীল.-লক.ই মতুদী :—তাঙ.তাঙ.বদগী তাঙ.দাঙ.ব, পাতত.-পীতত.প দগী পাদত.-পীদত.প হাইব অনৌব খোন.থোক চংসীল.লক.ই।

ক—'খ' (খৌ) হাইব খোন.থোক.তগী 'ঘ' (ঘৌ) হাইব অনৌব খোন.থোক. লোম্থরক.ই মতুদী :—খরী দগী ঘরী, খাত.-পাত. তগী ঘাত.-পাত. হাইব অনৌব খোন.থোক. লোম্থরকই।

ঠ—'থ' (থৌ) হাইব খোন.থোক.তগী 'ধ' (ধৌ) হাইব খোন.থোক. থোক.লক.ই মতুদী :- ইপুথৌ দগী ইবুধৌ, মাথপী দগী মাধবী হাইব খোন.থোক. অনৌব থোক.লক.ই।

ফ—'ফ' (ফম্) হাইব খোন.থোক.তগী 'ভ' (ভম্) হাইব খোন.থোক. লোম্থরকই মতুদী কালত. তগী ভারত, ফীম. দগী ভীম. হাইব অনৌব খোন.থোক. লোম.থরক.ই।

'ক' তগী 'অ' কাউব ইয়েক. ১৮ অসীদী য়েল.হৌঙৈদগী সাগোন.নরক.লব ইয়েক.নী হাইবসী মথক্ত পনজখয়ে। হাইরীব ইয়েক. ১৮ অসীন বনান্ তৌব য়াব মীতৈলোন. অতু অসেঙ.ব মীগী খোন.থোক. চংদরীব তসেঙ. তসেঙ.ব মীতৈলোন.নী। অতুগ মথোই ১৮ অসীন বনান. তৌদব অতৈ ময়েক. য়ান.-সীল.লবদী মীতৈলোন. ওইরবস্থ মসাগী অসেঙ.ব খোন.থোক. মাঙ.থরবনী হাইন লৌগনী।

হাইবদী 'গ' তগী 'ভ' ফাউব ইয়েক. মাপল. অসী য়াউন বনান. ইরবদী য়াৱা অতুগী মসাগী সাগোন.নরক.প খোন.থোক. মাঙ.লবনী হাইন লৌগন্নী। মরুওইন ইয়েক. মাপন. অসী মীরোন.গী বনান. ইননব খোন.থোক. হাপ.চীল.লক.প ওইন লৈ। কাইনথংদদী মীতৈলোন.দ হাইরীব খোন.থোক. মাপল. অসী তোইন সীজীন.নরে। ইয়েক. মাপল. অসী য়ান.সীন.তুন খোন.থোক. তৌরবদী ইরোন, অসীগী রাহন.থোক. মাঙ.ব য়াম.ন লৈ। মতাঙ. অতুদদী ইয়েক. মপী ১৮ অসীদ য়ুম.ফম. ওইতুন বনান, তৌগনী অতু ওইরবদী রাহন.থোক. মাঙ.ব লৈতে।

খুদম. ওইন হাইরবদ ফৌগৈ হাইবসীদ ফৌগী গৈ. 'গৈ' হাইবগী রাহন্থোক্ লৈতে; ফৌকৈ. হাইরবদী ফৌগী কৈ. হাইবনী মসীগী রাহন্দী ফৌ থম্নব সঙ. হাইবনী। অমুক্স্থ লাইরেন. হাইবসীদ লাই+রেন. রেন্গী রাহন্থোক্ লৈতে লাইলেন. হাইরবদী লাই+লেন.; লেন. হাইবদী থ.বাইদগী অথোইব হাইবনী লাই অথোইব (অফব) গী রাহন্থোক্ পীরী।

মীরোন্গী বনান. ইবদ তঙাইফদব য়াউবগী থরমথৈ খোন্থোক্ রাইব য়াউজবদী য়াদবগীনী খন.দোক্তুন পেন্থোক্লবস্থ মীগী খোন্থোক্ পংরাই রাইতুন খুদোঙ.থীরীব অসীগী মতাঙ.দ ঐথোই মীত.-না সীঙ.ন লৈব তাই। মসী খংদবদগী মথক্ত চত.নবীন নমতুন পুরক্পনী থরন অমুক্ অচুম্বরোম্দ চত.নব হৌরবদী অচুম্বন অতুম্ চত.নবী ওইজরক্কনী। ঐতন খংহোঙ. হেক. হোঙ.দোক্পদী লনাইগী রাকম্ নত.তবনীন ঐস্থ থর থর ইন.জবতনী থর খুত.লোইজবব মতম্দ অকক.নব পান্দম্ লাক.সীন্জগে।

মথক্কী সম্লপ.প রারোন্ অসীন তাক্পদী গ, ঝ, র, ব, জ, দ, ঘ, ধ, ভ ময়েক্ মাপল্ অসী কোন্ন হাপ.চীল্লক্প ইয়েক.নী হাইবগী খুদম ফংলে। অতুম্ ওইনমক. ময়েক.সীঙ. অসী মথক.ত হাইথীব রায়োন্সীঙ.গী মতুঙ. ইন্ন মীতৈ ইয়েক.নী হাইন লৌগনী।

ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ ꯃꯌꯦꯛ-꯸

(চম্‌ব খংনব ইয়েক্—৮)

ꯛ = ক্‌ ꯀꯣꯛ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯀꯛꯆꯤꯡ, ꯀꯥꯛꯐꯩ, ꯀꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ॥

(কোক্‌ লোন্‌সুম্‌ :— কক্‌চীঙ্‌, কাক্‌ফৈ, কংলৈপাক্‌)

ꯜ = ল্‌ ꯂꯥꯏ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯂꯥꯜꯂꯨꯀꯣꯛ, ꯃꯄꯥꯜꯂꯣꯝꯗ, ꯄꯥꯜꯂꯤ ।

(লাই লোন্‌সুম্‌ :— লাল্‌লুকোক্‌, মপাল্‌লোম্‌দ, পাল্‌লী)

ꯝ = ম্‌ ꯃꯤꯠ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯃꯥꯝꯃ, ꯃꯐꯝ, ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯃꯜ ॥

(মীত্‌ লোন্‌সুম্‌ :— মাম্‌ম, মফম্‌, মতম্‌গী মমল্‌)

ꯞ = প্‌ ꯄꯥ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯀꯥꯞꯂꯛꯄ, ꯆꯞꯁꯤꯟꯕ, ꯈꯣꯞꯆꯤꯟꯕ ॥

(পা লোন্‌সুম্‌ :— কাপ্‌লক্‌প, চপ্‌সীন্‌ব, খোপ্‌চীন্‌ব)

ꯟ = ন্‌ ꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯅꯥꯟꯁꯤꯟꯕ, ꯅꯥꯟꯊꯨꯕ, ꯂꯥꯟꯅꯕ ॥

(না লোন্‌সুম্‌ :— নান্‌সীন্‌ব, নান্‌থুব, লান্‌নব)

ꯠ = ত্‌ ꯇꯤꯜ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯇꯠꯇꯟ, ꯃꯇꯠ ꯃꯇꯠ, ꯇꯠꯅꯔꯦ ॥

(তীল্‌ লোন্‌সুম্‌ :— তত্‌তন, মতত্‌ মতত্‌, তত্‌নরে)

ꯡ = ঙ্‌ ꯉꯧ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯑꯉꯥꯡꯕ, ꯃꯉꯥꯡ, ꯇꯥꯡꯗꯥꯡꯕ ॥

(ঙৌ লোন্‌সুম্‌ :— অঙাঙ্‌ব, মঙাঙ্‌, তাঙ্‌দাঙ্‌ব)

ꯢ = ই ꯏ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :— ꯍꯥꯢꯃꯛꯏ, ꯀꯥꯢꯅꯔꯝꯗꯥꯢ, ꯎꯔꯝꯏ ॥

(ই লোন্‌সুম্‌ :— হাইমক্‌ই, কাইনরম্‌দাই, উরম্‌ই)

'ꯢ' লোন্‌সুম্‌দী ইমুঙ্‌য়েক্‌ (স্বর ময়েক্‌) ওইবন মপুঙ্‌ ইয়েক্‌ক চপ্‌ মান্‌নৈ। বংগলা ময়েক্‌ন ইরবসু ই, অমসুং উ গুম্‌ব ইমুঙ্‌য়েক্‌ন চম্‌বদী চম্‌বগী থুদম্‌ (হাসন্‌ত) তম্‌লোই।

ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ ꯃꯌꯦꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯃꯄꯨꯡ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯃꯔꯤꯕ ꯁꯅꯕꯅ ॥

মথক্‌কী লোন্‌সুম্ নীপান্ অমদী 'উ' অসী নত্‌তব অতৈ ময়েক্‌কুন চম্‌বগী থবক্, তৌব তারবদী মপুঙ্ ইয়েক্ মসা মসান অদুম্ চম্‌বগী থবক্ তৌগনী। মখোইসীঙ্ অদু মীতৈলোন্ নত্‌নে হাইন থংগনী। মরম্‌দী মীতৈলোন্ খুদীঙ্‌মক্ মথক্‌কী লোন্‌সুম্‌সীঙ্ অসীন চম্‌বগী বনান্ ইব য়াদব লৈতে।

ꯆꯩꯇꯥꯞ ꯃꯌꯦꯛ-꯸ (চৈতপ্ ইয়েক্—৮)

ꯣ—ꯑꯣꯅꯥꯞ :—ꯀꯣ, ꯈꯣꯡ ;
(ো—ওনপ্ :— কো, খোঙ্ ;)

ꯤ—ꯏꯅꯥꯞ :—ꯀꯤ, ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ;
(ী—ইনপ :— (কি) কী, করীগুম্ব ;)

ꯥ—ꯑꯥꯇꯥꯞ :—ꯀꯥ, ꯈꯥꯡ ;
(া—আতপ্ :— কা, খাঙ্ ;)

ꯦ—ꯌꯦꯅꯥꯞ :—ꯀꯦ, ꯈꯦꯡꯕ ;
(ে—য়েনপ্ :— কে, খেঙ্ব ;)

ꯧ—ꯁꯧꯅꯥꯞ :—ꯀꯧ, ꯈꯧꯔꯤ ;
(ৌ—সৌনপ্ :—কৌ, খৌরী ;)

ꯨ—ꯎꯅꯥꯞ :—ꯀꯨ, ꯁꯀꯨꯜ ;
(ু—উনপ্ :— কু, স্কুল্ ;)

ꯩ—ꯆꯩꯅꯥꯞ :—ꯀꯩ, ꯇꯩꯕ ;
(ৈ—চৈনপ্ :— কৈ, তৈব ;)

ꯪ—ꯅꯨꯡ :—ꯀꯪ, ꯈꯪꯅꯕ ;
(ং—নুঙ্ :— কং, খংনব)।

মপুঙ্ ময়েক্ অমদ চৈতপ্ অনী তপ্‌সীনব য়াদে। মরম্ অসীন চৈতপ্ অম তপ্‌খরব মতুঙ্‌দ লাক্‌প নুঙ্ অদু ঙৌ লোন্‌সুম্ 'ꯡ' না মহুত্ সীন্‌গনী। চৈতপ্ অনী তপ্‌তব মতাঙ্ খুদীঙ্‌দদী নুঙ্ অদুম্ তপ্‌কনী। ঙৌ লোন্‌সুম্‌দী লোন্‌সুম্ ওইবন চৈতপ্ চীঙ্‌দে। মহাক্‌তী খোন্‌থোক্ অরুম্ অয়াঙ্‌গী রাফম্ লৈতে, চুম্‌নতগী চৈতপ্ অনী তপ্‌তনব চৈতপ্ অম তপ্‌খরবগী মতুঙ্‌দ লাকপ নুঙ্ অদুগী মহুত্ সীন্‌বতনী। মতুদী—কক্‌চীঙ্, কাঙ্‌চুপ্, খোঙ্, অসীনচীঙ্‌ব।

ꯈꯨꯗꯝ ꯃꯌꯦꯛ (খুদম্ ইয়েক্)

꯫—ꯆꯩꯈꯩ ; ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕ ꯂꯦꯞꯄ ꯈꯪꯅꯕ ꯫
(। —চৈখৈ ; মপুঙ্‌ফাবা লেপ্‌প খংনব)

অতৈ খুদম্‌সীঙ্‌দী International Symbols গী মতুঙ্ ইন্‌গনী। এখোইন খুদম্ অতৈ লৈজ-রম্‌লবসু ॥ (চৈখৈ) অসীডং লৌহুন সীজীন্‌নগনী হাইন লেপ্‌নখয়ে।

ꯂꯨꯝ; ꯈꯣꯟꯊꯣꯛ ꯂꯨꯝꯊꯟ ꯄꯥꯒꯗꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯌꯦꯡꯊꯪꯕ ꯃꯈꯥ ꯑꯣꯢꯔꯄꯟ ꯅꯝꯒꯅꯤ॥

লুম্; খোন্থোক্ লুম্থন পাগদব ময়েক্কী য়েন্থংব মখা ওইরপ্‌ন নম্গনী।
(মসী মীতৈলোন্গী খোন্থোক্ লুম্থবদ সীজীন্নব য়াম্‌ন মরুওইব খুদম্নী থংবীগনী)

- ꯑꯄꯨꯟ ꯏꯌꯦꯛ; ꯃꯌꯦꯛ ꯑꯅꯤ ꯇꯄꯁꯤꯟꯅꯔꯦ ꯊꯪꯅꯕ ꯑꯅꯤꯊꯨꯒꯤ ꯃꯊꯥꯗ ꯆꯤꯡꯕ ꯂꯩꯏ ꯑꯃꯅꯤ॥

অপুন্ ইয়েক্; ময়েক্ অনী তপ্‌সীন্নরে থংনব অনীতুগী মথাদ চীঙ্‌ব লৈই অমনী।
(খুদম্ অসী য়েল্‌হৌডৈদ লৈরম্‌বগী খুদম্‌ ফংদে অতুবু করীগুম্‌ব খোন্থোক্ পুন্সীন্‌বদ ভাওনদনবগী খুদম্ অম ওইন চত্‌নরে)

মীতৈ ময়েক্‌ত খোন্থোক্ :—

ময়েক্‌ত অরুম্‌ব ময়েক্ অমদী অয়াঙ্‌ব ময়েক্ খাইব লৈতে। বংগলা ময়েক্‌তদী খোন্‌থোক্ অতেন্‌ব অমদী অসাঙ্‌ব হাইবদী লৈ। ঐখোইন বংগলা ময়েক্‌ন বনান্ ইবদ অরুম্-অয়াঙ ওইন সীজীন্‌নবনী; অতুবু মতুনসু খোন্‌থোক্ অরুম্‌বগী বনান্ ভম্‌দবসু য়াম্‌ন লৈ। মতাঙ্‌সী অরোইবদ বনান্ ইবগী পরাদ য়েঙ্‌বীগনী। মীতৈ ইয়েক্‌কী বনান্‌দী লুম্-নম্‌নবদী খোন্থোক্ য়াঙ্‌ন অতুম্ পাগনী। মথক্‌ত খোন্‌থোক্ অরুম্-অয়াঙ্‌গী খুদম্ অতুম্ হাইব পরা অতু য়েঙ্‌বীগনী।

চৈসীঙ্ ইয়েক্ অমসুং মাগী য়্রাঙ্‌উলোন্ :

চৈসীঙ্ ইয়েক্—

চৈ থেক্‌থেক্‌তুন মসীঙ্ থাই হাইতুন মসীঙ্ অসীবু চৈসীঙ্ হাইন কৌই। মসীঙ্ খীববু চৈথাব (মসীঙ্ থেক্‌তুন থাব) কৌই। চৈসীঙ্ ইয়েক্ তরানী, মতুদী :—

꯱—ꯑꯃ, ꯲—ꯑꯅꯤ, ꯳—ꯑꯍꯨꯝ, ꯴—ꯃꯔꯤ, ꯵—ꯃꯉꯥ, ꯶—ꯇꯔꯨꯛ,
(অম) (অনী) (অহুম্) (মরী) (মঙা) (তরুক্)

꯷—ꯇꯔꯦꯠ, ꯸—ꯅꯤꯄꯥꯜ, ꯹—ꯃꯥꯄꯜ, ꯱꯰—ꯑꯃꯗ ꯐꯨꯟ ꯇꯔꯥ॥
(তরেত্) (নীপাল্) (মাপল্) (অমদ ফুন্ তরা)।

০—অসী ফুন্ কৌই, সুন্য নত্‌তে, জেরো-নত্‌তে। সুন্য অমদী জেরো হাইবসী অহাঙ্‌ব হাইবনী। মসী অহাঙ্‌ব নত্‌তে হাঙদবনী, অরৈবনী, ফুন্ তাব হাইবনী। ফুন্ তাব হাইবসী মপুঙ্ অম ফাহনব হাইবনী। মসী মপুঙ্ ফাব হাইব মরম্‌ম হান্‌ন অহৌবদ ইব য়াদে করীগুম্‌ব মসীঙ্ থরগী মতুঙ্‌দ ইগনী। মপুঙ্ ফাহন্‌ব হাইবগী য়াহন্‌দগী ফুন্ অসীবু হেক্ য়াউবদ মসীঙ্ মসীঙ্ অতুগী চানব য়েঙ্‌তুন তরাদ চাদ লীসীঙ্‌দ থংহেন, হেন্‌গত্‌লীবনী। ০ ফুন্‌গী বাকম্ থরসু মথাদ নৈনরী।

মীতৈ চৈসীঙ্গী হৌরক্ফম্ ব্লারী

মীতৈগী ইয়েক্‌ন হক.চাঙ.গী কয়াত.তগী ফীদম্ লৌত্থন য়েক.খীবগুম্ মীতৈগী চৈসীঙ. ইয়েক.সীঙ. অসী পলেম্ ইমাগী পীবুক.মুঙ.দ নারা ওইন লৈরক.প থাজ তন্না নাউপুরক.প নবা অত্থগী ওইরক.লীব তোঙান্ তোঙান্‌ব সক.তম্ তন্না অত্থগী ফীদম্ লৌত্থন য়েক.লম্ব চৈসীঙ. ইয়েক.নে। মত্থদী :—

১—অম। পলেম্গী পীবুক.মুঙ.দ মীয়োন্‌ব মতম্গী খ.ৰাইদগী অহান্‌বদ লৈব তীন, মান্‌ব, মকোক, চাউরপ, মমৈ হুইথরক.প কোন.তক. তৌব নন্নাগী থরাই মীতম্ অহান্‌ব অত্থগী মসক. লৌত্থন পুথোক.প অম হাইব চৈসীঙ. ইয়েক.নে।

২—অনী। পলেম, ইমাগী পীবুক.মুঙ.গী মীতম, অত্থ থা অনী হেক. সুরক.পদ অসাইগী মমৈ হুইথন কোন.তঙ. তৌরীব মমৈ-মতোন. অত্থ খর য়েতসীল্লক.ই ; মত্থগী ফীদম্ লৌত্থন অনী হাইব চৈসীঙ. অসী পুথোক.ই।

৩—অহুম্। অসাইগী নন্না মীতম্ অত্থ থা অহুম্ সুরক্‌পদ থা অনী সুবদ মতোন য়েত.সীল্লীব অত্থদগী অমুক. হেন্‌ন য়েত.সীন্থন কোন.সীল.লী। অত্থগুম্ব মীতম্ অত্থগী মসক. লাক্থন অহুম্ হাইব চৈসীঙ. ইয়েক. অসী পুথোক.ই।

৪—মরী। থা মরী সুরক.পদ অসাইগী নন্না মীতম্ অত্থ হান.নগী মকোক. চাউব অত্থনে, মমৈলোম্-দগী য়েত.সীল.লকতুন কোন্সীল.লীব অত্থনে ময়াই চেঙ.সীল.লগ কোক.-তোন. অনী চপ. মান.নরে ; মত্থগী মতৌ তম.থুন মরী হাইব চৈসীঙ. ইয়েক. অসী পুথোক.ই।

৫—মঙা। থা মঙা সুরক.পদ অসাইগী মীতম্ অত্থগী মাইওন, অত্থ ওল.লক.লে লেঙ.লক্লে। কোন্-সীল.লুব মতোন. অত্থ তীঙ.থোরক.লে মত্থগী মতৌ লৌত্থন মঙাসুব চৈসীঙ. ইয়েক. অসী পুথোক.ই।

৬—তরুক.। থা তরুক. সুরক.পদ অসাইগী নন্না মীতম, অত্থগী তীঙ.থোরক.লীব মতোন·মখোঙ. অত্থ মাঙ.লোম.দ ওন্সীল.লক.লে। মত্থগী মসক. লৌত্থন তরুক.সুব চৈসীঙ. ইয়েক. পুথোক.ই।

৭—তরেত.। থা তরেত. সুরক.পদ অসাইগী নন্না মীতম. অত্থগী হক.চাঙ.গী সরুক. খুদীঙ.মক. অমগ অমগ লোইন সৌজীন.নরে ; মপুঙ. মরৈ পুম.ফা ফারে। অত্থন থা তরেত.ত পোক.প অভাঙ.দী হীঙ.লে। মত্থগী মতৌ লৌত্থন তরেত.সুব চৈসীঙ. পুথোক.ই।

৮—নীপাল.। থা নীপাল. সুরক.পদ মুঙ.লোম.দ চীঙ.সীল.লী কোন.সীল.লী অত্থন থা নীপাল.দ পোক.প অভাঙ.দী হীঙ.দে। অসীগী মতৌ তম.থুন নীপান.সুব চৈসীঙ. ইয়েক. পুথোক.ই।

৯—মাপল.। থা মাপল. সুরক.পদ মুঙ.দ চীঙ.সীল.লুব কোন.সীল.লুব অত্থ অমুক. চীঙ.থোরক.ই। মসীগী মতৌ লৌত্থন মাপল. হাইব চৈসীঙ. ইয়েক. পুথোক.ই।

১০—অমদ ফুন.তন্না। থা তন্না হেক. সুবদ মপুঙ. মরৈ ফারে। মসী অমদগী অহুম্. অমুম. চাউ-থত.লক্থুন মপুঙ. ফারক্থুন ফুন. তারে। অমদগী সাগত.লক.ই খংনবব ফুন. ইব মতম.দ অমদ ফুন. ১০ (তন্না) হাইন তন্নাসুব চৈসীঙ. পুথোক.ই।

০—ফুন্‌গী ৱারী ৱাখোঙ্‌

ফুন্‌ অসী নাগরী অংকদ শূন্য হাইন, অদুগ ইংগরেজীদন জেরো হাইন মমীঙ্‌ খোল্লী। ইংগরেজী ময়েক্‌ হাইন খংনরীব রোমান্‌ ময়েক্‌ অসী রোমান্‌গী মসীঙ্‌ হৈবদ ওসী কাউবদ 0 (zero) গী অংক ময়েক্‌ লৈতরী মদুদী I, II, III, IV, V, VI, VII, VIII, IX, X অসীনী 1, 2, 3, 4, 5, 6, 7, 8, 9, 10 হাইন সীজীন্নরীব অসীদী ভারত্‌তগী ৱাইদুন সীজীন্নবনী। অদুন ওসী ভারত্‌ন মীগী ওইখীব তারে হাইদুন নাগরীগী অংক ময়েক্‌ত 1—10 অসী সীজীন্নরে।

অখং-অহৈ ওঝাসীঙ্‌ন তাক্‌পীরক্‌পগী মতুঙ্‌ ইন্‌ন তাক্‌লীব, মসীগী কান্নব উত্‌লীবসী গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন সনদোক্‌পনী। অহান্‌বদ মসীগী লৌসীঙ্‌ অসী লৈরম্‌দে অদুন অংক খোত্‌পনচীঙ্‌বদ য়াম্‌ন খুদোঙ্‌ চানরম্‌দে। অদুবু 0 (zero) অসী গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন পুথোক্‌পনী হাইদে। গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন হাইবদী মসী ইন্দীয়াগী নোঙ্‌পোব্‌থংব চীঙ্‌গী লমদম্‌ অমদ ☆ হাইন হৈব খুদম, অমগ লৈরম্‌ব থেঙ্‌-নদুন পৃথীবীগী মফম্‌ খুদীঙ্‌দ মসীগী কান্নব অসী উত্‌খীবনী। অদু ওইরবদী 0 (zero) অসী ভারত্‌ন পুথোক্‌প তারে। ৱাকম্‌ অসী পৃথীবীগী লৈবাক্‌ অতৈনসু য়ানরে।

মতাঙ্‌ অসীদ লুরীবদী 0 (zero) অসী সীজীন্নব হৌখীবদী অখং-অহৈ খীজীল্লবসীঙ্‌গী ৱাকম্‌ মতুঙ্‌ ইন্‌ন মখাদ পীজরী :—

0 (zero) অসী মেসোপতমীয়াদ 500 B.C. দগী 500 A.D. ফাউবদ মসক্‌ থংখী অমসুং সীজীন্নখী হাইরী।

ময়াইথংব আমেরীকাদ 100 B.C. দগী 100 A D. ফাউবগী মমুঙ্‌দ সীজীন্নব হৌই হাইরী।

ভারত্‌ন 500 A.D. ফাউবদগী সীজীন্নব হৌই হাইরী। ভারত্‌ন পুথোক্‌ই হাইরগ মসীবু সীজীন্‌নবদী ভারত্‌ন কোল্লে। অদুগী মথক্‌ত শূন্য অমদী জেরো হাইবসী মসীগী চপ্‌চাব ৱাহন্‌থোক নত্‌তে হাইবসী মসীবু সীজীন্‌নরীব মওঙ্‌ অসীনসু তাক্‌লে, হাইবগী ৱাহন্‌থোক্‌তী মসী অহাঙ্‌ব নত্‌তে মপুঙ্‌ ফারব্‌পনী হাইদুন মথক্‌ত হাইজখরে।

অমুক্‌সু নৈনসী ☆ হাইরীব খুদম্‌ অসী কনাগীনো খীরসী। মসী কংলৈপাক্‌কী পল্‌লান্‌দবী লৈই হাইব লাই—তীন্‌ চংসীল্‌লক্‌প ওম্‌দে হাইরীব ঐখোইগী ইপা-ইপুসীঙ্‌ন সীজীন্‌নরম্‌ব খুদম্‌নী।

অমুক্‌সু য়েঙ্‌বীয়ু 0 অসী মীতৈনদী ফুন্‌ হাইন কৌই। মসী অহাঙ্‌ব নত্‌তে অমদগী হৌরগ তরা মপুঙ্‌ ফারক্‌প অদুদগী অসুম্‌ অসুম্‌ চাউখত্‌খীব মখে অমদগী তরা তরাদগী চাম, চামদগী লীসীঙ্‌ হাইদুন মসীঙ্‌ থংহেন্‌ হেন্‌গত্‌পনচীঙ্‌ব মসীগী ৱান্না ৱাখোঙ্‌ অসী চৈসীঙ ৭—৭০ ফাউব ওইরকপগী ৱারী মথক্‌ত পন্‌জখীব অদু হংগত্‌না য়েঙ্‌বীয়ু।

0 ফুন্‌ সীজীন্‌নব হৌবগী ৱাসী কংলৈপাক্‌কী ওইনদী চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ হেক্‌ পুথোক্‌লক্‌প অসীগ সাগোননরক্‌পগী খুদম্‌ ফংই।

সমন হাইজরবদ 0 ফুনগী চপ্‌চাব ৱাহনথোক্‌ পীব ওম্‌ব লোইনম মাগী হৌরক্‌পগী ৱারী-ৱাখোঙ্‌ ফজন পীব ওম্‌বসী কংলৈপাক্‌ মথন্‌তনী হাইবসীগী খুদম্‌-চাঙ্‌দম্‌ অমদী পান্‌দম্‌ ফংলে। মরম্‌সীঙ্‌ অসীন তাক্‌পদী 0 ফুন্‌ অসী কংলৈপাক্‌ অসীন্‌ পুথোক্‌পনী। মরম্‌সীন শূন্য—জেরো হাইবগী মহুত্‌ত ফুন্‌ হাইগনী। মীয়োম্‌অ ৱাল্লে পীগে হাইরবসু ফুন্‌গ চানব পুরন হাইগেরা FULL হাইগেদ্রা হাইব ভাই।

ঙসীগী কংলৈপাক্‌, অসী মীগী খুত্‌চোই চাহুন হীঙ্‌বগুম্‌, ভৌমীব অসী উরুয়গ মাঙ্‌লম্‌চত্‌সু হন্‌থন লৈরম্‌গনী হেক্‌ খন্‌বীবদী লান্‌গনী। মসী থংবীগে হাইব্রবদী কংলৈপাক্‌কী মীহোয়োন্‌ পুরামী নৈনবীয়ু।

চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ সীজীন্‌নব :—

অমদ ফুন্‌ ১০ নী তয়া অসী তংখাইনী।
১০ দা ২ না ফুরগ=২০ কুন্‌ ওই।
২০ দা ২ না ফুরগ=৪০ নীফু ওই।
২০ দা ৩ না ফুরগ=৬০ হুমফু ওই।
২০ দা ৪ না ফুরগ=৮০ মরীফু ওই।
২০ দা ৫ না ফুরগ=১০০ চাম ওই।

৫০ য়াঙ্‌খৈ অসী ১০০ গী তঙ্‌খাইনী। য়াঙ্‌ ওইন তংখাই খাইদোক্‌ই হাইহুন য়াঙ্‌খৈ কৌই।

অহান্‌বদ ফুজীন্‌নব হাইবদগী মমৈদ ফুরীব, মমৈথংদ পুরীব হাইন কৌনখী।
চৈ থেক্‌ থেক্‌তুন মসীঙ্‌ থাই হাইবগী চৈসীঙ্‌ কৌই হাইখরে।
চৈ তয়েত্‌ তয়েত্‌না সাব অহুবু চৈঙন্‌ (চৈয়োন্‌) অম কৌই।
মুমীত্‌ ৩৬৫ নীন চহী অম কৌই।

চৈ মপুন্‌ তয়েত্‌ তয়েত্‌ন সাব অহু স্থম্‌ চাদনব লীন মহুত্‌ সীন্‌খী লী মকক্‌ মকক্‌ ককতুন সীজীন্‌নৈ। লী মকক্‌ লীসীঙ্‌ অম কাবদ মপুন্‌ পুন্‌সীন্‌হুন মহুবু লীসীঙ্‌ অম কৌখী।

লীসীঙ্‌দগী লাখ ফাউবগী মসীঙ্‌তমক্‌ লৈরম্‌ই।
লাখ অমদগী হেন্‌ব চৈসীঙ্‌ সীজীন্‌নরম্‌বগী খুদম্‌ লৈরম্‌দে।

অস্থম্‌ন চৈসীঙ্‌সীঙ্‌গী মতেঙ্‌ন তীন্‌সীন্‌ব, খাইদোক্‌প, পুরীব অমদী য়েন্‌নব অসীনচাঙ্‌ব অংকগী থবক্‌ কয়া পাঙ্‌থোক্‌খী।

থা তয়ানীথোইগী মমীঙ্‌ থোন্‌খীব

মথক্‌ত পলেম্‌ ইমান থা তয়া নাউপুবগী, নবাগী মীতম্‌লক্‌পগী তোঙান্‌ তোঙান্‌ব সক্‌তম্‌ লৌহুন চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ তয়া পুথোক্‌খরে। হাইরীব থা তয়া নাউপুরীব অসীগী মরু অহু ইপাগী পুক্‌-মুঙ্‌দ থা অনী চংন সাগত্‌লক্‌পনী মসীবু ইপাগী খুত্‌ত পুব থা অনী কৌই। হাইরীব অহোব থা অনী ইপান সজীক্‌ ফুহুন হাইবদী চা-থক্‌তুন মচী ফুগত্‌লক্‌পবু সজীফু হাইন থংনখী অহুদগী মতম্‌ থর কান্‌নন মচী-মরু অহু লেন্‌হুন লৈ হাইবগী মহুবু কালেন্‌ হাইন মীঙ্‌গোখী। হাইরীব সজীফু, কালেন্‌ হাইরীব থা অনী অসী ইপাগী খুত্‌ত পুরক্‌প থা অনীনী।

সজীফু, কালেন্‌গী মতুঙ্‌ থা অহুম্‌ স্থবদ পলেম্‌গী পীবুক্‌মুঙ্‌দ কুম্‌তম্‌লে হাইবদী তাইবং মীতম্‌ লাক্‌প হৌখরে। ইপাদগী ইমাদ ই অহু ঙাসীল্‌লবগী রাহন্‌ লৌহুন ইঙা থা হাইন কৌখরে। ইঙা থাদ কুম্‌দম্‌খীব অহু মরীস্থব থাদ কুম্‌থাইরে হাইবদী মীতম্‌ অহু চাউখত্‌লক্‌লে, ই অহু ঙাল্‌লে হাইহুন

ইঙা থা কৌথরে। মঙাসুব থাদ মীতম্ অদু থরাই মীহুন, চোঙ.লে, চন্না বাল্লে হাইবগী রাহন.দগী থবাল্ হাইন কৌনখী। তরুক.সুব থা অসীদ মীতম, অদুগী পল, অম লান্থোক.ই নরাগী মীতম, মপুঙ, কারে নরা অম ওইরে লাঙ.ফম, অম লান.থোক.লে হাইবগী রাহন.দ লাঙ.পল হাইন কৌনখী। তরেত্সুব থা অসীদ তাইবঙ.লোম্দ মাই ওল.লক.লে হাইবগী রাহন্দ মেরা হাইন কৌথরে। নীপাল্-সুব থাদ নবা অতগী মসা অদু হীগী মঙঙ.গুম্ই হাইদুন হীয়াঙ.কৈ কৌনখী। মাপল.সুব থাদ নবা অদু নীঙ.-মাঙ পোত.পা চারে মান.নরে হাইদুন পোইসু হাইন কৌনখী। তরাসুব থা অসীদ নবাগী মীতম্ অদু থেক.চীল.লী, চীঙ.সীল.লী হাইদুন বাক.চীঙ, হাইন কৌনখী। তরামাথোইসুব থাদ মীতম, অদু অমুক, তীঙ.থোরক্তুন থোক.নবগী মুমীত্ য়েঙ.দুন ফাইদুন লৈ হাইদুন ফাইরেন, কৌনখী। তরানী-থোইসুব থা অসীদদী নবা অদু লম, অহাঙ্বদ তারক.লে (অঙাঙ, গোক্লে) হাইদুন লম.তা হাইন কৌনখী। অসুম্ন থা তরানীথোইগী মমীঙ, থোন.খী।

খোন.থোক্কী খুজীঙ, অমসুং তাঙ.কক্

খোন.থোক.কী খুজীঙ (MORPHEME)

খোন্জেল.গী খুজীঙ (Phoneme) গী রাফম্ মথক.ত নৈনথরে। নীঙ.সীঙ.ব য়াই খোন্জেলগী খুজীঙ, হাইবদী খোন.জেন.গী খ্বাইদগী পীক.থব সরুক, মচেত্ অদুবুনী। মদুগী মহুত্সীন.ব অয়েক.প খুদম, অদুবু ময়েক, কৌথরে।

খোন.থোক.কী খুজীঙ, হাইবসীদী য়ারা অমগী খোন.থোক.কী খ্বাইদগী পীক.থব খুজীঙ, অদুবু খোন্থোক.কী খুজীঙ, কৌই। মদুদী :—

মখোই—ম+খোই	খোন.থোক.কী খুজীঙ অনী লৈ।
মখোইগী—ম+খোই+গী	খোন.থোক.কী খুজীঙ, অহুম, লৈ।

ঐ, নং, মা—হাইবসী খোন.থোক.কী খুজীঙ, অমম্মম্ত লৈনৈ। অসুম্ন য়ারা অমদ খোন.-থোক.কী খুজীঙ, অমত্ত লৈব য়াই, ময়াম, লৈবসু য়াই। সম.ন হাইরবদ থোক.লীব খোন.থোক, অদুগী খ্বাইদগী পীক.ল পীক্লব খুজীঙ, অদুতবু লৌগনী।

খোন.থোক.কী তাঙ.কক (SYLLABLE)

খোন্থোক্কী খুজীঙ.দগী থম পোখত.প খুজীঙ্ নত্তব তাঙ.কক্ হাইবদী খোন্থোক্কী তাঙ.কক্ অদুবু খোন্থোক.কী তাঙ.কক (Syllable) কৌই। মদুদী মখোইদুগী হাইবসীদ মখোই+'দুগী হাইব তাঙ.কক, অনীদ মরে।

মতাঙ, অসীদ নীঙ.সীঙ্ব য়াবদী (১) খোন্জেল.গী খুজীঙ, হাইব অম, (৩) খোন্থোক্কী খুজীঙ, হাইব অম অদুগ (৩) খোন.থোক্কী তাঙ.কক, হাইব অম অহুম্ অসীগী খেত.নবসী য়েঙ.সী :—

(১) খোন্‌জেল্‌গী খুজীঙ্‌—মখোইতুগী—ম+খ+ও+ই+দ+উ+গ+ই ;
মসীদ খোন্‌জেল্‌গী খ্‌বাইদগী পীক্‌প খুজীঙ্‌ নীপাল্‌ লৈ

(২) খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌—মখোইতুগী—ম+খোই+'তু+গী ;
মসীদ খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌ মরী লৈ।

(৩) খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্‌—মখোইতুগী—মখোই+'তুগী ;
মসীদ খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্‌ অনী লৈ।

ইনুঙ্‌য়েক্‌ অমসু খুনুঙ্‌য়েক্‌কী খোন্‌থোক্‌

মীতৈ ইনুঙ্‌য়েক্‌ (Vowel)—ꯑ, ꯏ, ꯎ

খোন্‌থোক্‌ ময়েক্‌—ꯑꯥ, ꯑꯦ, ꯑꯩ, ꯑꯣ, ꯑꯧ, ꯑꯪ ;

খোন্‌থোক্‌ ময়েক্‌সীঙ অসী 'ꯑ' ইয়েক্‌ত খোন্‌থোক্‌ তানব চৈতপ, তপ্‌সীন্‌তুন সেম্‌বনী মখোই অসী ইয়েক্‌কী মসীঙ্‌গী মনুঙ্‌ চন্‌দে। অতুন ইনুঙ্‌য়েক্‌ অহুম্‌তনী।

ইনুঙ্‌য়েক্‌ অসী নীঙসাগী ইচেল্‌ তীঙ্‌ন হাইদোক্‌প মরম্‌ন হাইদোক্‌প মতম্‌দ মুন্‌ন তাবগী মথৌ তাই। খোন্‌জেল্‌ অসী য়াম্‌ন সান্‌ন অমদী লাউন হাইব য়াই। মখোই অসী হাইদোক্‌প মতম্‌দ লৈগী ফীবম্‌, চীন্‌বান্‌গী মওঙ মুন্‌ন নৈনব মথৌ তাই।

(ক) লৈগী সরুক্‌—
(১) লৈতোন্‌ (২) লৈয়াই (৩) লৈখোঙ্‌, লৈ রাঙ্‌খত্‌প অমসু নেম্‌থবগী মওঙ্‌।

(খ) চীন্‌বান্‌গী মওঙ্‌—
(১) চীন্‌বান্‌ খুজীন্‌ব (২) চীন্‌বান্‌ কাব (৩) চীন্‌বান্‌ য়াম্‌ন কাব (৪) চীনবান্‌ কোইন লৈব।

চীন্‌বান্‌ কোইদব — ꯏ, ꯑꯦ, ꯑ, ꯑꯥ ;
চীন্‌বান্‌ কোইব — ꯎ, ꯑꯣ, ꯑꯧ।


'লৈ' অমসু চীন,বান,গী মওং

(১) লৈ রাঙ,থত,প চীন্‌বান, খুজীন,ব—
(CLOSE) →

(২) লৈ খাদ খর নম্‌থব চীন,বান, খর কাব—
(HALF CLOSE) →

(৩) লৈ খাদ খর হেন,ন নম্‌থব—
(HALF OPEN) →

(৪) লৈ কয়া কাঙ,দব চীন্‌বান, হেন,ন ফন,ব—
(OPEN) →



[illegible]—

꯱। [illegible]—Wine pipe.

꯲। [illegible]—Gullet.

꯳। [illegible]—Vocal chord

꯴। [illegible]—Epigllottis

꯵। [illegible]—Larynx.

꯶। [illegible]—Uvula.

꯷। [illegible]—Soft palate.

꯸। [illegible]—Palate.

꯹। [illegible]—Alveola.

꯱꯰। [illegible]—Teeth.

꯱꯱। [illegible]—Lips.

꯱꯲। [illegible]—Tips of tongue.

꯱꯳। [illegible]—Middle of tongue.

꯱꯴। [illegible]—Back of tongue.

꯱꯵। [illegible]—Nayal cavity.

ORGANS OF SPEECH

[illegible]—꯵ [illegible]

[illegible]—꯱꯵ [illegible]

[illegible]—꯸ [illegible]

[illegible]—꯳ [illegible]

[illegible]—꯱꯰ [illegible]

[illegible]—꯱꯱ [illegible]

[illegible] ॥

—□—

চাইদুন লৈরীব মীতৈ ময়েক্সীঙ.

তাঙ্ ১৩।৩।৫৮—১৫।২।৫৯ ইংগী মীতৈ ময়েক্ পুথোক্নবগী ফম্থীব মীফম্সীঙ.দ অথং-অহৈসীঙ.ন পুথোক.নরক্.প ময়েঙ.সীঙ. অহুদগী সক.মান্.নদব ময়েক.মথৈ খন.গত.তুন পুথোক.চব।

ক	[illegible]
খ	[illegible]
গ	[illegible]
ঘ	[illegible]
ঙ	[illegible]
চ	[illegible]
ছ	[illegible]
জ	[illegible]
ঝ	[illegible]
ঞ	[illegible]
ট	[illegible]
ঠ	[illegible]
ড	[illegible]
ঢ	[illegible]
ণ	[illegible]
ত	[illegible]
থ	[illegible]
দ	[illegible]
ধ	[illegible]
ন	[illegible]
প	[illegible]
ফ	[illegible]
ব	[illegible]
ভ	[illegible]
ম	[illegible]
য	[illegible]
র	[illegible]
ল	[illegible]
ৱ	[illegible]
শ	[illegible]
ষ	[illegible]
স	[illegible]
হ	[illegible]
ক্ষ	[illegible]

অ	[illegible]
আ	[illegible]
ই	[illegible]
ঈ	[illegible]
উ	[illegible]
ঊ	[illegible]
ঋ	[illegible]
ৠ	[illegible]
ঌ	[illegible]
ৡ	[illegible]
এ	[illegible]
ঐ	[illegible]
ও	[illegible]
ঔ	[illegible]
অং	[illegible]
অঃ	[illegible]

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	10

ইয়েক্কী ৱায়েল্ মপুদী
মীতৈলোন.ন ওইখী

লোন্ন ইমানী, ময়েক.ন ইপানী
অসেঙ.ব ইপাদী ইমাতন থংব ঙম্মই।

বংগালা ময়েক.ত লৈব ময়েক্ খুদীঙ.মক.কী মীতৈ ময়েক.তসু সেম.-সাহুন লোইনমক্ পুথোক.লম.ব অসীথক.তনসু ময়াম.সী মীগী মতৌ তম.বনী, মীখুত, চংলে হাইব অহু মসান তাক.চরে। কাইনথংদ No. 1/2/78-SS/E dt. 16-4-1980 দা ময়েক্ কুন.তরেত.পু মীতৈ ময়েক্ ওইন সরকারন সক.খংখী লোইনন সরকারগী মহৈ লোইসঙ.সীঙ.দ তরুক.সুব ক্লাস.তগী তম.ব হৌহন.খরে। হৌজীক্ ফাউবদ সরকারগী ফীরেপ্.ত অহোঙ.ব অমত.ত লৈতে।

(অনীশুব তাঙ্‌কক্‌)

(২) ৱাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌
(ETYMOLOGY)

য়াৱাগী মরম্‌দ নৈনব—


য়াৱাগী মরম্‌দ নৈনব :—মথক্‌ত খোন্‌থোক, মচেত, মচেত্‌কী মহুত্‌সীন্‌ব খুদম, অহু ময়েক্‌নী হাইখরে। হাইরীব খোন্‌থোক, মচেত, মাচত্‌সীঙ অহু পুন্‌সীন্‌বদ মহুগী ৱাহন্‌থোক, লৈরবদী মহুবু য়াৱা কৌই। অহুগ ৱাহন্‌থোক্‌ লৈতরবদী মহুবু য়াৱা কৌদে।

মহুদী :—ক+ঙ+ব=কঙব ; মসী ৱাহনথোক, লৈ অহুন য়াৱা অমনী।
ম+ক+ক্‌=মকক্‌ ; মসী ৱাহনথোক, লৈতে অহুন য়াৱা নঙ্‌তে।

ৱাহন্‌থোক, লৈতবগী মরম্‌দ লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌ন নৈনদে।

য়াৱাবু ৱাহৈ হাইন খংনব চুম্‌দে, মরম্‌দী ৱাহৈ হাইবসী 'ৱা' অহু মহৈ য়াল্‌লব হাইবদী ৱাহন্‌থোক্‌ মপুঙ ফারব হাইবনী। ৱাহন্‌থোক্‌পু মপুঙ ফারবদী মহুবু ৱাহৈ পরেঙ কৌই। য়াৱা সেম্‌গত, সাগত্‌পগী থীলেল্‌ অহুবু ৱাপোক্‌লোন থীলেল কৌই।

য়াৱাগী কাঙ্‌লুপ
(GROUP OF WORDS)



অসেঙ.ব য়াৱা—মসান হান.নদগী লৈজরক.লব, করীগুম্‌ব তপ.সীন.ব অমদী নপ.সীন.নব য়াউব য়াৱা অহূবু অসেঙ.ব য়াৱা কৌই। মতূদী :—

মী, সা, তুরেন. অসীনচীঙ.ব।

অসেম্‌ব য়াৱা :—ৱাতপ., চৈতপ. অমদী ৱাতীন্‌নহূন অনৌব য়াৱা অম থোক্‌হনব, সেম্‌ব অহূবু অসেম্‌ব য়াৱা কৌই। মতূদী :—


ম-খুত.=মখুত., লম্‌+অতোঙ.ব=লম.তোঙ.=লমদোঙ., নীঙ.থৌগী মচা=নীঙ.থৌমচা অসীনচীঙ.ব।

ৱাতপ. (AFFIX)

(১) ৱাতপ. :—য়াৱা অমগী মমাঙ.দ নত.তরগ মতুঙ.দ করীগুম্‌ব খর তপ.সীন্‌-নপ.সীন্‌নহূন সেম্‌ব য়াৱা অহূবু ৱা অহূ য়াৱাদ তপ.সীল্‌লী হাইহূন মহূবু ৱাতপ. কৌই। মতূদী :—

ন-খুত.=নখুত., লাই-লেন্‌=লাইলেন্‌=লাইরেন্‌।

ৱাতপ.কী মখল.
(KIND OF AFFIX)



মাঙ.তপ. খর :— (PREFIX—য়াৱাগী মাঙ.দ তপ.প)

অ-রুম্‌ব=অরুম্‌ব ;	অ-খাব=অখাব ;	অ-য়াক্‌প=অয়াক্‌প ;
ই-য়ুম্‌=ইয়ুম্‌ ;	ই-মাই=ইমাই ;	ই-খোম্‌ব=ইখোম্‌ব ;
ন-খোঙ.=নখোঙ. ;	ন-য়ুম্‌=নয়ুম্‌ ;	ন-চাক্‌=নচাক্‌ ;
ম-কোই=মকোই ;	ম-য়ুম্‌=ময়ুম্‌ ;	ম-তুঙ.=মতুঙ. ;

তুঙ.তপ. খর :—(SUFFIX—তুঙ.দ তপ.প)

(ক) ৱারুতপ. খর—মরু=Root ৱারুগী মতুঙ.দ তপ.প।

কদব, গদব, লব অমসুং রব তপ.প :

কদব—চত.কদব, থত.কদব, পত.কদব, মত.কদব, সাত.কদব ;
গদব—কাগদব, খাগদব, চম্গদব, রাইগদব, হান্গদব ;
লব —কম্লব, খাম্লব, তল্লব, মাল.লব, হাল.লব ;
রব —উরব, কারব, চারব, তারব, ফারব ;

রাতপ. অনী থোন.ব—

লক্কদব, লম্লব, রম্লব :

লক.কদব—কম.লক.কদব, খম.লক.কদব, তাল.লক.কদব, হল.লক.কদব ;
রক.কদব—কারক.কদব, চারক.কদব, পারক.কদব, হারক.কদব ;
লম্লব —কাল.লম্লব, চত.লম.লব, পাল.লম.লব, হল.লম.লব ;

রা-তুঙ.তপ. খর—(SUFFIX)

লেন.-রেন. :—চাক.লেন., উন.লেন., ফৌলেন.-ফৌরেন., লাইলেন.-লাইরেন., নীঙ.থৌলেন.-নীংথৌরেন.।

কুম.ব-গুম.ব :—ঐহাক.কুম.ব=ঐগুম.ব, মহাক.কুম.ব=মাগুম.ব, নহাক.কুম.ব=নংগুম.ব, নখোইগুম.ব, মখোইগুম.ব।

লক.-রক. :—অমুক.লক.-অনীরক., অহুম.লক.-মরীরক., তরুক.লক.-তরেৎ.লক., নীপাল.লক.-তরারক.।

খোন্তীন.নব
(COMBINATION OF LETTERS)

(২) খোন.তীন.নব :—

খুদোঙ.চাব য়েঙ.হুন খোন.থোক. তেন.সীন.ব, বনান. চুঙ.সীন.নরগ খোন.থোক. তেন.সীন.ন হাইববু খোন.তীন.নব কৌই। মতুদী :—মখোই+অহু=মখোইহু=মখোইদো।

খোন.তীন.নবগী মখল্
(COMBINATION OF LETTERS)

(১) | (২)

ইনুঙ.য়েক. মসেল্ তীন.নব
(Combination of Vowels)
অনী+অহু=অনীহু

খুমুঙ.য়েক.ক তীন.নব
(Joining of Consonent)
রা+মচেত.—রাচেত।

ইনুঙ.য়েক্ মসেল্ তীন.নব খর
(COMBINATION OF VOWELS)

মচা + অহু = মচাহু—মচাদো ; তাদ + অহন, = তাদহন,—তাধন, ;
মখোই + অহু = মখোইহু—মখোইদো ; মখোই + অনী = মখোইনী—মবানী ;
ইনাউ + অতোম্ব = ইনাউতোম্ব—ইনাউতোন্ ; ঐখোই + অনী = ঐখোইনী—ইবানী ;

ইনুঙ,য়েক্ অনী তীন.নবদ অকোন,বগী 'অ' অসী মাঙ,খী।

ইমাই + ইবুঙ,ঙো = ইমাইবুঙ,ঙো ; ইনে + ইবেম্ম = ইনেবেম,ম—ইনেম,ম ;
ইচে + ইবেম,ম = ইচেবেম,ম—ইচেম্ম ; খুরা + ইবুঙ,ঙো = খুরাইবুঙ,ঙো—খুরাইঙো ;
ইপল্ + ইবুঙ,ঙো = ইপল্বুঙ,ঙো—ইপল,ঙো ; চাউব + ইবুঙ,ঙো = চাউবুঙ,ঙো—চাউঙো ;

মরী-মতা খংনবগী মতাঙ,দ অকোন,ব য়ারাগী মকোক্থংব ই অহু মাঙ,ই।

খত,ন + ই = খত,নৈ ; ফুন্ + ই = ফুনৈ ; কাইন + ই = কাইনৈ ;
ওইজ + ই = ওইজৈ ; ঙম,জ + ই = ঙমজৈ ; পাম,জ + ই = পামৈ ;
পেন,জ + ই = পেন,জৈ ; চাজ + ই = চাজৈ ; হাইজ + ই = হাইজৈ।

অহান,ব য়ারাগী অয়োইব খোন,থোক্ত য়াউব 'অ' অহুগ অকোন,ব য়াবাগী অহৌব ই অনীহুন চৈনপ, ওল,লী।

রা + অচৌব = রাজাউ ; উ + অচৌব = উজাউ ; লৈ + অপাক্প = লৈপাক ;
চীঙ, + অচৌব = চীঙ,জাউ ; মী + অচৌব = মীজাউ ; পাত, + অচৌব = পাত,চাউ ;
কী + অসাঙ,ব = কীসাঙ, ; চু + অসাঙ,ব = চুসাঙ, ; উ + অকংব = উকং।

ইনুঙ,য়েক, খরদী খোন,থোক, মুঙ,ঙাইব য়েঙ,হুন তীন,সীন,নৈ।

খুনুঙ.য়েক্ক তীন.নব খর
(COMBINATION OF CONSONANT)

কী + মতোন্ = কীতোন,—কীদোন, ; লু + মতোল, = লুতোল, ;
খুত, + মতুম, = খুত,তুম,—খুহুম ; নৌ + মতোল, = নৌতোল, ;
চীঙ, + মতোল, = চীঙ,তোল,—চীঙদোল, ; উ + মতোল, = উতোল, ;
য়োত, + মখোক, = য়োত,খোক,—য়োখোক, ; য়োত, + মপাক, = য়োত,পাক, ;
খোঙ, + মখুল, = খোঙ,খুল,—খোঙ,গুল, ; খোঙ, + মপাক, = খোঙ,পাক,।

অকোন্ব য়ারাগী 'ম' অসী মাঙ,লগ খোন্থোক, তেন,সীল,লী।

খুন্ + তাঙ.ব = খুনতাঙ.ব—খুন্দাঙ.ব ; লন্ + তানব = লনতানব—লন্দান্.ব ;
মুম + তাঙ.ব = মুম্‌তাঙ.ব—মুম্দাঙ.ব ; লন্. + তান.ব = লন.তান.ব—লন.দান্.ব।

ন, ম, গী মথাদ লাক্.প 'ত' গী খোন.থোক্. 'দ' ওন.থোক্‌ই, ত অহুম্ থম্‌লবদী বাহন.থোক্ কজন নৈ, দ ওন.থরবদী বাহন.থোক্. মাঙ.ই অহুবু চত্.নবদী অহুম্. চত্.নৈ।

থত্. + চব = থত্.চব—(থচচব) ; হাঙ্. + চব = হাত্.চব—(হাচচব) ;
কত্. + চব = কত্.চব—(কচচব) ; লাত্. + চব = লাত্.চব—(লাচচব) ;
চত্. + চব = চত্.চব = (চচচব) ; হুত্. + চব = হুত্.চব—(হুচচব)।

ত নত্.তরগ ত্. গী মথাদ 'চ' লাক্‌লবদী ত গী মহুত্.ত চ ওন্.ব মওঙ্. অসী সংস.কৃত্.কী মতৌ ভম্‌বনী ওন.ফম্. থোক্.তে।

থক্. + সীন.ব = থক্.চীন্.ব ; ফম্. + সীন.ব = ফম্‌জীন্.ব ;
খাই + সীন.ব = খাইজীন্.ব ; ফক্. + সীন.ব = ফক্‌চীন্.ব ;
ফু + সীন.ব = ফুজীন.ব ; সম্. + সীন.ব = সম্‌জীন্.ব ;

সীন.ব হাইব বাতপ.কী 'স' অসী 'চ' নত্.তরগ 'জ' ওন.হুন তীন.সীন.নৈ।

খোন্.তীননব অসী সংস.কৃত্.কুম্‌ন অকক্‌নব পান.দম্. অমন পুন্.হুন থম্‌ব ভম্‌দে, খোন্.থোক্‌কী খুদোঙ.চাব য়েঙ.হুন সেম্‌ই। চত্.নবীবু লোন্.চত্. পথাপ.ন নম্.হুন মান পাম্.ব মতুঙ্.ইন্.ন হোঙ.দোক্.প ভম্.দে হাইবহু অসিরাইদসু লৈরে।

বাতীন্.নব (COMPOUND WORD)

৩। বাতীন্.নব :—

য়াবা মসেল্ বাহন্.থোক্. কাইহন্.দন চান-চানব য়েঙ.হুন তীন্.সীন্.নরগ নত্.তরগ চানব বাহন্. লৈব য়াবা অমন মহুত্. সীন্.হুন তেন.সীন্.ন হাইব অহুবু বাতীন্.নব কৌই।

মহুদী :— চীঙ.দ লৈব মী = চীঙ.মী, জাত্.ভগী তারব = জাত্.তাব।

বাতীন্‌নবদ বাহন.থোক্. কাইহন্.দব হাইবদী য়াবা অনী নত্.তরগ অনীদগী হেন্.ব মথোয় পুনন তীন্.সীন্.নহুন য়াবা অমত্.ত ওইহল.লীব অহুদ পুল্.লীব য়ারাসীঙ. অহুন ফোঙ.দোক্‌লীব বাহন.সীঙ. অহুগ অমত্.ত ওইরীব য়াবা অহুগ বাহন্. চান্.নব ওইগদবনী হাইবনী।

খুদম্. ওইন হাইরবদ :—উপাক্.কী থোঙ = উপাক্.থোঙ., বাহন্. চানয়ে বাতীন্.নব য়ায়ে।

মসীদ—'থোঙ.উপাক্.' হাইরবদী বাহন্. চানদরে য়াদে হাইবনী।


মহুদী :—উপাক্.থোঙ. = উপাক্.ন সাব থোঙ. (উপাক্.কী থোঙ.)
থোঙ.উপাক্. = থোঙ. অহুগী উপাক্.।

নীঙ্.সীঙ.জব :—

১। খোন্‌তীন্.নব হাইবদী ময়েক্. মসেল্. তীন.সীন.নবনী ; মহুদী :—অনী + অহু = অনীহু।

২। বাতীন্‌নব হাইবসীন য়াবা মসেল্ পুন্‌সীন.নবনী ; মহুদী :—ইমা অমসু ইপা = ইমা-ইপা।

ৱাতীন.নবগী মথল.
(KIND OF COMPOUND WORD)



(১) হোঙ.দব য়ারাগ তীন.নব ৱাতীন. : (Adverbical Compound)

পক.নরীব য়াৱা অনী অহুগী মতুঙ দ হোঙব লৈতব য়ারা অম য়াউব ৱাতীন. অহুবু হোঙ.দব য়ারাগ তীন.নব ৱাতীন. কৌই। মহুদী :— চহী-খুদীঙ., ঙম্ব-মখৈ।

খুদম. খর :— পুঙ.জা পুঙ.জা খুদীঙ.গী = পুঙ.জা খুদীঙ ;
থোথোক. থোথোক্ খুদীঙ.গী = থোথোক. খুদীঙ. ;
হেক্ উরীব মখৈ = উরী-মখৈ ;
হেক. সীরব ফাউব = সীর ফাউব ;
হীঙ.হুন লৈরীব ফাউব = হীঙ.লী ফাউব।

(২) নাক.য়েত. মরুওইব ৱাতীন. :—(Compilative Compound)

পক.নরীব য়াৱা অনী অহুমক. চাঙ. মান্নন মরু ওইব ৱাতীন. অহুবু নাক.-য়েত. মরুওইব ৱাতীন. কৌই। মহুদী :—ইমা অমসুং ইপা=ইমা-ইপা ; খম্ব অমসুং নোঙ.বান্=খম্ব-নোঙ.বান।

খুদম. খর :— মুপা অমসুং মুপী=মুপা-মুপী ; লাব অমসুং অমোম্=লাব-অমোম্ ;
মচা অমসুং মসু=মচা-মসু ; ফৌ অমসুং চেঙ.=ফৌ-চেঙ. ;
লৈসাবী অমসুং পাখং=লৈসা-পাখং ; হোঙ.ব অমসুং হোঙ.বী=হোঙব-হোঙ.বী।

(৩) অপান্নব অমবু তাক্প রাতীন. :— (Determinative Compound)

পক.নরীব য়াবা অনীছুন অপান.নব অমবু তাক.প রাতীন. অছুবু অপান.নব অমবু তাক.প রাতীন্ কৌই। মছুদী :—চাঙ.দ লৈব মী=চাঙ.মী, য়ুম্গী মপু=য়ুম্বু।

খুদম্ খর :— ঙাবু ফারীব মী=ঙাফাব ; তম্দ লৈব মী=তম্মী ;
য়ুম.বু সাব মী=য়ুমসাব ; জাত.তগী তারব=জাত.-তাব ;
সন.গী সং=সনসং ; সন.গীদমক.ত সঙ.=সন.সং ;
য়ুম.গী মপু=য়ুম.বু ; লৌগী মপু=লৌপু ;
ঘীগী মথী=ঘীথী ; সংগোম.গী মপাল্=সংগোম্মপান্

(৪) মতীক্ ময়াই তাক.পগ তীন.নব রাতীন. :— (Appositional Compound)

মতীঙ.-ময়াই তাক.প য়ারা অমগ তীন.নব রাতীন. অছুবু মতীক্ ময়াই তাক.পগ তীন.নব রাতীন. কৌই। মছুদী :—থম.বান. মান.ব মাইথোঙ.=মাইথোঙ.-থম.বাল্।

খুদম. খর :— চোইন চোইন তারব সম.লাঙ. = চোইজাইনব সম.লাঙ. ;
মোত.লব মনজুনরব ফী = মন.জুনব ফী ;
চোইন-চোইন তারবী লৈরাঙ. = চোইজাইনবী লৈরাঙ. ;
থোঙগুল্লক্ত তারবী লৈরাঙ. = থোঙ.গুল.লক্কী লৈরাঙ. ;
ফৈরা থক্ত তোঙ.লীব উচেক্ = ফৈরাথক্কী উচেক।

(৫) মসীঙ. খংনব য়াবাগ তীন.নব বাতীন. :— (Numerical Compound)

মসীঙ. খংনব য়ারা অমগ তীন্নব রাতীন্ অছুবু মসীঙ. খংনবগ তীন্নব রাতীন্ কৌই। মছুদী :— তরেত-তরেত.ন সাব থুত=তরেত. থুত.।

খুদম্ খর :— চাম চাম থীব মঙা=চাম্ঙা ; মী মঙাগী থোঙ.চত.=মঙাথোঙ.চত. ;
মরোল্ মরোল্ অছম্=মরোল্ অছম্ ; মুমীত. মসীঙ. তরেত.=মুমীত. তরেত ;
মী মপোত. তরেত.=মীপোত. তরেত. ; পানা মসীঙ. তরেত.=পানা তরেত. ;
থাঙ.জ মসীঙ. তরেত.=থাঙ.জ তরেত. ;
মচীল. মাপল. ফাঙ.ব লোঙ.=লোঙ.সা মাপল.।

(৬) তোঙান্ব অমবু খংহন্ব রাতীন্ :— (Relative Compound)

পক্নরীব য়ারা অনীমক্কী বাহন্ লৌদন অতোপ.প অমবু খংনব রাতীন্ অছুবু তোঙান্ব অমবু খংহন্ব রাতীন্ কৌই, মছুদী :—উদ তুব (হক্প) উচেক্=উতুবী।

খুদম্ খর:—উদ তাঙ.ছুন হৌব পাব.বী=উতাঙ.বী ; ঙা লাক.প উচেক.=ঙারাক.পী ;
চীঙ. মনুঙ.দ হুত.প=চীঙমুঙ.হুত. ; লৈপাক. ময়াম্ কীন্থব=লৈকীন.থবী ;
থোঙ. ঙাক.প লাই=থোঙারেন. ; চেক. চেক. থোঙ.ব উচেক.=চেক.লাউবী;
অতোঙ.ব লম.=লম তোঙ.—লম.দোঙ. ; অমুব লাই=লাইমু ;
কাচীন.দ লৈব লাই=কাচীন. লাই ; মথোঙ. নেম.ব হৈনৌ=হৈনৌ থোঙ.নেম.বী।

য়াৱাগী মখল.
(PARTS OF SPEECH)

(১) মীঙ.তাক্ (Noun)
(২) মীঙ.হুত. (Pronoun)
(৩) মতীক্ ময়াই তাক্‌প (Adjective)
(৪) থৌতাক্ (Verb)
(৫) থৌওঙ. তাক্‌প (Adverb)
(৬) মাতাই (Preposition)
(৭) মাপুন্ (Conjunction)
(৮) ফুঙ.ফোঙ. (Interjection)

(১) মীঙ.তাঙ. = Noun = বীসেস্য = সংজ্ঞা :

করীগুম্‌ব মমীঙ. অমব্ তাক.প য়াৱা অহুব্ (মীঙ.ব্ তাক.প) মীঙ.তাক. কৌই ;
মহুদী :—ইবোহল্, সংগোম্, লোক.তাক. অচৌব পাত.নী।

(২) মীঙ.হুত. = Pronoun = সরবনাম্ :

মীঙ.তাক. অমগী মহুত. সীনহুন সীজীন্‌নরীব য়াৱা অহুব্ (মীঙ.তাক্‌কী মহুত. সীন্‌ব) মীঙ.হুত. কৌই ; মহুদী :—ঐ, নং, মা, মখোই অসীনচীঙ.ব।

(৩) মতীক.-ময়াই তাক.প = Adjective = বীসেসন্ :

করীগুম্‌ব মীঙ.তাক. অমগী মতীক.-ময়াই (ফৈ-ফত.তে, কল.লী-কন.দে) তাক.প য়াৱা অহুব্ মতীক.-ময়াই তাক.প য়াৱা কৌই ; মহুদী :—ফজব, অথীব, অকন্‌ব অসীনচীঙ.ব।

(৪) থৌতাক. = Verb = ক্রীয়া :

করীগুম্‌ব অম তৌই-তৌদে, ওই-ওইদে হাইব থৌ অহুব্ তাক.প য়াৱা অহুব্ (থৌব্ তাক.প) থৌতাক. কৌই ;

মহুদী :—ঐ চাক. চাই, নং চত.তে, মা হল্‌লক.লে অসীনচীঙ.ব।

(৫) থৌওঙ. তাক.প = Adverb = ক্রীয়া বীসেসন্ :

করীগুম্‌ব থৌতাক. অহুন তৌই-তৌদে, ওই-ওইদে হাইরীব অহুগী ওইব-ওইদবনচীঙ.বগী তৌরীব থৌ অহুগী মওঙ. তাক.প য়াৱা অহুব্ থৌওঙ. তাক.প য়াৱা কৌই ;

মহুদী :—তপ.ন-তপ.ন চত.লী, থুন চেন্‌খ্রে, তোম্‌ব চাক. হাউন চারী।

(৬) মাতাই = Preposition = সম্বন্‌ধবোধক. :

করীগুম্‌ব য়াৱা অনীগী মরী তাক.তুন তাইসীন্‌নরীব (মাব্ তাইসীন.নরীব) য়াৱা অহুব্ মাতাই কৌই ;
মহুদী :—তোম্‌ব মমগী কাচীন.দ লোত.লী, পুখরী মপান.দ লৈ লাত.লী।

(৭) রাপুন. = Conjunction = সমুচই বোধক. :

করীগুম্ব য়ারাগ য়ারাগ নত.তরগ রাহৈ পরেঙ.গ রাহৈ পরেঙ.গ অনীবু পুন.সীন.নরীব (রা অনীবু পুন্সীল্লীব) রাহৈ অদুবু রাপুন. কৌই।

মদুদী :—চাউব অমস্নু তোম্ব চত.লী, য়াইম চত.খরে অদুগ তোম্ব লাক্লে অসীনচীঙ.ব।


(৮) মুঙ.ফোঙ = Interjection = বীসম্যাদীবোধক. :

করীগুম্ব পুক.নীঙ.গী ইহুল্ মুঙ.গী রা অদুবু হরাউন, ঙক.ন, অমদী কীনা ফোঙ.দোক.লীব য়ারা অদুবু (মুঙ.গী রা ফোঙ.দোক.প) মুঙ.ফোঙ. কৌই। মদুদী :—ও: ইহে ! ওহো ! অদুনীদনা !

(১) মীঙ.তাক. :—

মীঙ.তাক.কী মখল্


KIND OF NOUN



(২) মীঙ.হুত. :—


মীঙ.হুত.কী মখল্

KIND OF PRONOUN




(৩) মতীক. ময়াই তাক্‌প :

মতীক্ ময়াই তাকুপগী মখল্
KIND OF ADJECTIVE




(৪) থৌতাক. :—

থৌতাক.কী মখল.
KIND OF VERB



(৫) থৌওঙ. তাক.প :—

থৌওঙ. তাকুপগী মখল.
KIND OF ADVERB



মীঙ.তাক্কী পা-পী
GENDER

মীঙ.তাক্ অদু মুপানী 'পা' নী, মুপীনী 'পী' নী নত.তরগ পা-পী অপুন্বনী অমদী প্যা-পী খাইদে হাইব তাক্.প অদুবু মীঙ.তাক্.কী পা-পী হাইন কৌই। মতুদী :— চাউব হাইবসী মুপানী 'পা' নী, চাউবী হাইবসী মুপীনী 'পী' নী; অঙাঙ্ হাইবসী পা-পী অপুন্বনী, ফী হাইবসী প্যা-পী খাইদে।

মীঙ.তাক্.কী পা-পী (Gender)

(১)	(২)	(৩)	(৪)
পা (মুপা)	পী (মুপী)	প্যা-পী অপুন্ব	প্যা-পী খাইদব
Masculin Gender	Feminine Gender	Neuter Gender	Common Gender
চাউব, য়েম্বা	চাউবী, য়েম্বী	অঙাঙ., অহল্	ফী, লাইরীক্

পা-পীগী পুঙ.বা :—

থরাই পান্ব কাঙ.বুগীদী পা-পীগী পুঙ.বা লৈ। অতৈ থরাই প্যান্দবসীঙ.গীদী পা-পীগী পুঙ.বা খাইদে।

পা	—	পী	পা	—	পী
চাউব	—	চাউবী	তোম্ব	—	তোম্বী
সনাসাব	—	সনাসাবী	মাইব	—	মাইবী
হাউম্নব	—	হাউম্নবী	থোইব	—	থোইবী/থোইম্নু
অতোম্ব	—	অতোম্বী	হোঙ.ব	—	হোঙ.বী
অমুব	—	অমুবী	কারুব	—	কারুবী
লাইসব	—	লাইসবী	য়েম্বা	—	য়েম্বী
ইচাম্নুপা	—	ইচাম্নুপী	চীঙ.মুপা	—	চীঙ.মুপী

চৈতপ্ য়াউদব নত.তরগ আতপ্.ন লোম্ব পা খংনব খন্নদী বী, পী তপ্.সীন্নুন পী সেম্ই।

পা	—	পী	পা	—	পী
ইপা	—	ইমা	মবুঙ.	—	মচে
ইপল্	—	ইম্হান্	ইমান্	—	ইনে
ইয়াম্ব	—	ইচে	ইনাউ	—	ইচল্
খম্ব	—	খম্নু	পুরেম্ব	—	পুরেম্বী

মীঙ.গৌ-থাগৌ অমদী মরী-মতাসীঙ.গীদী থাক্ মানন্ব য়েঙ.তুন পুঙ.বা সেম্ই। পুঙ.বা অসী মতৈ-মনাউ তাব য়াউবগী বাতনী মতৈ-মনাউগী বাফম্ লৈতে।

পা	—	পী	পা	—	পী
সন্লাব	—	সন্ অমোম্	খুমু লাব	—	খুমু অমোম্
হুই লাব	—	হুই অমোম,	চোঙা লাব	—	চোঙা অমোম,
কৈ লাব	—	কৈ অমোম,	য়েন্ লাব	—	য়েন্ অমোম,
সন্ লাম,চা	—	সন্ হাতম,	য়েম,বা	—	য়েম,বী

সা-উচেক্সীঙ,গীদী পা খংনবদ লাব ; পী খংনবদ অমোম, তপ,তুন পুঙ,বা সেম ই। করীগুম,বদ লাম,চাগীদী হাতম, য়েম,বাগীদী য়েম,বী হাইনসু পুঙবা সেম,ই।

পা	—	পী	পা	—	পী
অরাথবী লাব	—	(অরাথবী অমোম,)	উবৈরোম, লাব	—	(উবৈরোম, অমোম,)
য়োঙ চাক্ লাব	—	(য়োঙ,চাক্ অমোম,)	মংগে লাব	—	(মংগে অমোম,)

উপাল-রাপাল্সীঙ,গীদী মহৈ য়ানব কাঙ,বুসীঙ,তগী পা-পী খাই। মহৈ য়ানদবমখৈন লাব হাইবগ মহৈ য়ান,বমখৈন অমোম, হাইতুন পা-পীগী পুঙ,বা সেম,ই। অদুবু অমোম্ হাইবসীদী কয়া চত,নদে।

পোত,-চৈ, থরাই পান,দবসীঙ,গীদী পা-পীগী পুঙ,বা খাইদে।

মীঙ,তাক, অমসুং মীঙ,হুত,কী মসীঙ,
(NUMBER)

লোন্ খরগী মতৌ তম,তুন মীতৈলোন,গী মীঙ,তাক, অমসুং মীঙ,হুত,কী মসীঙ, অসী অম খংনব অম, অমদগী হেল,লবদীময়াম,নী হাইতুন চত,নরী। তসেঙ,বদী অনী খংনব অসী পোপানী, লম,বানী মরম, অসীন অনী খংনব অসী ময়াম, চীঙ,দে, অনীদগী হেল,লবদী ময়াম, চীঙ,ই।

মীঙ,তাক্ অমসুং মীঙ,হুত্কী মসীঙ, (Number)

অম খংনব Singular Number	অনী খংনব (পোপা) Dual Number	ময়াম, খংনব Plural Number
অঙাঙ, অম, ঐ, নং ;	অঙাঙ, অনী, ইবানী, ঐখোইনী ;	অঙাঙ, ময়ামম্/অঙাঙ,সীঙ,, ঐখোই ময়াম,, নখোইসীঙ,।

মীঙ,তাক,কী মসীঙ, :—

অম খংনব	অনী খংনব/পোপা	ময়াম, খংনব
মী অম	মী অনী	মী ময়াম,/মীসীঙ,
য়েন্বা অম	য়েন্বা অনী	য়েন,বা ময়াম,/য়েন,বাসীঙ,
লাইরীক্ অম	লাইরীক্ অনী	লাইরীক, ময়াম,/লাইরীক,সীঙ,

মীঙ্‌.হুত্‌.কী মসীঙ্‌. :—

অম থংনব	অনী থংনব/পোপা	ময়াম্‌ থংনবা
ঐ	ঐখোইনী/ইবানী	ঐখোই ময়াম্‌/ঐখোইসীঙ্‌,
নং	নখোইনী/নবানী	নখোই ময়াম্‌/নখোইসীঙ্‌,
মা	মখোইনী/মবানী	মখোই ময়াম্‌/মখোইসীঙ্‌,
ইতোম্‌ত	ইবানীত	ঐখোই ময়াম্‌ত

মী অনী হাইবদ কনানসু ময়াম্‌ ওইন খন্‌দে, ঐখোইনী, ইবানী, নখোইনী, মবানী হাইবসী পোপাগী মওঙ্‌.নী অদুন অনী থংনব অম লৈফম্‌ থোকুই। অসুম্‌ন মীঙ্‌.তাক্‌ অমসুং মীঙ্‌.হুত্‌.কী মসীঙ্‌. অসী অহুম্‌ সুই।

না-পু তাক্‌প
CASE

মীঙ্‌.তাক্‌ নত্‌.তরগ মীঙ্‌.হুত্‌.কী মরী ঐননী, মাননী মখোইবুনী হাইবনচীঙ্‌.ব না-পু অদু থৌতাক্‌ নত্‌.তরগ অতোপ্‌.প য়াবা অমগ মরী লৈনব তাক্‌.প অদুবু মীঙ্‌.তাক্‌. অমদী মীঙ্‌.হুত্‌.কী না-পু তাক্‌প কৌই।

মতুদী :—মপান(না) মচাবু সীঙ্‌.নবগীদমক্‌. চৈন(না) ফুই।


কনান ফুবনো? মপাননী; কনাবুনো ফুরীববু? মচাবুনী; করীগী ফুরীবনো? সীঙ্‌.নবগীদমক্‌.; করীনা ফুরীবা? চৈন ফুরীবনী। অসুম্‌ন না-পু তাক্‌.ই।

না-পু তাক্‌.পগী মখল্‌ :—

(১)	থৌবুগী মরী	ন/না	Nominative Case	চাউবন(না) হাই।
(২)	থৌগী মরী	বু/পু	Objective Case	তোম্‌ববু ফুই।
(৩)	খুত্‌.লাইগী মরী	ন-না	Instrumental Case	থাঙ্‌.ন থবী খোক্‌.ই।
(৪)	ইসাগী (ওইবগী) মরী	গী-দমক্‌.	Dative Case	ইনাউগীদমক্‌. থাক্‌.ই।
(৫)	লোথোক্‌.পগী মরী	দগী-তগী	Ablative Case	চেঙ্‌.ফুদগী লোথোক্‌.পনী।
(৬)	মীতুগী মরী	গী-কী	Possassive Case	মাগী/মহাক্‌.কী পোত্‌.নী।
(৭)	মফম্‌গী মরী	দা-তা	Locative Case	ইমুঙ্‌.দ(দা) মী লৈ।

থৌতাক্‌.কী মতম্‌.
TENSE

চুম্‌নগী মতম্‌ হাইরবদী অয়ুক্‌., মুঙ্‌.থীল্‌, মুমীদাঙ্‌.গী রাফম্‌ লাক্‌.ই। থৌতাক্‌.কী মতম্‌ হাইবসীদী তৌরীব থবক্‌. অদু হৌজীক্‌. হৌজীক্‌. তৌরী, তৌব লোইখরে, কোন্‌ন নত্‌.তরগ তুঙ্‌.দ তৌগনী হাইব অদু তাক্‌.ই।



মতম্গী মওঙ. তাক.প :—

মতম্	ইচম্ চম.ব	মপুঙ. ফাদরীব	মপুঙ. ফারব
হৌজীক. ওইরীব মতম,	ঐ চত.লী	ঐ চত.তুন লৈরী	ঐ চত.লে
হৌখরব মতম,	ঐ চত.লে	ঐ চত.লম.ই	ঐ চত.খী
তুঙ.দ ওইরক্কদব মতম,	ঐ চত.কনী	ঐ চত.খীগনী	ঐ চত.প ঙম.খীনী

(৩) য়াহৈ কোলোই থীলেল্
(SYNTEX)

য়াবা মরাম. পরেঙ. লেঙ.সীনত্থন য়াহন্থোক্ মপুঙ. ফাহল্লগ য়াহৈ পরেঙ. সেম্.ই। য়াহৈ পরেঙ. সেম্.বগী মরম.দ নৈনব থীলেল্ অত্থু য়াহৈ কোলোই থীলেল, কৌই।

য়ায়া চবুন্ অমসু মথাপোন্ব বারেঙ : **The Phrases and Clauses :**

করীগুম.ব য়াহন্ মচেত, অমদী লৈব মত্থন মপুঙ.ফাব য়াহন্থোক.তী লৈতব য়াবা চবুন্ অমন য়ায়া মথল. অমগুম, থবক, তৌরবদী মত্থু য়াবা চবুন্ কৌই।

মত্থী :—মূল.লব টৈহৈ অম কেল.লে।

য়াৱা চবুন.গী মখল.
(KIND OF PHRASES)

(১)	(২)	(৩)
মীঙ.তাক্‌কী থবক. তৌব	মতীক্ ময়াই তাক্‌পগী থবক্ তৌব	থৌওঙ. তাক্‌পগী থবক্ তৌব
Noun Phrase	Adjective Phrase	Adverb Phrase
পুক.চেল. সেঙ.ব হাইবসী অফব মীগী সাজত.নী।	মহাক.ন ইরমুব লাইরীক. অদু অসীনী।	তপ.ন-তপ.ন চীক.ন চত.লীবসী কনানো ?

(১) মীঙ.তাক.কী থবক. তৌব : (Noun Phrase) :

য়াৱা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ মীঙ.তাক্ অমগুম্ সীজীন্নরবদী মদুবু মীঙ.তাক.কী থবক. তৌব য়াৱা চবুন্ কৌই। মদুদী :—অচুমব ঙাঙ.বসী মীওইবগী য়াইফবনী।

মুপাদুগী মসক.-মতৌ সাওঙ.-সাদা ঐ লোইন থংই।

লম.জেল্ থোইব অঙাঙ.দ মনা অসী পীবীয়ু।

(২) মতীক.-ময়াই তাক্‌পগী থবক. তৌব : (Adjective Phrase) :

য়াৱা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ মীঙ.তাক. অমগী মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক. তৌরবদী মদুবু মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক. তৌব য়াৱা চবুন্ কৌই।

মদুদী :—মতম. কুইন মাঙ.লুরব হুই অদু অসীনী।

মহাক.ন নীতৌগী তোঙ.লীব সাইকল. অদু অসীনী।

ফজ-ফজব, মচু-মচুগী লৈরাঙ.সীঙ. লৈকোন্‌দ সাত.লী।

(৩) থৌওঙ. তাক্‌পগী থবক. তৌব : (Adverb Phrase) :

য়াৱা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ থৌতাক অদুন তৌরীব থবক. অদুগী থৌওঙ. তাক.পগী থবক. তৌরবদী মদুবু থৌওঙ. তাক.পগী থবক. তৌব য়াৱা চবুন্ কৌই।

মদুদী :—লুখোইন লাঙ.গোল্ চীঙ.গী চীঙথকত কাখত.লমই।


হীদাক. অসী পুঙ. অহুম. অহুম্ কান্নরগ পীজবীয়ু।

মালঙ.বন তপ.ন-তপ.ন লীরী-লীরী সীত.লক.লে।

মথাপোন্ব ৱারেঙ,
(CLAUSE)

মথাপোন্ব ৱারেঙ, :—করীগুম্ব মপুঙ, ফাব ৱারেঙ, অম ফোঙ,দোক,পদ ৱাহৈ পরেঙ, অমদগী হেন্না পুন্সীন্নহন ফোঙ,দোক,লবদী মতুদ য়াউরীব ৱাহৈ পরেঙ,সীঙ, অতুবু মথাপোন্ব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই।

মতুদী :—ঐখোইদ ঙরাঙ, লাকলম্ই হাইব মুপা অতু অসীনী।
(ভেঙ,বাঙ,ব) (মরুওইব)



(১) মীঙ,তাক,কী থবক, তৌব :— (Noun Clause)

মথাপোন,ব ৱারেঙ, অতুবু করীগুম্ব মীঙ,তাক, অমগুম্ লৈরবদী মতুবু মীঙ,তাক্কী থবক, তৌব কৌই। মতুদী :—মীবু অমাঙ,বনী হাইব ৱাফম্সী গান্নীন য়ারম্দে।

য়াইম হোজাইদ চত,খীব অতু নং খংহৌবরা?

নহাক্না হাইরীব লাইরীক, অতু ঐন সোইদন পীগনী।

(২) মতীক,-মরাই তাক,পগী থবক, তৌব :— (Adjective Clause)

মথাপোন্ব ৱারেঙ, অতুন করীগুম্ব মীঙ,তাক, অমগী মতীক,-ময়াই তাক,পগী থবক, তৌরবদী মতুবু মতীক,-ময়াই তাক,পগী থবক, তৌব হাইন খংনৈ।

মতুদী :—নহাক,ন ফজে হাইব ফী অতু পাম্মই।

থবক,কী মরম্দ ফজন খংলব মী অমতং পাম্মই।

মচীন্ ইকাই কাইয়ে হাইব হুই অতু লাক,লে।

(৩) থৌওঙ্‌ তাক্‌পগী থবক্‌ তৌব :— (Adverb Clause)

মথাপোন্‌ব বারেঙ্‌ অতুন করীগুম্‌ব থৌতাক্‌ অমগী তৌরীব থৌওঙ্‌ অদু তাক্‌পগী থবক্‌ তৌরবদী মদুবু থৌওঙ্‌ তাক্‌পগী থবক্‌ তৌব কৌই।

মখুদী :—মহাক্‌ লাই য়েক্‌প হৈতে হাইরবদী মহাক্‌ থম্ভ ভম্‌বীরম্মু।

নংন মসীবু পাম্‌ই হাইরব ফাউবদ ঐ করীসু পাম্‌দে।

মান নংবু মুঙ্‌সীদে হাইরবদী ঐ মহাক্‌পু কৌনীঙ্‌দে।

য়ারা চবুন্‌ অমদী মথাপোন্‌ব য়ারেঙ্‌ অনীমক্‌সী য়ারা মথল্‌ খুদোঙ্‌মক্‌কী ওইন লৈব য়াই অদুবু মথক্‌কী অদুম্‌ অসীন মপুঙ্‌ ওই অতুন অতৈগী মরম্‌দদী নৈনদরে।

ৱাহৈ পরেঙ্‌
(SENTENCE)

ৱাহৈ :—ৱা = য়ারা ; হৈ = ৱাডগী মহৈ ; হাইবদী ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফারব হাইবনী। ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফারবদী মদুবু ৱারেঙ্‌ নত্তরগ ৱাহৈ পরেঙ্‌ কৌই। অদুম্‌ ওইদুনসু অয়াম্‌বন ৱাহৈগী ৱাহন্‌-থোক্‌ভী নৈনদন ৱাহৈ হাইবগী ৱাহন্‌ অসী য়ারা (word) ওইন লৌনৈ, ৱাহৈ পরেঙ্‌ ওইন লৌনদে। অমুক্‌সু ৱারেঙ্‌ হাইরগ ইংগরেজীগী Prose হাইবগুম্‌ লৌনবসু য়াউরী। অদুনদী ৱাহৈ নত্তরগ ৱারেঙ্‌ হাইবগী মহত্ত ৱাহৈ পরেঙ্‌ হাইন ইবন খুদোঙ্‌ চারে।

ৱাহৈ পরেঙ্‌ (Sentence) :—য়ারাসীঙ্‌ অদু পরেঙ্‌ লেঙ্‌সীন্‌বদ মপুঙ্‌ফাব ৱাহন্‌থোক্‌ লৈরবদী মদুবু ৱাহৈ পরেঙ্‌ কৌই। ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফাদরবদী ৱাহৈ পরেঙ্‌ কৌদে।

মখুদী :—

(১) চাউব চাক্‌ চাই। (ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফাই) ৱাহৈ পরেঙ্‌ অমনী।

(২) চাউব চাক্‌ য়াম্‌ন হাউন··· (ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফাদে) ৱাহৈ পরেঙ্‌ অম ওইদে।

(৩) তোম্‌ব নোক্‌ই। (ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফাই) ৱাহৈ পরেঙ্‌ অমনী।

অসুম্‌ন তেন্‌ব সাঙ্‌বদ চত্তে, ৱাহন্‌বু মপুঙ্‌ ফারবদী ৱাহৈ পরেঙ্‌ অম কৌরে, কন সাঙ্‌দুনসু ৱাহন্‌বু মপুঙ্‌ ফাদরবদী ৱাহৈ পরেঙ্‌ ওইদে।

ৱাহৈ পরেঙ্‌ অমদ য়াম্‌দরবদ থৌবু (Subject) অম অদুগ থৌপাঙ্‌ (Predicate) হাইব অমগ অনী লৈত্তব য়াদে। থৌপাঙ্‌ হাইবসীদ য়াম্‌দরবদ থৌতাক্‌ (Verb) অমদী য়াউদব য়াদে।

মতুন্দী :—

থৌবু = Subject		থৌপাঙ. = Predicate				
+	থৌবু	+	থৌ	+	থৌতাক.	
×	ইবোহল্	।		×		চত লী।
×	য়াইম	।	×	কবোক্	×	চারী।
ঐগী ইনাউনুপা	য়াইম	।	থুম্‌লব	কবোক্	হাউন	চারী।
কজরব	লৈ অম	।	অরাঙ.গী	লৈকোন্‌দ	তঙাঙ. তঙাঙ.	সাত.লী।

ৱাহৈ পরেঙ.গী মথং মনাউ :— (Sequence of Sentence)


১। থৌবু=Subject ২। থৌ=Object ৩। থৌতাক.=Verb


থৌবু+থৌ+থৌতাক.

অহুম্‌ন মকোক.ত থৌবু, ময়াইদ থৌ, অরোইবদ থৌতাক. লৈগনী। চাউথোক.হন্‌গে হাইরবসু মনাক. মনাক.ত চাউথোক.হনব য়ারা হাপ.চীন্‌হুন সেম্‌ই, অদুগ পীক.থহন্‌গে হাইরবসু থৌবু+থৌতাক. অনীত লৈব য়াই। তারবদ থৌবু অমদী থৌতাক. অনী অসীদগী তাথবদী য়াদে।

ৱাহৈ পরেঙ.গী মখল.

(KIND OF SENTENCE)





(ক) অপোব মীত.য়েঙ.দ ৱাহৈ পরেঙ, অসী কাঙ.লুপ, অনী থোক্ই :—

(১) অওইব হাইব ৱাহৈ পরেঙ, :—ইচম্ চম্ন ওইহন চুম্হন লৈজব অওইব অমগী মরম্দ হাইব ৱাহৈ পরেঙ, অদুবু অওইব হাইব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই ।

মতুদী :—চাউব চাক, চাই । সুমীত.ন নোঙ.পোক্তগী থোক্ই ।

(২) নত.ত ওইদব হাইব ৱাহৈ পরেঙ, :—করীগুম্ব নত.তব ওইদব অমগী মরম্দ হাইব ৱাহৈ পরেঙ, অদুবু নত.ত-ওইদব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই ।

মতুদী :—তুরেল.না হংগত.ন চেন.দে । সুমীত, নোঙ.চুপ.লোম্দগী থোরক.তে ।

(খ) ফীবম্গী মতুঙ, ইনন ৱাহৈ পরেঙ.গী মখল্ অহুম্ সুই :—

(১) অসম্ব ৱাহৈ পরেঙ, :—করীগুম.ব তাইসীন্নব য়েত.সীন্নব ৱাউদব ইচম্, চম্ব ৱাহৈ পরেঙ, অদুবু অচম.ব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই ।

মতুদী :—থোইব অফব অঙাঙ.নী । মহাক, অচম.ব মী নত.তে ।

(২) তাইসীন্নব ৱাহৈ পরেঙ, :—করীগুম.ব ৱাহৈ পরেঙ, অনী নত.তরগ অনীদগী হেন্ববু ৱাপুন্ অমন তাইসীন্দুন অচোব ৱাহৈ পরেঙ, অম সেম.ব অদুবু তাইসীন্নব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই ।

মতুদী :—অহান্ব কাঙ.বু চাব লোইরে অদুগ অকোন্ব কাঙ.বু চাগদবগী থৌরাঙ, তৌরী ।

(৩) য়েত.সীন.নব ৱাহৈ পরেঙ, :—করীগুম্ব মথাপোন.ব ৱারেঙ, অমগ অতোপ.প অম নত.তরগ অমদগী হেন.ব তেঙ.বাঙ.ব ৱারেঙ.গ য়েত.সীন.নদুন মসা অমত.ত ওইব অসাঙ.ব ৱাহৈ পরেঙ, অম সেম্লবদী মদুবু য়েত.সীন.নব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই ।

মতুদী :—তোম্ব চাক্ চারগ স.কুল. (স্কুল) কাখীবনী হাইবসী ঐ কজন থংই ।

(গ) অচম্ব ৱরেঙ, অসী মখল্ মরী সুই :—

(১) করীগুম্ব অম চম্ন ফোঙ.দোক্প ৱাহৈ পরেঙ, ।

মতুদী :—ফালেল্ থাদ য়াম্ন সাই ।

(২) করীগুম্ব য়াহং অম হংব বাহৈ পরেঙ্‌।
  মতৌ :—নহাক্‌ কদাইদ চত্‌লীবনো ?

(৩) করীগুম্ব অম থৌদাব বাহৈ পরেঙ্‌।
  মতৌ :—নহাক্‌ লাইরীক্‌ কন্‌ন পাউ !

(৪) করীগুম্ব থংব লাউব বাহৈ পরেঙ্‌।
  মতৌ :—এঃ করীনো তৌরীসোদ্রী !

বারেঙ্‌গী বাঙাঙ্‌
(VOICE)

করীগুম্ব য়াবা থর পরেঙ্‌ লেঙ্‌সীন্‌বদ য়াহন্‌ মপুঙ্‌ ফাররবদী মতৌবু বাহৈ পরেঙ্‌ কৌই হাইথরে। বারেঙ্‌গী বাঙাঙ্‌ হাইবসীসু অদুগুম্ব বাহৈ পরেঙ্‌ ঙাক্‌তনী। হাইরীব বাহৈ পরেঙ্‌ অদুগী বাঙাঙ্‌ অদু থৌবু অদুন মরু ওইন পাঙ্‌থোকই, থৌ অদুন মরুওইন পাঙ্‌থোক্‌ই নত্তরগ থৌতাক্‌ অদুন মরুওইন পাঙ্‌থোক্‌ই হাইব থংনব বারেঙ্‌ অদুবু বারেঙ্‌গী বাঙাঙ্‌ কৌই।

বারেঙ্‌গী বাঙাঙ্‌ (Voice)

(১)	(২)	(৩)
থৌবুন মরু ওইব বাঙাঙ্‌	থৌন মরুওইব বাঙাঙ্‌	থৌতাক্‌ন মরুওইব বাঙাঙ্‌
(Active Voice)	(Passive Voice)	(Quasi Passive Voice)
অঙাঙ্‌ন সংগোম্‌ হৈদোক্‌লে।	সংগোম্‌ হৈদোক্‌লে।	(Impersonal Voice)
		হৈদোক্‌লে, হৈদোক্‌লে (সংগোমদো)।

(১) থৌবুন মরু ওইব বাঙাঙ্‌ :— (Active Voice)

করীগুম্ব বারেঙ্‌ (বাহৈ পরেঙ্‌) অমগী কোঙ্‌দোক্‌প বাঙাঙ্‌ অদু থৌবু অদুন মরু ওইরবদী মতৌবু থৌবুন মরু ওইব বাঙাঙ্‌ কৌই।

মতৌ :—পুলীস্‌ন হুরান্‌ব ফারে।
  ওয়্যান পরীথাগী বল্‌ লাউথোক্‌ই।
  ঐন থা উই।
  ইনাউ সংগোম্‌ থক্‌ই।
  ঐ চাক্‌ য়াম্‌ন চাম্‌লে।

(২) থৌন মরুওইব ৱাঙাঙ্ :— (Passive Voice)

করীগুম্ব ৱাঙাঙ্, অমগী ফোঙ্দোক্লীব ৱাঙাঙ্ অদু থৌ অদুন মরুওইন, মপুঙ্ ওইন ফোঙ্-দোক্লবদী মদুবু থৌন মরুওইব ৱাঙাঙ্ কৌই।

মতুদী :—হুরান্ব ফারে। হুরান্বদুনী পুলীস্ন ফারীবদো।
চাঙ্য়েঙ্গী পাউ লাউথোক্লে। চাঙ্য়েঙ্গী পাউদুনী লাউথোক্লীবসে।
থা উই। থা অদুনী ঐন উরীব।
সংগোম্ থক্ই। সংগোম্দুনী থক্লীবসে।
চাক্ য়াম্ন লাম্লে। চাক্তুনী য়াম্ন লাম্লীবসে।

(৩) থৌতাক্ন মরুওইব ৱাঙাঙ্ :— (Quasi Passive Voice)

করীগুম্ব ৱারেঙ্ অমগী ফোঙ্দোক্লীব ৱাঙাঙ্ অদু থৌতাক্ অদুন মরুওইন ফোঙ্দোক্লবদী মদুবু থৌতাক্ন মরু ওইব ৱাঙাঙ্ কৌই।

মতুদী :—ফারে ফারে (হুরান্বদো)।
ঙাইখো ঙাইহাক্ত ঙাইখো।
ফুদত্তুন তোক্লম্নী।
হৈদোক্কনীকো! হৈদোক্লম্নী পুরীবদো।
খংলে খংলে, ৱাখন্ তারে।


থৌবু অদুন মপুঙ্ ওইগদব মতাঙ্দ থৌবুন মরুওইব ৱারেঙ্ সীজীন্নগনী, থৌ অদুন মপুঙ্ ওইরব থৌবু অদু পনদরব ফাউব য়ারব মতাঙ্ লাক্পদ থৌন মরুওইব ৱাঙাঙ্ সীজীন্নৈ, অদুগ তৌরীব, ওইরীব অদুন মপুঙ্ লেপ্লব থৌবু অদু নাকোইনন লৈখরব থৌ, য়াউদব মতাঙ্ লাক্পদ থৌতাক্ন মরুওইব ৱাঙাঙ্ সীজীন্নৈ। চন্নকম্ লৈতবদ ওনথোক্-ওন্সীন্ তৌদুন লোন্ সেম্লবদী লোন্দা অদু ফজহন্দে, মরম্ অসীন মসা মসাগী মতাঙ্ লাক্প-লাক্পদ থৌবুন মপুঙ্ ওইরে, থৌন ওইরে নত্তরগ থৌতাক্ অদুনবু মপুঙ্ ওইরে হাইবদু সীজীন্নগনী।

পাউদম্ব ৱারেঙ্
(DIRECT AND INDIRECT SPEECH)

মীন হাইরক্প ৱাপাউ অদুবু অতোপ্প অমদ পাউদম্বগী ৱারেঙ্ অদুবু পাউদম্ব ৱারেঙ্ কৌই।

মতুদী :—(১) চুম্দরীঙ্ হাইদুন পাউদম্ব :—চাউবন 'ঐ চত্কনী' হাইরম্মই।
(২) কোইন হাইদুন পাউদম্ব :—চাউবন মহাক্ চত্কনী হাইন হাইরম্মই।

পাউদম্ব ৱারেঙ্‌—(Direct & Indirect Speech)



(১) চুম্‌দরীঙ্‌ পাউদম্‌ব :— (Direct Speech)

কনাগুম্বা মী অমন হাইরক্‌প ৱাপাউ অদু ইকাই কাইদনা চুম্‌দরীঙ্‌ পাউ তম্‌ববু চুম্‌দরীঙ্‌ পাউদম্‌ব কৌই।

মতুদী :—চাউবন 'ঐ স্‌কুল্‌ (স্কুল্‌) চত্‌কনী' হাইরম্‌ই।
ইবোহল্‌ন 'ঐগী চাঙ্‌য়েঙ্‌ কুইদরে' হাইরম্‌ই।
তোম্‌বন থোইবদ 'নং চত্‌লো' হাইরম্‌ই।
ওঝান ঐঙোন্‌দ 'নংগী নমীঙ্‌ করী কৌই' হংই।
থোইবন 'ঐহাক্‌ ইবুক্‌ ফৈ' হাইরম্‌ই।

(২) কোইন পাউদম্ব :— (Indirect Speech)

কনাগুম্বা মী অমন হাইরব্‌প ৱাপাউ অদু কোইথোক্‌না পাউ তম্‌ববু কোইন পাউদম্ব ৱারেঙ্‌ কৌই।

মতুদী :—চাউবন মহাক্‌ স্‌কুল্‌ (স্কুল্‌) চত্‌কনী হাইন হাইরম্‌ই।
ইবোহল্‌ন মহাক্‌কী চাঙ্‌য়েঙ্‌ (পরীখা) কুইদরে হাইন হাইরম্‌ই।
তোম্‌বন থোইবদ মহাক্‌ চত্‌লো হাইন হাইরম্‌ই।
ওঝান ঐঙোন্‌দ ঐগী ইমীঙ্‌ করী কৌই হাইন হংই।
থোইবন মহাক্‌ মবুক্‌ ফৈ হাইন হাইরম্‌ই।

ৱারেঙ্‌ ওইন ইবদ মীতৈলোন্‌গী থোৱাক্‌ (Verb) অসী ৱাহৈপরেঙ্‌গী অরোইব মমৈদ থম্‌ই। ইংগরেজীগী মতৌ তম্‌দুনা—চাউবন হাই "ঐ স্‌কুল্‌ (স্কুল্‌) চত্‌কনী)" হাইন ইরগ কোইন পাউদম্‌ব ৱারেঙ্‌দ—চাউবন হাই মতুদী 'মহাক্‌ স্‌কুল্‌ (স্কুল্‌) চত্‌কনী' হাইদুনা ইব অদু লাল্‌লী, মথক্‌কী অসুম্না ইগনী।

কোইন পাউদম্‌বদ ওন্‌থোক্‌পদ চুম্‌দরীঙ্‌ পাউদম্‌লীব অদুগী মীঙ্‌হুত্‌, অদুগী মীহুত্‌ (Person) অদু ঐহাকপুনী, মহাক্‌পুনী নত্‌তরগ মথোইবুনী হাইব অদু মুন্‌না থংব তাই, মদু হেক্‌ ওন্‌নথীবদ ওন্‌ন-তৈনন লান্‌ন চত্‌খী।

ৱাহৈ পরেঙ,গী ৱাহন্লোন,
(MEANING OF SENTENCE)

(১) মসান তাৱব ৱাহন্
Simple Meaning
তোম্বব চাক্ চারী।

(২) ৱাহন, মান্নব
Synonyms of Sentence
মহাক, কন,দব নত,তে } ৱাহন, মান,নৈ
মহাক, কল,লী

(৩) তোঙান্নব ৱাহনলৈব
Difference between sentences
তল, য়াম্ন হোৌই (মসীঙ, য়াম্ন)
তল্ য়া-ম্ন হোৌই (অতাগী য়া-ম্ন)

(৪) অতোপ,প ৱাহন, লৈব
Ironical Meaning
চাঙ,য়েঙ,দী হয়েঙ,নী লাইরীকৃতী পারুমু
(পাউ হাইবনী)

(১) মসান তাৱব ৱাহন, :— (Simple Meaning)

ৱাহৈ পরেঙ, অদুগী ৱাহন,থোক, অদু ইচম, চম,ন মসাগী হাইরীব অদুদ অদুম, ৱাহন, তাৱব (অতোপ,প ৱাহন, লৈতব) অদুবু মসান তাৱব ৱাহন, কৌই।

মদুদী :—ঐ চত,লী। ইমা কৈথেল, কাই।
থোইব চত,খীবদু ঐ উহোৌই। মহাক্ য়াম,ন ফৈ।
চাউব য়োৗক,পদ তোম,বদী চত,খীরম,লে।

(২) ৱাহন, মান্নব :— (Synonyms of Sentence)

করীগুম,ব ৱাহৈ পরেঙ, অনীগী পরেঙ, লেঙ,সীন্নবগী ৱারেঙ, অদু মান্নদব অদুগ মান্নদব ৱারেঙ, অনী অদুগী ৱাহন্থোক,তী মান,নব অদুবু ৱাহন্ মান,নব কৌই।

মদুদী :— { মহাক, যাম,নদী লাইরৈ অদুবু মবুক,চেল,দী সেঙ,ই।
মহাক, য়াম,ন লাইবব পুক,চেল, সেঙ,ব অমনী।

থবক, কন,ন নোম,মু নত,তরবদী পৈসা ফংলোই।
থবক্ কন,ন নোম,দরবদী পৈসা ফংলোই।

চাউব য়াম,ন কন,দব নত,তে। চাউব য়াম,ন কল,লী।

মরৈবাক,পু মুঙ,সীদব কনা লৈবগে ?
মী থুদীঙ,মক, মরৈবাক,পু মুঙ,সী।

(৩) তোঙানব রাহন্ লৈব :— (Difference Between Sentences)

রাহৈ পরেঙ্, মসা অমত্তন তোঙান, তোঙান.ব রাহন.থোক্, লৈব অদুবু তোঙান.ব রাহন, লৈব রাহৈ পরেঙ্, কৌই। মসীমক.তী খোন.থোক্ অয়াঙ.বদ হাইরগ রাহন.থোক, অম লৈব অদুগ খোন্থোক, লুম.থন হাইরগ রাহন.থোক্ অতোপ্.প অম লৈবনী।

মতুদী :—তল্ য়াম্.ন হৌই। (অয়াঙ.ব) মসীঙ্ য়াম্.ন ;
তল্ য়া.ম্.ন হৌই। (অরুম.ব) আতাগী য়া.ম্.ন ;
নহাক্ অসী খন.জীল.লু। (অয়াঙ.ব) উদনব খন.জীন.ব ;
নহাক্ অসী খ.ন.জীল.লু। (অরুম.ব) খ.ন.গত্.লু ;
মকম্ অসীদ কৈ অম লৈ। (অয়াঙ.ব) কৈ কৌব সা ;
মকম্ অসীদ কৈ. অম লৈ। (অরুম.ব) ফৌ-চেঙ্ থম্.নব কৈ.।

(৪) অতোপ.প রাহন্ লৈব :— (Ironical Meaning)

রাহৈ পরেঙ্ অদুদ হাইবন অম হাইরগ মতুগী রাহন.থোক.ন অতোপ.প অমবু থংহন.ব অদুবু অতোপ্.প রাহন্ লৈব কৌই।

মতুদী :—ইবুঙ.ঙো চাঙ.য়েঙ.দী হয়েঙ.নী, লাইরীক.তী পারুম্মু।
(চাঙ.য়েঙ্ হয়েঙ.নী লাইরীক্ পাউ হাইবগী রাহন.নী।)
চাক.তু সংবাই-সংবাই চাউ থবক.তী তৌরুম্মু।
(চাক্ চাবগী মতীক্ থবক্ তৌ হাইবনী।)
মহাক্ তীন.সীন্.বদী হৈ, খাইদোক.পদী হৈতে।
(লৌসীন.বদী পাম্.ই পীথোক.নীঙ.দে হাইবনী।)

য়ারা মসক্ তাক্প
(PARSING)

রাহৈ পরেঙ্ অমদ য়াউরীব য়াবাসীঙ্ অদুগী মসক্ মওঙ্, লৈনরীব মরী অমদী সীজীন্নফম.নচীঙ.ব তাক.প অদুবু রাহৈ মসক্ তাক.প কৌই। মতুদী :—

(ক) চাউব চাক্ চাই।

চাউব :—চাউব হাইব য়াবাসী মীঙ.তাক.নী, পা থংনবনী, মসীঙ্ অম থঙ.নবনী, থৌবুনী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী থৌবুনী।

চাক্ :—মসী মীঙ.তাক.নী, কাঙ.লুপ, থংনব মীঙ.তাক.নী, পা-পী খাইদব থৌতাক.নী, অম থংনবনী, থৌ ওইব য়ারানী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী থৌনী।

চাই :— থৌতাক.নী, থৌ য়াউব থৌতাক.নী, চম্.ন ওইরীব থৌতাক.নী, চাউব হাইব থৌবু অসীগী থৌতাক.নী।

(খ) কল্লব চাউবন ভৌরব চাক্ হাউন চাই।

কল্লব :—মসী মতীক্-ময়াই তাক্প য়ারানী, চাউব হাইব থৌবু ওইরীব মীঙ.তাক, অসীগী মতীক্-ময়াই তাক্প য়ারানী।

হাউন :— থৌওঙ, তাক্প য়ারানী, ইচম্ চম্ব থৌওঙ, তাক্প য়ারানী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী চাবগী থৌওঙ, তাক্প য়ারানী।

(গ) 'মহাক চাক্ চারে অহুগ মপান থোক্খরে।

মহাক্ :—মীঙ.হুত, খংনব য়ারানী, মীহুত, খংনব মীঙ.হুত.নী, থৌবুনী, থোক.খরে হাইব থৌতাক্ অসীগী থৌবুনী।

অহুগ :— রাপুননী, মহাক, চাক, চারে হাইব রাহৈ পরেঙ, অসীগ মপান্ থোক.খরে হাইব রাহৈ পরেঙ, অসীগ অনীবু পুন্সীন্ব রাপুন্ অমনী।

লেপ.তাক্ খুদম্
(PUNCTUATION MARKS)

লেপ.তাক, খুদম্সীঙ, :—

*১। চৈখৈ	।	মপুঙ.ফান লেপ.প খুদম্
২। মচেত্ লেপ.প	,	খ.রাইদগী তেন্নন লেপ.প খুদম্
৩। তাঙ.কক, লেপ.প	;	তংখাই লেপ.প খুদম্
৪। তাঙ.কক, মপুঙ, লেপ.প	:	মতম্ খর হেন্নন লেপ.প
৫। তেন্সীন্ব তাক.প	,	'মাঙ.দ ময়েক, খর লৈরে তাক.প
৬। হংব খংনব	?	হংব খংনব খুদম্
৭। অঙক.প্ খংনব	!	অঙক.প ফোঙ.দোক.প খুদম্
৮। রাপুন্ খুদম্	-	তাইসীন্নব রাতাইগী খুদম্
৯। মরী তাক.প	—	মরী তাক.প খুদম্
১০। সন্দোক.প মরী তাক.প	:—	সন্দোক.প তাক.প খুদম্
১১। অপান্নব তাক.প	" "	অপান্নন হাইখীব অমবু ঙাক.সীন.ব
১২। কোত.সীন্ব	( )	তোঙান.ন কোত.সীন.হুন থম্ব
১৩। মান.নব খুদম্	=	মাঙ.-তুঙ, অনীহু মান্নরে তাক.প
১৪। চৈখল্ খুদম্	/	মরক, খন.হুন থম্ব খুদম্।

* মখক.কী। (চৈখৈ) অসী মীতৈগী ওইব রাহৈ পরেঙ, মপুঙ, ফাব মতম্.দ লেপ.নব তাক.প খুদম্নী। ইংগরেজীগী (.) ফুল্সতোপ,, হীন্দীগুম্ব লোন.গী পুন্নন.বীরাম, মীতৈলোন.গীন ॥ চৈখৈ অসীনী। অতৈ খুদম.সীঙ, অসীদী International Symbols ঙাক.তনী। অকক.নব লোন্ অমত.তগী নত.তে। অহুন কনানসু কনাদগী রাইব নত.তে। অহুন মীতৈ লোন্দসু খুদম.সীঙ, অসী সীজীন্নগনী।

পান্থৈ-পান্দম্ অমসুং পান্থৈ-পাউরো

১। পান্থৈ-পান্দম্ :—

করীগুম্ৱ ৱাহন্থোক্, ফজৱ য়াৱা চবুন্, অমন নাকোইনন অতোপ্প ৱাফম্, অম পান্দম্, লাক্তুন ৱাহন্, অম ফজন পীৱ অহুৱু পান্থৈ-পান্দম্, লাক্তুন ঙাঙ্ৱ হাইন খংনৈ।

মহুদী :—‘খুত্, কন্ৱ’—হাইবসী খুত্, অহু পাইবদ কন্বগী ৱাফম্, নত্তে সাগৈ চাউবগী ৱাফম্নী।

‘কাঙ্খ থাঙ’—হাইরীবসী কাঙ্থোল্, মথাদ লৈৱ থাঙ্, হাইৱ নত্তে সীজীন্নদৱৱ কান্-নদৱৱ হাইবনী।

পান্থৈ-পান্দম্, খর :—

অকন্বন অচুম্ৱ সক্প — অকন্বন অসোন্বগী ৱা তাবীদৱ (নম্হুত্প)
অকুত্পদ লৈতোৱ — ফত্তবদ হেন্ন ফত্হন্দৱ
অতোঙ্বদ লৈথোন্ৱ — অফবদ হেন্ন ফহন্ৱ
অঙম্ তান্ৱ — ঙম্লরোইদৱ ফাউবদ তক্সীন্ৱ
অঙাঙ্ ওন্ৱ — হাত তোক্প
অঙাঙ্ উনৱ — অঙাঙ্ পোক্প
অঙাঙ্ন মৈ কীদৱ — পোত্কী মতীক্ খংদবন কীদৱ
অমেত্পদ জাত্ তাৱ — করীসু নত্তবদ ইকাইখুম্নৱ মাঙ্হন্ৱ
অয়ুক্ত হৌৱ নোঙ্ — মতম্ চাদবন তুঙ্ কোইদৱ
অয়ৈ অৱা চাৱ — মৱীন্ থুপ্প/লে-লা লে-লা তৌৱ
ইমু-নাইমু তানৱ/ই. তানৱ — ফুদত্নৱ/য়ান্থত্নৱ
কাঙ্লম্ চেন্ৱ — সীন্থোঙ্ খংদৱ
কাঙ্ কোঙ্ চাইৱ — পুম্চাই চাইথোক্প
কোক্ত খুত্ হাপ্প — উপাই লৈতৱ
খুত্ থাৱ — মথক্ত খত্নৱ হৌৱ
খুত্ থাৱ/খুত্ তত্প — উপাই লৈতহুন তোৱপ
খুত্ লেঙ্ৱ — পংপাইদ পাইৱ
খুত্ সাঙ্ৱ — হুৱান্ৱ
ঙক্ কন্ৱ/ঙক্ হাইগত্প — মী উসীত্তৱ/সক্ হাইগত্প
ঙৱাঙ্তগী ঙাখা — য়াম্ন নৌৱীৱ
ঙাখান ঙারেন্ হৌৱ — মতীক্-মপা চাদবন তৌৱদ মওঙ্ তাদৱ
চৈ কাৱ — ফগত্লক্প
চৈ চাৱ — চৈফু ফংৱ
জাত্ তাৱ — মসাগী ফুৱুপ্তগী অমদ ওন্থৱৱ
মাই কন্ৱ/মাই থাৱ — ইকাই খংদৱ

মাই থক.প	—	ফাঙ.ব
মীত, য়াম.ব	—	মুপী অউ অউ পাম.ব
মীত, করাম.ব	—	ঙম.বগী চাঙ.দগী হেন.ন পাম.ব
লৈদ তু হৌব	—	মতম, কুইন চা থক.তবব
সান সোক.প	—	সান চীক.প।

২। পান.থৈ-পাউরৌ :—

করীগুম্বা য়ারা চবুন, নত.তরগ রাহৈ পরেঙ, অমন হাইবন অম হাইরগ মাগী রাহন.থোক. অদুন তোঙান.ব অমবু খংনব ফজব পাউতাক, অমগুম. ফোঙ.দোক্‌প অদুবু পান্‌থৈ-পাউরৌ হাইন খংনৈ।

মতুদী :—'অহন.গী মথীন চফু মেল.লী'—হাইবসী চফু অকাইবদ অহন.গী মথীচুন মেন.বগী রাফম, নত.তে অহন.ন হাইব ইন.বন অফবনী (অকাইব অহোব লৈতে) হাইবনী।

পান.থৈ-পাউরৌ খর :—

অঙাঙ.দী নীঙ.থাদ খংই	—	পীক.লীঙৈগী মওঙ. য়েঙ.লগ তুঙ.গী খংব
অঙাঙ.ন মৈ থাব চাক.তবরা	—	ফত.তববু তৌরবদী অঙাঙ, অহল, থাইদে—মহৈ অদুম, ফত.তে
অচাক.প মৈদ ইকং লংসীন.ব	—	অসাউবদু হেন.গত.হন.ব
অনম, কল.লগ মাইবী চংই	—	য়াদরবসু হন.ন হন.ন হোত.নরবদী য়াই
ইখুত, লান.থোক.লগ মীখুত, লান.থোক.ই	—	অফব তৌরবদী অফব মহৈ ফংই
ইসান থাক.চব লাঙ.দ ইসা থুজব	—	ইসান ফত.তব তৌজবগী মহৈ ইসান ফংজব
ইসীঙ, মমুঙ.দ ঙান মথী ফাইব উব	—	য়াম্‌ন সীঙ.ব
কপ.পগ নোক.পগ মচীন্‌ মনাউনী	—	অমুক. রাব অমুক. মুঙাইব হৌনসানী
কলক, মাঙ.দ চাঙ, তাব	—	য়েক.নবগী মমাঙ.দ ইকাইব নংব
কৈ মচা য়োক.লগ চাউরগ মপু চাগে তৌব	—	সেম.বীরক.পবু হাত.কে তৌব
কৈ কীদুন চেল্‌লগ সওম, ওক.নব	—	খর ফগদর তৌরগ হেন.ন ফত.তব
কৈ লৈব মফম.দ মুমীত, তাব	—	খুদোঙ.থীব মফম.দ থুঙ.লুব
কৈগী মপান, নাপীন তাঙ, নাপীগী মপান, কৈন তাঙ,	—	অমন অমগী মতেঙ, ওইনব
কৈন তোক.প পোক.প হৌনবরা	—	মান্‌নবন মান.নব মচা পোক্‌ই
কৈসু কীব মথীসু কীব	—	মহৈদী ফংনীঙ.ব থবক্‌ তৌবদী কীব
কোরফু য়োল্‌লগ তুম্‌বা লেপ.প	—	অফববু মাঙহল্‌লগ ফত.তববু থম্‌নব হোত.নব
খাঙ.ব কল.লগ ফমেন, ফম.ই	—	অরা অনা খাঙ.লবদী অফব ফংই
খুজাই মপু ফাদোপ, তাব	—	অরান.বন ওন.থত.লক.তুন অরাব নংব
খুমু খোঙ.বগুম, পান.ব	—	কনা লৈজদরবগুম, পান.ব
খুনুন মথোঙ.দ কন.ব	—	মযুম্‌দ কন.ব

খুবাক্‌, ময়ীদগী হৌব	—	করীম্নু লৈতবদগী হৌব
খুজীন্‌দ তুম্‌ য়ুব/কাঙ্‌খদ লীন্‌, চংব	—	য়াম্‌ন মুঙাইতব/পুক্‌নীঙ্‌ ইচীঙ্‌, চীঙ্‌নহন্‌ব
খুরক্‌কী ইন লাই সাব	—	মসাগী মীন ফত্‌তনব তৌব
খোই মহুম্‌দ চৈন থীন্‌ব	—	মহু চাউবদ খত্‌নব হৌব
খোঙ চোত্‌লগ চীন্‌ চোত্‌লী	—	নোম্‌জমন্‌গী মহৈ ফংব
ঙাপরুম্‌ মমৈদ খুজীন্‌ন সীক্‌প	—	য়ায়রোইদব মতম্‌দ কন্‌নব হোত্‌নব
চফু কাইরগ কৃবাক্‌ন হয়াউই	—	ইমুঙ্‌ মনুঙ্‌ কাইনরগ মীতোপ্‌ন হয়াউই
চফুদী মী মুত্‌তে উয়ান্‌দী মী মুত্‌লী	—	য়েন্‌সাঙ্‌ হাউন চাগন্‌ব মীদী লাইর নংই
চনীঙ্‌ য়েঙ্‌হুন চখোম্‌ তান্‌সীল্‌লু	—	তুঙ্‌গী মওঙ্‌ য়েঙ্‌লগ থবক্‌ তৌ
চেঙ্‌ পুরগ চেঙ্‌ সীঙ, ফৌ পুরগ ফৌ সীঙ্‌	—	তৌরুব থবক্‌কী চানব লমন্‌ সীঙ্‌ব
চেঙ্‌পোত্‌ত মাইয়েন্‌ তোপ্‌প	—	নাতৈ চানদব, মপা চানদব
তরঙ্‌দ য়ুম্‌সাব লৈনাঙ্‌ন পন্‌থীঙ্‌ব	—	থবক্‌ তৌবদ চেক্‌সীন্‌দব
তীঙ্‌খং অম য়ুরবদী তীঙ্‌খং অমন হন্‌দোবই	—	মপা চানবন থবক্‌ ঙম্‌ই
মুঙ্‌সীত্‌ সীত্‌তন উনা লেঙ্‌ব হৌনববা	—	মরম্‌ লৈহুন মীন ঙাঙ্‌নবনী
বাতোন্‌ন রাঙ্‌লবদী ক্‌রাক্‌ন ফম্‌দেক্‌ই	—	নাপল্‌ কারবদী অঙম্‌ব অমন নম্‌থৈ
হৌদোঙ্‌ ফদী য়োঙ্‌ সেবা	—	মতাত্‌ তৌব, মওঙ্‌ তাদব
হৌদোঙ্‌ তুমীন্‌ লৈবন চফু ঙম্‌ই	—	তুমীন্‌ লৈসীন্‌নরগ খুদোঙ্‌চাব লৌব।



ꯕꯅꯥꯟꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ

বনান্গী কাঙ্‌লোন্

(SPELLING)

লোন খুদীঙ্‌মক্‌কী মসা-মসাগী ওইব তোঙান্‌-তোঙানব মতীক্‌-ময়াই, তোঙান্‌-তোঙানব বনান্‌গী অকক্‌নব পান্‌দম্‌ লৈনৈ। মতৌ অসিগুম্‌ন মীতৈলোন্‌গী মতাঙ্‌দস্তু মসাগী অকক্‌নব চত্‌নবী পান্‌দম্‌ লৈ। মতম্‌ ফুইন বংগলা, নাগরী অমদী রোমান্‌ ময়েক্‌সীঙ্‌ থক্‌ত নৈনহুন, মখোইতবু হৈনহুন মরুওইন বংগলা ময়েক্‌পু হৌজীক্‌ ফাওবদ ইসাগী ওইন সীজীন্‌নহুন মাগী চত্‌নবীবু হৈনহুন লাক্‌পন মরম্‌ ওইহুন মীতৈলোন্‌গী বনান্‌গী মতাঙ্‌দ অতোপ্‌প লোন্‌গী চত্‌নবী, মীগী ময়েক্‌সীঙ্‌গী সীজীন্‌নবগী মওং লোইনন মীগী খোন্‌থোক্‌নচীঙ্‌ব ময়াম্‌ পুসীল্‌লক্‌তুন চমম্‌নহন্‌ব, ইঙাউ-ঙাউহন্‌ব কয়া হেক্‌ হেক্‌ থোক্‌হল্‌লী। মতৌ অসুম্‌, তৌন মীতৈলোন্‌গী বনান্‌ অসী অকক্‌নব পান্‌দম্‌ লৈতব লোন্‌ অম নম্‌হুন ওইহল্‌লী। মসী ঐখোইগী লাইবক্‌ থীবনী।

মহৌসান বনান্‌ হায়বব অসী লোন্‌-লোন্‌হুগী মসা মসান তাজব অকক্‌নব পান্‌দম্‌ লৈজে। মসীদ মী খয় পুন্‌সীনহুন মীফম্‌ কয়া তৌহুন চত্‌নবী অম ইনৌ নৌন সেম্‌গদব নত্‌তে। অহান্‌বদ মসাগী হান্‌নগী লৈজরম্‌ব চত্‌নবী লোইনন মসাগী ময়েক্‌ন তাজব অহু পুথোক্‌কদবনী। মতুঙ্‌দ খোন্‌থোক্‌ থৈথরক্‌প, লোম্‌থরক্‌প লোইনন অনৌব খোন্‌থোক্‌ লাক্‌পগী রাফম্‌ নাক্‌চেক্‌নন থম্‌গদবনী। মসীদ হৈসীঙ্‌লব, হৈসীঙ্‌লবী অমদী অখঙ্‌-অহে কয়া পুন্‌সীন্‌হুনস্তু মীরোন্‌ অমদী মীগী ময়েক্‌ত যুম্‌ফম্‌ ওইরীবমথৈ ফন হোত্‌নহুনস্তু মীতৈলোন্‌গী অচুম্‌ব বনান্‌গী পান্‌দম্‌ লাক্‌সীন্‌ব ওইথোক্‌তে। ইরোন্‌দ অমদী ইয়েক্‌ত যুম্‌ফম্‌ ওইরবতদ অচুম্‌ব বনান্‌ পুথোক্‌প ঙম্‌ই।

মতাঙ্‌ অসীদ, য়াম্‌ন লুরীব অমন মীতৈলোন্‌গী ময়েক্‌ন তাজব অচুম্‌ব বনান্‌ পুথোক্‌প মতম্‌দ হান্‌ন লু-তোঙ্‌দ পক্‌তুন লাক্‌লব ঐ ঐন খংলুরীব, তম্‌লুরীব মীগী চত্‌নবী অহুগ মান্‌নদে হাইহুন লাল্‌লী হেক্‌ত হাইবীব অসীনী। ঐন হান্‌ন খংলুরীব অসী মীগীনী, মীতৈলোন্‌গী মতাঙ্‌ন অমনী অনী অসী তোঙান্‌ তোঙাল্‌লী হাইবসী খন্‌থব ঙম্‌দব অসী লাইবক্‌ থীবনী।

বংগলা ময়েক্‌ মসীঙ্‌ য়াম্‌ই অহুবু ঐখোইগী ইয়েক্‌ক চান্‌নব মথৈ লৌখত্‌তুন বনান্‌ ইব তাই। মখোইগী ময়েক্‌ন বনান্‌ ইরীবনী হায়রহুনস্তু মখোইগী অরৈব ময়েক্‌ খুদীঙ্‌মক্‌পু লোইনমক্‌ সীজীন্‌নব কোইথী থীগদব নত্‌তে। ঐখোইরোম্‌দ পরিক্ষা হাইবসি পরীখা হাইন অহুম্‌ পাই, গাড়ী হাইবসীস্তু গারী হাইন অহুম্‌ পাই, ঢোল্‌ হাইবসীস্তু ধোল্‌ হাইন অহুম্‌ পাই, টোপী হাইব অসীস্তু তোপী হাইহুন অহুম্‌ পাই, ছাটিন্‌ হাইবসীস্তু সাতীন্‌ হাইন অহুম্‌ পাই, বন্‌ হাইবসীস্তু সন্‌ হাইন অহুম্‌ পাই—অসুম্‌ন বনান্‌ য়ারীব অসীদ মথৌ তাদব মীগী ময়েক্‌ ময়াম্‌ রাইরুবগী করী কান্‌নব লৈবগে! মসীন অয়েম্‌বদ পোত্‌লুম্‌ হেন্‌গত্‌হল্‌লী। রাইহুন সীজীন্‌নব হাইবসী ঐগী লৈতরব, সীন্‌নব য়াদরব মতাঙ্‌ থক্‌তদ রাইহুন সীজীন্‌নগদবনী ঐগী লৈন লৈন, সীন্‌নব য়ারীব মক্‌তদ করীগী মীগী লন্‌সোত্‌প ওইগনী করীগী শ, ষ, স, ছ হাইহুন করম্‌ব ময়েক্‌পু করম্‌ব বনান্‌দ সীজীন্‌নগদগে হাইব অহু মরুওইন সংসকৃত্‌ (সংস্কৃত) লোন্‌গী লৈজবনী ঐখোইগীদী 'স' থক্‌তবু লৌরগ লোইন বনান্‌ ইব য়াই। ছাটিন্‌ হাইন

ইরীব বনান. অদুগী অচুম্বা খোনথোক্তী সাতীন. হাইবনী, 'ঘন.' হাইন ইরীব বনান. অদুগী অচুম.ব খোন.থোক্তী সন. হাইবনী. খৌরী অমদী কোক্লোম্দ সাফু পীদুনা খোন্থোক. পাগদব নত.তে। মীগী হ্রস্ব-দীর্ঘ হায়ব অদু খোন্থোক. অতেন.ব অসাঙ.ব হাইবনী খোন্থোক. অয়াঙ.-অরুম্ হাইব নত.তে। ঐখোইন অয়াঙ.-অরুম. ওইন নম্দুনা সীজীন্নবনী। অমরোম্দ মসীঙ.দী য়াম্লই হাইববু বংগলা ময়েক্না মীতৈলোন্গী অয়াঙ.-অরুম্গী বনান. ইবদ অরুম্ব খোন্থোক. ইব য়াদব কয়া য়াউরী। মদু রাবেঙ.ন তাক.কনী; অদুবু য়াদবসু লৈ।

খুদম. :—খোন.থোক. অয়াঙ.ব—কম্ব, চাব, পান্ব, ঙম্ব, পাব,

তল. য়াম্না হোই (মসীঙ. য়াম্না);

মফম. অসীদ কৈ অম লৈ (কৈ হাইব সা অদু)।

খোন.থোক. অরুম্ব— কম্ব, চাব, পান্ব, ঙম্ব, পাব

[illegible] ॥

তল. য়া.ম্না হোই (আতাগী য়া.ম্না);

[illegible];

মফম. অসীদ কৈ. অম লৈ (ফৌ-চেঙ. থম.নব কৈ.)।

[illegible] ॥

মথক্কী বংগলা ময়েক্না ইরীব অরুম.-অয়াঙ.গী বনান. অনীমক্ চপ. মান্নৈ। করীগুম্ব খেন্নব খুদম. অমত.তসু য়াওদে। বনান. চপ. মান্নব য়ারা অনীবু অমম খোন্থোক. য়াঙ.ন অমম খোনথোক্ লুম্থনা পাগনী হাইবসী ওইব য়াদব রাফম্নী। মীতৈ ইয়েক্কীদী লুম. (.) নম্দুনা খোন.থোক. লুম্থনা পানব খুদম. হাপ.পী। মতাঙ. অসী মথাগী তরুক.সুব পান.দম.গী খোন.থোক. অয়াঙ.-অরুম.গী লুম. সীজীন.নবসীদ য়েঙ.বীয়ু।

ময়েক. তপ.সীন.নরীব মখৈ ফজব হেন.ব মওং অসী সংস.কৃরীত. (সংস্কৃত) লোন.গী লৈতেঙ.নী, মদুগী ওননবদ তপ.সীন্নদরীবমখৈ অচুম্ব ওইবন মীতৈলোন্গী চত.নবীনী। মথাগী অহুম.সুব পান.দম্দ য়েঙ.বীয়ু।

য়াম.ন মরুওইব অমম মীতৈলোন্গী বনান. ইরম.দাইদ মীতৈ ময়েক. অসী করম.ব মথল.গী ময়েক্নো হাইবদী খোন.থোক্.কী তাঙ.কক. নাইব (সীলেবীক.) ওইব ময়েক্লা নত.তরগ খোন.থোক্কী তাঙ.কক. নাইদব (আল্ফাবেতীক.) ওইব ময়েক.লা হাইবদু হান.ন খংদোক.পীব তাই লোইনন খোন.থোক.লোন. (ফোনোলোজী) গী রাফম. থরদী খংবীব তাই। রাফম. অসী লাইরীক. অসীগী খোন্থোক.লোন.গী মতাঙ.দ নৈনজখরে।

চৈতপ.কী মতাঙ.দ বংগলা অমদী নাগরী ময়েক. অনী অসী মতম.গী মঙাল. ফংদবগুম. হাইবদী মীয়োন.দ হাইরগ সাইন.তীফীক. ওইদবগুম.ব মওং লৈ; মদুদী—চৈতপ.ন হান.ন ইরগ মপুঙ. ময়েক.ন কোন.ন ইব; সংতপ.ন মাঙ. থারগ য়ুম. মপুঙ.ন তুঙ.দ থম.ব মওং অসীনী। খুদম. ওইন হাইজরবদ 'কি, কে, কৈ, কো, কৌ' মসীদ নাগরী ময়েক্কীদী 'কি' থক.তনী। মখোইন খোন.থোক. হাইদোক্প মতম.দদী মপুঙ. ময়েক.ন হান্না হাইরগ হান.ন ইরীব চৈতপ. অসীন কোন.ন খোন.থোক্ তৌই। মসী কোক.নব উপাই লৈজদদুনা য়াব অমতং 'গী' 'ই'-কারগী মহুত.সীন.ব ওইন 'কী' 'ঈ'-কার ওইন লাইরীক.

অসীদ সীজীন্নজবনী। মসী অসাঙ্.ব অমদী অরুম্ব খোন্থোক্কী মওং নত.চদে ইচম্ চম্.ব অয়াঙ্.ব খোন্.থোক্.নী হাইন লৌবীনব হাইজরী। মীতৈ ইয়েক্কী চৈতপ্.সীঙ্.দী মপুঙ্ ময়েক্.কী মথক্-মখা অমদী তুঙ্.দ তপ্.প ঙাক্তনী মাঙ্.দ হান্নন তপ্.প অমত্.ত য়াউদে করীগুম্ব য়াউরম্লবদী মতু ঐখোয়গী নত্.তে থংবীগনী।

রোমান ময়েক্.ত খ, ঘ, ঙ, চ, ঝ, থ, ধ, ভ লোইনন ঐ, ঔ ; নচীঙ্.বগী ময়েক্ লৈতে অতুবু খোন্-থোক্ তাননব মথংসীত্.ন KH, GH, NG, CH, JH, TH, DH, BH লোইনন EI, OU ; হাইতুন সেমুই অতুম্ ওইতুনসু মখোইসীঙ্ অসী মখোইগী ময়েক্কী সীঙ্.দ চন্.দে। অসীগুম্ন বংগলা ময়েক্সীঙ্ অতু কনাগ কনাগ মান্.নৈ হাইবতু থীবত নত্.তন মখোইগী ময়েক্ অরৈবমখৈ অতুগী ঐখোইন কোইথী থীতুন মান্নব ময়েক্ ময়াম্ পংপু পুথোক্কদব নত্.তে হাইব কাউবীদনব নীঙ্.সীঙ্.জরী। মরম্দী ঐখোইগীসু ‘ꯑ’ (অ) ইয়েক অসীদ চৈতপ্ কয়া তপ্.সীন্.তুন অতৈ খোন্.থোক্ তাননব ময়েক্ কয়া সেম্.লী অতুবু মখোইতু ইয়েক্কী সীঙ্.দ চন্.দে। মসীগী মথক্.ত ট, ঠ, ড, ঢ, ণ গী বনান্ খুদীঙ্.মক্ ত, থ, দ, ধ, ন, না মতুত্ সীন্নব য়াই। অসুম্ন মতুত্ সীন্নব লৈন লৈন অমদী মথৌ লৈতন ক্ষ, ড়, ঢ়, ছ হাইব অনৌব ময়েক্ পুথোক্নব করীগী হোত্.নগনী। ঐখোটগী ইয়েক্পু বংগলা ময়েক্কী মখা পোন্বরা ! মীগী মতৌ তম্.বদ ইকাইনবগী মতুত্.ত লেম্ব ওইন লৌনবসী থাদোক্প মতম্ ওইরে।

সম্.পত্.ন হাইজরবদ বনান্.গী মতাঙ্.দ লোন্ অতুন মসাগী ময়েক্.কী অসেঙ্.ব মসক্ অতু তাক্.ই, অতুগ মসাগী ময়েক্ অসেঙ্.ব অতুন লোন্ অতুগী মাঙ্.থরব খোন্.থোক্ পুথোক্.তুন রাহন্.থোক্ মপুঙ্ ফাহল্.লী। মতাঙ্ অসীরাইদ খোন্.থোক্.লোন্ (ফোনোলোজী) গী রাফম্ নৈনদরবদী মপুঙ্ ইফা ফাদে। মখাদ বনান্.গী পান্.দম্ খর পীজরীবসী য়েঙ্.বীয়ু :—

১। আ-কার ([illegible]) সীজীন্নবগী পান্দম্ ঃ—

বংগলা ময়েক্কী বনান্ :—কনবা, কাননবা, চাবা, খাইব, তম্বা।

খোন্.থোক্ তৌবন :— কন্ব, কান্নব, চাব, খাইব, তম্ব।

আ-কারগী খোন্থোক্ লৈরোইদব মতাঙ্.দ আ-কার তপ্.লোই। চম্বগী খুদম্ হাসন্ত তপ্.তবদগী খোন্থোক্ য়াদতুন আ-কার তপ্.পনী। ‘কনব’ হাইব অসী করম্.ন পাগনী তুম্.বগী বনান্ ইবদ আ-কার হাপ্.লবদী ‘তুম্বা’ ইসীঙ্ থক্.নব তুম্.বা তারে। চম্.বগী খুদম্ (হাসন্.ত) গী মথৌ লৈরবদী তপ্.কনী। মহাক্ য়াউদে হাইতুন পাবদ খুদোঙ চানবনী হাইতুন আ-কার তপ্.সীল্লবদী অনী থোক্.ন লাল্লে। অতুন বংগলা ময়েক্.ন বনান্ ইবদ চম্.বগী খুদম্ মতাঙ্ চান্ তপ্.কনী অতুগ আ-কারগী খোন্.থোক্ লৈতব য়াদব মতাঙ্ থক্.তদ আ-কার তপ্.কনী।

২। চম্বগী খুদম্ (হাসন্.ত) ([illegible]) সীজীন্.নবগী পান্.দম্ ঃ—

মীতৈ ইয়েক্.কীদী মপুঙ্ ময়েক্.ক চম্.ব থংনব লোন্.সুম্ ইয়েক্.ক মসক্ থেত্.নৈ। অতুন বংগলা ময়েক্.ন বনান্ ইবদ চম্বগী খুদম্ (হাসন্.ত) তপ্.কনী। মরম্দী চম্.বগী খুদম্ হাপ্.তব ময়েক্পু চম্ব হেক্.ত থংনব অসী মীতৈলোন্.দ চত্.নদে।

খুদম্ :—চম্.বগী খুদম্ তপ্.তব—চাক, ময়েক, মতম, চেনসীললকপ, কমব (কনবা)।

চম্.বগী খুদম্ তপ্.প— চাক্, ময়েক্, মতম্, চেন্সীল্.লক্.প, কন্ব।

মরক্ত অমদী মমৈদ চৈতপ, য়াওদব ময়েক্ লৈরবদী মতুবু চম্ব থংনগনী হাইব পান্দম্ অহু মীপীনী। ঐখোইগীদী চম্বগী খুদম, নত.তরগ লোন্সুম, য়াউদরবদী করীগুম্ব ময়েক, অতুবু চম.ব থংনদে। মতাঙ, অসীরাইদ মীতৈ ইয়েক্ন অতোপ.প লোন্গী বনান, ইবদ খুদোঙ.চাদব খর লৈ। মতুদী মীতৈ ইয়েক্কীদী লোনসুম, ইয়েক, নীপাল্থক্তনী অতুন লোন্সুম, নীপাল, অসীন চম্ব কোন্নদব মতাঙ, লাক.ই। মতাঙ, অতুদ চানব মপুঙ, ময়েক, অতুন অতুম, চম্ব ওইগনী। তৌবত্তদী লোন্সুম, নীপাল, অতুন চম্ব য়াদব লোন, অহু মাতৈলোন, অসেঙ.ব নত.তে থংবীগনী। বংগলা ময়েক্ন ইরবদী চম্বগী খুদম, (হাসন্ত) তপ.সীল্লগ হেক.ত য়ারে। অম্সুম্ন চম্ব থংনগদব ময়েক, অতুদ চম.বগী খুদম, (হাসন্ত) তপ.সীব তাই।

৩। ময়েক্ তপ.সীন.নবগী পান.দম. ঃ—

(ক) খোন.থোক.কী তাঙ.কক. (Syllable) অমত.তগী মমুঙ.দ লৈব খোন.থোক, ওইরবদী ময়েক, তপ.সীন.নব য়াই। মীতৈ ময়েক.ন ইরবদী ময়েক, অনী অহু তপ.সীন.নরীবনী থংননব অপুন, ইয়েক, হাইব লৈই অম ময়েক, অনীগী মখাদ চীঙ.ই। অপুন, ইয়েক, অসী কোন.ন পুসীললক.পনী হান.নগী নত.তে হাইতুন য়েত.পসু লৈ অতুবু মসী পাবদ খুদোঙ. চানব হাপ.প করীগুমব খুদম্ অমনী খন.বীগনী। অমরোম্দ খল্লগদী খোন.থোক, থুন পারবদী অপুন, ইয়েক, চীঙ.দরবসু মসান অতুম, খোন্থোক, তীন.-সীন.জরকই। অতোপ.প পান্দম্ অমন ময়েক, অহু পয়েঙ, ওইন ইথবদ মমাঙ, থংব ময়েক্ অতুদ চম্বগী খুদম্ (হাসন.ত) তপ.লবদী মতুঙ, থংব ময়েক, অতুগ তপ.নরে থংগনী, খোন.থোক.সু তপ.নবগী খোন.থোক্ অতুম, লৈজে। (মখাগী পান.দম্ তরাস্লবদ য়েঙ.বীয়ু)।

খুদম. :—(১) ক্রাক., খ্বাই, স্কুল.; বীদ্বান।

(২) ꯀ꯭ꯔꯥꯛ, ꯈ꯭ꯋꯥꯏ, ꯁ꯭ꯀꯨꯜ, ꯕꯤꯗ꯭ꯋꯥꯟ ॥

(৩) ক.রাক., খ.বাই, স.কুল., বীদ.বান.।

(খ) খোন.থোক.কী তাঙ.কক. (Syllable) তোঙান.-তোঙান.লবদী ময়েক, তপ.সীন.নব যাদে।

খুদম. :—ইম.ফাল., কম্বাল., কোন.থোঙ., কান.নব।

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯀꯝꯕꯥꯜ, ꯀꯣꯟꯊꯣꯡ, ꯀꯥꯟꯅꯕ ॥

বংগলা মরুওইন সংস.কীরীত, (সংস্কৃত) কীদী ময়েক, পংতপ.ত তপ.সীন.নৈ। তপ.সীন্নরীব ময়েক, অতগী অহান.ব ময়েক, অহু লোন.সুম. (হসন.ত) ওই। মীতৈ ইয়েক.কীদী লোন.সুম.গ মপুঙ. ময়েক.ক তপ.সীন.নব য়াদে। লোন.সুম, অতুন মমম. ওইতুন খোন.থোক.কী তাঙ.কক. অতুম, তোঙান.হল.লী। অতুন খোন.থোক.কী তাঙ.কক. পুন.দরবদী ময়েক. তপ.সীন.নব য়াদে।

৪। ‘ঙ’ (ꯉ-ꯉꯧ [illegible]) অমসু ‘ং’ (ꯡ-[illegible]) সীজীন.নবগী পান.দম. ঃ

বংগলা ময়েক.কী বনান. :—কোংবা, ইমুং, চুমথাং, চৌঙ, অমসুং

মীতৈ ইয়েক.কী বনান. :— কোঙ.ব, ইমুঙ., চুম্থাঙ., চৌঙ., অমসুঙ. ;

ꯀꯣꯡꯕ, ꯏꯃꯨꯡ, ꯆꯨꯝꯊꯥꯡ, ꯆꯧꯡ, ꯑꯃꯁꯨꯡ

'ঙ,' হাইবসী 'ঙ' গী লোন্সুমম্নী চৈতপ, নত্তে। (ং) হাইবসীদী সুঙ হাইব চৈতপ অহুনী। মীতৈ ময়েক্তী ময়েক অমদ চৈতপ অমদগী হেন্ন তপ্সীনব য়াদে। মতাঙ অসীদ চৈতপ, অমগী মতুঙ্দ লাক্প (ং) খুদীঙমক, 'ঙ,' ওইন ইগনী। অতৈ মতাঙ্দদী হাইবদী চৈতপ, অনী সুদরবদী (ং) ঙাক্ত ওইন তপ্কনী। নীঙসীঙবীগদব অমন (ঙ—ং) অনী অসী খোন্থোক অয়াঙ-অরুম্গী রাফম্ লৈতে। ময়েক্ত খোন্থোক অয়াঙ-অরুম্ খাইব লৈতে। খোন্থোক লুম্থন পানবগীদমক্তদী (.) লুম্ নত্তরগ করীনো খুদম অম থম্গনী। মীতৈ ময়েক্কীদী (.) লুম্ সীজীন্নগনী।

৫। ই-কার 'ি' (ꯏ꯭ꯇꯥꯞ) উ-কার 'ু' (ꯎ꯭ꯅꯥꯞ) সীজীন্নবগী পান্দম :

বংগলা ইয়েক্কী বনান—অনি, মি, মী, মকু, মকূ ;

মীতৈ ময়েক্কী বনান —অনী, মী, মী., মকু, মকু. ;

ꯑꯅꯤ, ꯃꯤ, ꯃꯤ꯬, ꯃꯀꯨ, ꯃꯀꯨ꯬ ॥

মীতৈ ইয়েক্কী চৈতপ্ত ঈ-কার (ী) অমদী উ-কার (ু) লৈতে ; ই-কার—উ-কার তমক লৈ। মসী অতেল-অসাঙ অমদী অয়াঙ-অরুম্গী রাফম লৈতে। অতুন ঈ-কার ইজরবসু উ-কার ইজরবসু ইচম চম্ব চৈতপ্নী। লাইরীক অসীগী বনান খুদীঙমক্ত ঈ-কার ইরীবসী ই-কার গুম্বনী অহুবু চৈতপ্ন হান্ন ইবসী য়াম্ন মওং তাদব অমনী থন্তুন ঈ-কার ঙাক্ত ইজবনী। মসীন খোন্থোক অয়াঙব নত্তরগ অরুম্বনী খন্বীদনব হাইজরী।

৬। খোন্থোক্ অয়াঙ-অরুম্গী পান্দম :—

খোম্থোক অয়াঙব :—হাইব (হায়ব), মি (মী), ইসীঙ (ঈসীঙ)

ꯍꯥꯏꯕ, ꯃꯤ, ꯏꯁꯤꯡ

খোন্থোক অরুমব :— হাই.ব/(হায়.ব), (মি.)/মী., ই.সীঙ/(ঈ.সীঙ)

ꯍꯥ꯬ꯏꯕ, ꯃꯤ꯬, ꯏ꯬ꯁꯤꯡ

বংগলা ময়েক্ত অয়াঙ-অরুম্গী খোনথোক লৈতে, অতেল্-অসাঙদী লৈ হাইজখয়ে। অতেল্-অসাঙ খাইরীব অসীসু মখোইগী ইমুঙয়েক (স্বর ময়েক) থক্তনী খুমুঙ য়েক (ব্যঞ্জন ময়েক) তদী খাইব লৈতে ; অহুবু ঐখোইগী মীতৈলোন, অসীদী খোন্থোক্ য়াঙব অমদী লুম্থবগী মতুঙ ইন্ন রাহন্থোক্ তোঙান্ন লৈব অয়াঙ-অরুম খাইদব য়াদব লোন, অম ওইবনীন মীগী অতেল্-অসাঙ ফাওব খাইদব খুমুঙয়েক্সীঙ (ব্যঞ্জন) অহুবসু ঐখোইন অয়াঙ-অরুম্ খাইদোক্লগ বনান ইব চত্নরী। মতাঙ অসী-রাইদনী চমম্নহল্লীব। অমগী বনান্গ অমগী বনান্গ ইমান মান্নদব মপু লীঙব তুম্দব অমগুম, লৈরীব অসী ইরোল অমদী ইয়েক্পু হুলান্নবদগী থোক্পনী হাইজনীঙই।

মসী কোক্ননব য়াম্ন লাইব উপাইদী বংগলা ময়েক্নবু ইরবসু খোন্থোক লুম্থন পাগদব মতাঙ মতাঙ্দ (.) লুম্ হাইদুনা ময়েক অহুগী য়েত্থক্ক মখা শুইরপ্ন নম্লগ লোইয়ে। লুম নম্ব অতন খোম্থোক্ লুম্থম পাব অহুগ লুম্ নম্দবন খোন্থোক য়াঙন পারগ লোইরবনী। মসী মীতৈ ইয়েক্কী হান্ন লৈজরম্ব চত্নরিনী। য়াম্লনবদ করীগুমব খুদম খরদী সীজীন্নদব য়াদবনী।

মথাগী থুদম্সীঙ, সীজীননরীবসী য়েঙ.বীয়ু:

অয়াঙ.ব খোনথোক. (/)	ময়াইওইব খোনথোক্ (—)	অকম্ব খোন্থোক্ (•)
কা´ম্ব (নীঙ.সা কাম্ব)	কা̄ম্ব (পোঙ.খত.প)	কা.ম্ব (লু-নান্দব)
চা´ব (ইসীঙ.দ ঙা চাব)	চা̄ব (ইচা-চাথোক্প)	চা.ব (চাক্ চাব)
মপা´ন্ (মপান্ সাত.প)	মপা̄ন (পুখী মপান)	ম.পান্ (মউ)

মীতৈ লোন.দ ময়াই ওইব খোন্থোক, অম লৈজরবসু মপুঙ. ওইনদী খোন্থোক, অয়াঙ.ব অমগ অরুম্ব অমগ অনী অসীন মপুঙ.নী খংনগনী।

৭। মীতৈলোন.গী বনান. ইবদ শ, ষ, স, ছ গী মহুত.ত 'স' থক্ত সীজীন.নগনী।

ময়াম্ন ইনব বনান. — মসাগী অচুম্ব বনান্

ষন., শগোল্, ছাটিন., সনা, — সন., সগোল., সাতীন., সনা;

'ষ' অসী কোক.ত সাফু পীহুন খোন.থোক, থোক্প (মুর্ধন্য বর্ণ) ময়েক্নী। 'স' হাইব অসীন লৈন য়াদ চম্ন থেঙ.হুন ঙাঙ.ব (দন্ত্য বর্ণ) ময়েক্নী অহুন 'ষন.' হাইন ইব লাল.লী সন. হাইন ইগদবনী। অহুগীসু মথক্ত মীতৈ ইয়েক.কীদী স থক্তসু লৈব মরম্ন সন্ হাইন বনান্ ইগনী।

শ, ছ অসী ঙৌদ সাফু পীহুন খোন.থোক্ পীব (তালব্য) ময়েক্সীঙ.নী। শগোল., ছাটিন্ হাইন বনান. ইবদ ঙৌদ সাফু পীরবদী খোন.থোক্ তাদে। অসীগীসু মথক্ত ছাটিন. গী 'ট' হাইব ময়েক্ অসী (মুর্ধন্য বর্ণ) কোক.ত সাফু পীব খোন.থোব্নী। মীরোন.দ হাইরগ বর্ণ গী উচ্চারণ স্থান. কাওব থংদব করমব অসাব 'সংস্কৃত' কী 'পণ্ডীত' ন ষন্, শগোল্, ছাটিন্ হাইহুন পুথোক্পীরীব বনান.নো! নত.তরগ মুঙ.সীব সাহুন মীতৈলোন. অসী সেম.গত.পীবগী মহুত.ত সেম্দোকপীগে থোয়াঙ.বীবরা! অহুন সন., সগোল্ (সাকোন.), সাতীন. হাইন বনান. ইগনী। সনা অসীদী মসাগী অচুম্.ব বনান.নী।

৮। মীতৈলোন.গী বনান্ ইবদ ণ গী মহুত.ত ন, ক্ষ গী মহুত.ত খ, শ্মা গী মহুত.ত রী, ড় গী মহুত.ত র সীজীন.নগনী। অসুম্ন ট, ঠ, ড, ঢ, ণ গী মহুত.ত ত, থ, দ, ধ, ন সীজীন্.নগনী। শ, ষ, ছ গী মহুত.ত স ওইন সীজীন.নগনী।

ঐথোইগীদী খোন.থোক.কম.সী কোক.ত, ঙৌদ, য়াদ, খোরীদ, চীন.বান.দ, লৈতোন.দ, লৈয়াইদ, লৈখোঙ.দ হাইবনচীঙ.বগী মরম.দ মপুঙ. ওইদে ইচম. চম.ন খোনথোক্ অয়াঙ.ব অরুম্ব হাইব অহুতংগী য়াম.ন মরুওইন নৈনদব য়াদব লৈ হাইবসী কাউনদনব হন্ন হন্ন নীঙ.সীঙ.জরী।

৯। 'র'-(ꯔ) তপ.সীন্বগী পান.দম্ :—

মীতৈলোন্.গী বনান, অমদী খোন.থোক্.কী মতাঙ.দ 'র' অসী কোন.ন লাক্.পনী হাইব অসী মথক্.তসু খরদী পন্.জখরে। বংগলা অমদী নাগরী ময়েক্.কী মতৌ তমদুনা মীতৈলোন্গী বনান্ ইবদসু ময়েক্, অমদ র-ফলা তপ.সীন.বসী য়াম্না চত্.নরে। মসী মীগী মতৌ তম্বনী র-ফলা অসী য়ারীবমখৈ ময়েক্, অমদ তপ.সীল.লোইদবনী। মীগী লোন্গী বনান্ ইবদ খোন.থোক্, তাব য়াদব য়াওরব মতম্ অদুতদ র-ফলা তপ.কনী। খুদম, খর মখাদ পীজরী :—

মীতোন.দগী মতৌ তম্ব বনান্ :

চৎগ্রে, চাগ্রে, উগ্রী, য়াগ্রে
উৎলমগ্রি, লৈরমগ্রে, চৌব্রীখোঙ,

মীতৈলোন্গী অচুম্.ব বনান্ :

চত.খরে, চাখরে, উদরী, য়াখরে ;
উত.লম.দরী, লৈরম.দরে, চৌবরীখোঙ্।

মীগী লোন্গী বনান্ :

ব্রহ্মপুত্র, ট্রাইভেল্, দ্বীপ.,
দুরদর্শণ., অষ্ট্রেলীয়া

মীতৈলোন্.দ ইগদব বনান্ :

বরমহ্‌পুতর (ব্রমহ্‌পুতর), ত.রাইভেল্ (ত্.্রাইভেল.),
স.কীরীপ., দুরদরসন., অস.তরেলীয়া।

১০। অপুন. ইয়েক্ (—) অমসু চম্ব খংনব খুদম্ (.) 'হাসন.ত' তপ.পগী পান.দম্ :—

মতাঙ. অসী মথক্.কী পান্দম্ অদুম, মুবগসু ময়ী লৈনৈ।

মীতৈ ইয়েব্.কীদী ময়েক্, অনী তপ.নয়ে খোন্থোক্ তীন্সীন.নরে খংনব ময়েক্, অনী অদুগী মখাদ অপুন. ইয়েক্ হাইদুনা লৈই অম চীঙ.ই হাইজখরে।

মদুদী :—ꯈ꯭ꯔꯥꯡ, ꯆꯧꯕ꯭ꯔꯤꯈꯣꯡ, ꯕꯤꯗ꯭ꯌꯥꯂꯌ

খ্রাঙ., চৌব্রীখোঙ., বীদ্যালই

ময়েক্ তপ.সীন.জয়োই হাইরবদী—ꯈꯔꯥꯡ, ꯆꯧꯕꯔꯤꯈꯣꯡ, ꯕꯤꯗꯌꯥꯂꯌ

খ.রাঙ., চৌবরীখোঙ., বীদ.যালই

চম্বগী খুদম্ ঐখোইন হাসন্ত হাইনব খুদম্ অসী সংস.কীরীত. (সংস্কৃত) কী হান.ন লৈব খুদমনী। মসী বংগলা অমদী হীন.দী (হিন্দী) লোন.দ সীজীন্.নদে। অদুম্ ওইনমক্ বংগলা ময়েক্.ন মীতৈলোন্ ইব মতম্দদী চম্ব খংনগদব মতাঙ্ খুদীঙ.মক্ত হাপ.প তাই। মসী হাপ.তয়বদী খোন.থোক্ মুঙাইতদুনা আ-কারনচীঙ্.ব কয়া অম হাপ.চীল্লী। মদু মওং ইতা তাদে।

হৌজীক্ বংগলা অমদী নাগরী ময়েক্ কী 'তাইপ, রাইতর' সাবদ ময়েক্ তপ.সীন.নবগী খুদোঙ. চাদব মরুওইন ময়েক্ তপ.নবদ মথক্.কী মখাদ অম য়ান.থব ময়াম, অম সাব তারক.পদ খুদোঙ. চাদব ময়াম্ অম লাক.পদগী ঙসাইগী হাসন.ত হাইব অদুগুম্ব খুদম্ অম তপ.সীনগে খল্লীব ময়েক্, অনীদুগী অহান.ব ময়েক্.ত তপ.সীল.লগ ময়েক্, অনী অদু তপ.সীন.নয়ে খংনব অনৌব পান.দম্ অম পুথোরক্.ই। খুদম্ অসী হাসন.তপদী মান.নৈ অদুবু সংস.কীরীত. (সংস্কৃত.) কী হান্.ন সীজীন.নয়ম্.বগী মওংদী নত.তে।

মদুদী :—বীদ.বান. (বিদ্বান.), সনধী (সন্ধি), স.কুল (স্কুল্), খ.বাই (খ্বাই) পান্দম্ অসী ময়াম্গী ওইন অনৌবনী হাইব য়াই। অমগী অমগী মতৌ তম্বনী হাইদব য়াই। অদুনা মীতৈ ইয়েক্ ইবদসু অপুন্

ইয়েক, অসী অনৌবনী হান্নন লৈরম্দে হাইহুন রায়েত, তৌবস্থ লৈরী। হাইবদী মীতৈ ইযেক্‌ন ইবগী বনান্দ ময়েক, তপ.সীন্নবগী মতাঙ, লাক্পদ মমাঙ, থংব ময়েক্ত চম্বগী খুদম, হাপ.প অসী চত.নবদ হেন্নন খুদোঙ, চাগদব মাল.লী। মসীগীস্থ মথক.ত মীতৈগী লোন্‌স্থম, নীপাল, অসীন মীয়োন্গী বনান, ইবদ কোন্ননদব মপুঙ, ময়েক.ন চম্বগুম, সীজীন.নব তারক.প মতাঙ.সীঙ.দ খুদম্ অসী হাপ.পদ খুদোঙ, য়াম্ন চাই। মীয়োন.গী বনান.স্থ ওইবনীন মথোইগী চত.নবী মতেক, অম ইন.বীবদ মীগী মতৌ তম্ব কৌদে খন.জৈ।

যাম্দববদ বংগলা ময়েক.ন বনান্ ইব মতম্দ চম্ব থংনব মতাঙ, খুদীঙ.দ খুদম অসী তপ.কনী লোইনন ময়েক, মথক.-মখা তপ.নদনব সীন.ব মতাঙ.সীঙ.দস্থ অনৌব পান.দম, অসী সীজীন্নৈ।

লোন.গী খোন.থোক্ হাইব অসী লোন.-লোন্গী খেত.নব খোন.থোক্ লৈনৈ। অমগী খোন.থোক্ অহুমক, তানব কাচীন, কোয়া য়োসীন.ন কোইথীমক.তী থীনদে। মীতৈ মচাসীঙ.দী মীগী খোন.থোক্ অহুমক, য়োননব কাচীন-কোয়া থুঙ.ননব হোঙ.নৈ। মীগীদী ইংগয়েজী ঙাঙ.বমক.তদ য়ুরোপীয়ান.গী খোন.থোক.ক আমেরীকাগী খোন.থোক.ক লোইনন ভারত.কী খোন.থোক.নচীঙ.বসী অমগ অমগ ইখেত, খেত.নব কয়া লৈ। মীন খেত.নৈ হাইত্তনস্থ ঐখোইস্থ খেত.নহন্সী হাইজব নত.চদে ঐগী লোন্ অমদী ইয়েক্নচীঙ.বন বনান, তৌব য়াব য়েঙ.হুন পুথোক্প মহুদ তাজয়ক্প অহু ঐখোইগী খোন.থোক্ ওইগনী হাইজবনী।

নোঙ.চুপ.লোম্গী লাইরীক, হৈব Aristotle (এরীস.তোতল্) হাইব অসী হীন্দী ঙাঙ.বসীঙ.ন 'অরসতু' হাইন বনান, ই খোন্থোক্স্থ হাইনৈ। অস্থম্ন Socrates ঐখোইন (সোক্রেটীস্ক) সোকরেতীব্স হাইবসী মখোইন 'স্থকরাত,' হাইন অহুম্ বনান, ই। মসী মীয়োন.দ হাইরগ (ইন্দীয়ান, ট্যুন,) ইন.দীয়ান, তীয়ুন, হাইবহুনী। মীগী খোন.থোক, অহু তানব অনৌব উচন, পংথী থীবদী থয়স্থ থন.নব য়াব রাফম, লৈ অহুস্থ নত.তন মীগ চান.নদে হাইহুন ঐখোইগী হান.নন উচন, চান চন.সোন.থরব অহুবু ফুগাইহুন নম.হুন পান.সীন.ব অসী তোক্নরসী হাইজবনী। ঐগীসী মীচঙ, খোম.জব নত.চদে, মীচঙ, খোম.ব হাইবসীদী নোঙ.ম অমুক, তাথখীব নত.তরগ হেন.গত.লক্প য়াই অহুন অরেপ.প লৈতে মরম, অসীন মসান তাজব অচুম.ব রাফম, অহু হাইজবনী। অচুম.ব হাইব অসীদী ঙসী মীচঙ, সোন.হুন মচেত.-মকাইগুম, লৈহৌরবস্থ মৈবু ফীন কুপ.তুন থম্ব য়াদবগুম, নোঙ.ম নত.তরগ নোঙ.মদী মৈ মুত.তরী হাইবহু থংলক্ই। মহুগী খুদম, কয়া কয়া ঙসী ঐখোইন উরবনী।

ঐন য়ারোবগুম, পুংপন, পন.জরীব অসী মীতৈলোন.গী বনান.গী মতাঙ.দ থোক্লয়হুন পন.জবনী। তেন.সীন.ন হাইজয়বদ মীতৈলোন.গী বনান, মীতৈলোন, অমদী মীতৈ ইয়েক.ত য়ুম.ফম, ওইরগ সেম.জগদবনী মীগী চত.নবী পুসীন.গদব নত.তে হাইবসী কাউনস্থসী।

অচুম.বদ ফজব লৈ ……
মীগী মতৌ তম.বদী ফজব কৌদে, ইকাইনীঙাইনী
মহুন অহোইনন ইয়েক, অমদী ইয়োন.বু মসক, থীহল্লী।
মীতৈলোন, অসী মীগী লোন.গী মথাপোন.ব লোন্ নত.তে হাইবসী কাউনস্থসী।

—☆—